...াষিত

...ফজবা...



ডা. এম. অচৌবী শাস্ত্রী
..., গোভর্ন. ঐচ.টি.টি. কোলেজ, ইম্ফাল



সুভাষিতানি

(নীংথি ফজবা ৱাঙাঙ)




সংকলনকর্ত্তা এবং অনুবাদক :

ডা. এম. অচৌবী শাস্ত্রী

রীডর, গোভর্ন. ঐচ.টি.টি. কোলেজ, ইম্ফাল

Subhashitani

(a collection of 516 Sanskrit Slokas with their meaning in Manipuri by Dr M Achoubi Shastri)



Published by : **Meinam Publications**
Soibam Leikai, Imphal East, Manipur

Year of Publication September, 2008

Number of Copies 700

Price Rs 95/-

Cover

Printed at **EIGYA Computer Printing Centre**
Naoremthong Bazar Imphal



কচ্চবা

ত্বমেব মাতা চ পিতা ত্বমেব ত্বমেব বন্ধুশ্চ সখা ত্বমেব।
ত্বমেব বিদ্যা দ্রবিণং ত্বমেব ত্বমেব সর্ব্বং মম দেবদেব॥
আকাশাৎ পতিতং তোয়ং যথা গচ্ছতি সাগরম।
সর্ব্বদেব নমস্কারঃ কেশবং প্রতি গচ্ছতি॥

ত্বদীয়ং বস্তু গোবিন্দ তুভ্যমেব সমর্পয়ে।

ভূমিকা

ডা. মৈনম অচৌবী শাস্ত্রীনা খোমজিনবা অমদি অনুবাদ তৌবা 'সুভাষিতানি' কৌবা লাইবিক অসি ঐহাক মতম কয়া চঙনা পাজবে। মসি সংস্কৃত শ্লোক ৫১৬ (চামঙা তবাতকক) গী মণিপুরী অনুবাদনি। শ্লোকশিং অসিগী মরক্তা খবদি মাণপুবদা বৃটিশনা পান্দ্রিঙৈ আ মমাঙদগী হৌনা চাণক্য শ্লোক হায়দুনা চীন্দা পুনবকই। যাম্না কান্নবা শ্লোক ঙাক্তনি। অতোপ্পা শ্লোক খংগা অমনা ঋগ্বেদ, যজুর্বেদ, উপনিষদ্ নচিংবদগীনি। অতৈ খবনা রামায়ণ, মহাভারত নচিংবা ধর্মগ্রন্থনচিংবদগীনি, অতৈ অতোপ্পা খবনা অমুক চাণক্য শ্লোক, চরক সংহিতা নচিংবদগীনি।

মহারাজ চন্দ্রকীর্ত্তিগী মতমদা ঋগ্বেদ, যজুর্বেদ অমদি সামবেদ অসি শ্রীশ্রীগোবিন্দজীগী মন্দির মনুংদা পূজা তৌদুনা থনম্মী। বেদবু পূজা তৌবা য়াই। মসিবু ফত্তে হায়রবদি ঐহাক হায়জদে। অদুবু বেদবু ধূপ-বর্ত্তি কত্নুনা পূজা তৌবগী মহুৎতা বেদশিং অসি লোইনা লোইনা পাদুনা বেদশিং অসিদা কার কবি হায়বিবগে হায়বদু খঙনবা হোৎনবনা হেন্না ফৈ। 'সুভাষিতানি' হায়বা লাইরিক অসিদা ঋগ্বেদ অমদি যজুর্বেদদগী মন্ত্র খরা যাওরিবসি পুক্নিংদা নুংঙাই, পাঠকশিংনসু মন্ত্রশিং অসিবু ফজনা পারীগনি হায়না আশা তৌজে। লাইরিক অসিদা সামবেদদগী মন্ত্র যাওদরবদি থোইনা অকায়বা লৈতে। সামবেদদা লৈরিবা মন্ত্রশিংসি ১৮৭৫ (লিশিং অমা চনিপাল হুমফুতবামঙা) নি। মসিগী মনুংদা ১৮০০ রোমনা ঋগ্বেদদগীনি। অনিনা যজুর্বেদদগীনি, লৈহৌরিবা ৭৩ অসিদি হৌজিক ফংলিবা ঋগ্বেদ অসিদদি য়াওদ্রে। মমাঙঙৈদা লৈরম্না হৌজিক্কি মতমনা কুইথ্রদুনা মাঙখ্রবা ঋগ্বেদগীনি হায়না পণ্ডিতশিংনা হায়নৈ।

নোংচুপলোমগী মীশিংগী মীৎযেংদা তাইবংমীগী পুন্সি অসি চহি থ্রি স্কোব এন্দ টেন হায়বদি চহি হুন্ফুতবানি। অদুবু ভাবতকী আর্য্যশিংগী মীৎযেংদদি তাইবংমীগী পুন্সি অসি শবদ: শতম্ হাযবদি শবদ্ ঋতু চান্মনি। চহি অমদা শবদ্ ঋতু অমখক্তা লৈ অদুনা শবদ্ ঋতু চান্মা পুন্সিবা হায়র্বদি চহি ১০০ পুন্সিবনি। মণিপুবগী অহলশিংনা বব পীনদা চহি চান্মা পুন্সিযু হাযনা বব পীনবন্মী। মদুদি ঋগ্বেদদা হাযনবিবা জীও শবদ শতম্ হাযবদুগী ভাবার্থ অনুবাদনি।

চহি চান্মা পুন্সি হাযদুনসু অহল ওইবগী মীৎসু উবক্রুবা, নাসু তানক্রবা ব্বা ঙাঙবসু কাং খোঞ্জেলগুম মি মি লাউবক্লবা পৈশা তানবা ঙমদবদগী লাযবনা অমহিকসুং তোম্বনা হিংবা মদুদি কান্নদে। বেদনা হাযবির্বাসদি চহি চান্মা মীৎ ফজনা উবা, না ফজনা তাবা, ব্বা ফজনা ঙাঙবা অমহিকসুং লাযব অনং যাউদনা মীনা সম্মান তৌনা তৌনা চহি চান্মা হিংবনি। যজুর্বেদর্দদি চহি চান্মা খব হেনবগী আশাসু তৌই। ডা. অচৌবীগী লাইবিক অসিদা হার্যবিবা যজুর্বেদগী শ্লোক অদু লামায মবিশুবদা উবিগনি। "পশ্যেম শবদঃ শতম্। জীবেম শবদঃ শতম্। শৃণুযাম শবদঃ শতম্ / প্রব্রবাম শবদঃ শতম্। অদীনাঃ স্যাম শবদঃ শতম্। ভূযশ্চ শবদঃ শতাৎ।"

"সুভাষিতানি" হার্যবিবা লাইবিকসিদা শ্লোক্কী মতাংদা যাওবিবা উপদেশশিংবু ইনবা ঙম্নবদি ঐখোয হকচাং ফর্গনি, মীগী খদাং মখা থাবোই অমদি লাযব-অনং যা ওদনা চহি চান্মমক নক্রবসু চহি চান্মগী ঙকযা পুন্সিগনি।

লাইবিক অসি যাম্না কান্নবা লাইবিক ওইগনি। হকচাং ফবা, লমচৎ ফজবা, নুংঙাই যাইফবা, তাইবং মীনা পুন্সি শাংনা শাংনা হিংবা, ঈশ্বরদা ভক্তি লৈবা অমহিকসুং শান্তি লৈবা সমাজ অমা পুবকপদা লাইবিক অসিনা মতেং পাংবা ওইবসনু।

তাং ৫/৯/২০০৮ ইং

পদ্মশ্রী, রা.কু. ঋলজিৎ সিংহ
য়াইস্কুল হিকংহনবা লৈকাই।

প্রশংসা-পত্রম্

শ্রীযুক্ত ডা. এম অচৌবী শাস্ত্রীনা ইবা 'সুভাষিতানি' কৌবা বেদ, উপনিষদ্, পুরাণ, সংহিতা অমসুং নীতিশাস্ত্র নাচিংবা সংস্কৃতকী লৃখ্রবা অমসুং তাংলবা উপদেশাত্মক ওইবা সংস্কৃতকী পূর্কৈনুংদা লোত্লুনা লৈবিবা মী ওইবনা খণ্ডবদা যাম্না কান্নপ্রবা মচি হাযবদি শ্লোকা গী প্রাবাংশ ওইবা মণি মুক্তাশিংসি ইবমদমগী ইজাতিগী মণিপুরী লোনগী পূর্কৈদা অনুবাদ তৌবীদুনা নৌনা হৌবক্লিবা পীক্লিবা ইজাতিগী মীবোলগী মফমদা খৃদোল তম্বীদুনা লৌশিং চাওখৎপদা অচৌবা মমল যাম্লবা মতেং পাংবিবসি উজবদা থোইদোক্লা হবাওজবা নুংঙাইজবা ফোঙদোকচবি।

ডা. এম. অচৌবী শাস্ত্রী তশেংনমক মণিপুরগী তাংলবা স্কোলার অমনি মবর্মাদ সংস্কৃত বিদ্বান্ শাস্ত্রীনি অদুগা লোযননা ইংরেজীসু হৈবা অমসুং হিন্দীদা এম.এ ডাক্টরেটনচিংবা লৌরিবনি। মগুণ লৈববা লোনশিংসিগী মপু ওইরিবিবনি। অদুনা পুথোকপীবিবা লাইরিকসিং তম্মক তৌবিফম থোকপনি। সংস্কৃত চণ্ডখোনবা পণ্ডিত ওইবনিনা লূপ লূববা ঋগ্বেদনচিংবগী ব্রাহস্লোক ইমালোন্দা ইবায লাযনা চুম্না পুথোকপীবি, মসিমক থাগৎনীংঙাইনি। লাইরিক অসি পাজবে মসিদা সংস্কৃতকী লৃখ্রবা বনানশিংদু অযাম্বদা লান্দনা পুথোকপীবাসমক থোইদোক্লা থাগৎচনিংই।

হাযজনীংবা অমখক্তি বেদগীনা মণ্ডল, অনুবাক: অমসুং শ্লোক সংখ্যা অসি কোট তৌবিবিবা শ্লোক্তা হাপ্পীবা, পুরাণনচিংবগীনা সর্গ, অধ্যায, শ্লোক সংখ্যা উৎপীবা, নীতিশাস্ত্রনাচিংবগীসু অধ্যায শ্লোক পনবীববাদ পালিবশিংনা লাইবিকশিং অদুদা থীজবদা হেন্না খৃদোং চাগদ্রা খঙে। অদুগা অমনা অর্থ

তাকপীবা মতমদা প্রোনাউন অদু ইবীবগা লোযননা নাউন অদুবুসু হায়হঞ্জনীংই। অসিগী মথক্তা প্রসঙ্গসঙ্গতি অমসুং বক্তু বোদ্ধব্য তংগা হাপচিনবীববদি ঙমখৈ লৈতনা হবাওজগনি।

শ্রীযুক্ত শাস্ত্রীজীনা অসি গুম্বা মমল য়াম্লবা লাইরিক কয়া পুথোকপীবক্তুনা মণিপুরী লোনগী সেবাদা পুন্সি শাংনা নাদ য়েক্তনা খুরৌ থাংদনা সেবা ঙম্বীবা ওইসনু হায়না তাইবংপানবা মপু ঈশ্বরগী মফমদা থবায় য়াওনা নোম্লুক্লা প্রার্থনা তৌজবি।

অদোমগী

এল. নারায়ণ শর্ম্মা

প্রিন্সিপাল,

দ্বিজমনি দেব শর্ম্মা সংস্কৃত কোলেজ,

সঙ্গাইপাৎ, ইম্ফাল ইষ্ট।

তাং ২৫/৫/২০০৮ ইং

প্রাক্কথন

সুভাষিতানি কৌবা লাইরিক অসি মপান নাইদনা পাক চাউরবা ভারতীয় সংস্কৃত বাঙ্ময়দগী পাবদা অমদি বা তাবদা নুংঙাইরবা অমসুং কান্নবা পাউ তাক্লা থম্লবা শ্লোকশিংবদা ইবা সাহিত্যশিংদগী লৌখৎচবা মচল খরদংনি। সংস্কৃত সাহিত্যগী লনথংগী মরমদা থোইনা অমুক হায়রবগী কান্নবা লৈতে। শ্লোক, অনুবাক অমদি মখল মখলগী ছন্দ কয়ামরুমদা লীশং লীশিং ওইনা ইখ্রবা বেদ মরি ঋক্, সাম, যজু অমদি অথর্ব, উপানষদ ১০৮, মহাপুরাণ ১৮ স্মৃতি মখল কয়া, দর্শন ৬, কাব্যগী সাহিত্য মখল কয়া অসি শীংখাদুনা লোইবা নত্তে। মী অমনা সাহিত্য অসিগী মশা মতা অমা নৈনবদা পুন্সি কোয়রগদবা ওক্তেনি। লাই নংত্রগা লাইপোক্পী মশক ওইরবা শানা যাওরবা মগং যানা খঙবা ঙম্লবোইদবনি। বেদ নৈনবগী নাক্মদি তৌজঙ্কা মতমদা যাম্না থাপ্না পামাথসি পুরাণ ১৮, দর্শন ৬কী সাহিত্য অমদি মযাওবা সংস্কৃত কবিশিং অশ্বঘোষ, কালিদাস, ভারবি, মাঘ, শ্রীহর্ষ, নাটককার ভাস, হর্ষবর্ধন, বিশাখদত্ত, ভবভূতি, মুরারী গদ্যকার সুবন্ধু, দণ্ডী, বাণ অদুবু মুকুন্দ কবি মমক, জয়দেবনাসিংবগী সাহিত্য নীংথিনা নৈনদুনা খঙবা ঙম্ব মা ওই লৈতে হায়বা যাবে। তৌজঙ্কী মতমদা অসুক যম্না সাহিত্যগী মখল মযাম মাস পাবা অমসু নৈনবগী মতম ফংদ্রে। অদুবু হায়রিবা সাহিত্যশিংসিদা যাওরিবা ভাব, নাখল, পান্ধ লৈশং অমদি জ্ঞানশিং অদুগী কান্নবদুদি তম্মা হম্না হাংকনগা ক্ষমন লৈতে। মসিদি পাপাক অমদি নৈনবনা মীতনা নীংথনা খঙবা তমগা। অসুম্না পাক চাউখ্রবা জ্ঞান বিজ্ঞানা থল্লবা সাহিত্যসিগী মশক খরদং তাকপা ওইনা শ্লোক লীশিং, লাখ কয়াগী মনুংদগী মখল খুদিংদগী শ্লোক ৫ / ৬ তং খনগৎতুনা মীয়ামগী মযামদা খঙহঞ্জানবা অমদি উহঞ্জানিংবদগী আসশন্না লাইরিক অসি পুথোকচরানি। মাসিনা ঐগী থাইজাদাকপা হৈশিংবা অমদি যাম্না খঙলু তৈকনবগা নায়ম কানসু লৈজদে।

সংস্কৃত সাহিত্য পরম্পরাদা সূক্তি অমসুং সুভাষিতকী পরম্পরা অসি মমাঙুইদগী হৌনরকই। মসি যাম্মক কান্নবা থবক অমনি। মখোয় অসিনা মমাঙুইগী মুনি ঋষিশিং, জ্ঞানীশিং, কবিশিং অমাদ কাব্যকারশিংগী মগুণ, প্রতিভা অমদি বরেক শাস্ত্রগী বৌদ্ধিক কৌশলতা অদুগী মরমদা খঙদুনা ওইবা খঙবা ঙমগনি। [illegible] হায়বাদি অফবা, নীংথিবা অমদি কান্নবা [illegible] [illegible] দর্শনদা [illegible] ভারতীয় সাহিত্য [illegible]

[illegible]

খুদোল খুদৌনখিবনা ফজনবা লূবনা মমল যাম্লবা শ্লোক কয়াগী অনুবাদ [illegible] কয় শোযদনা [illegible] ওবনগনি। [illegible] অমসু মদু অথাঙ অহৌশা [illegible] সংস্কৃত [illegible] ইম [illegible] ওখৎনবা [illegible] তৌবনি খনদুনা চাকপাগনি। [illegible] অদু অহঙ কয়াদু তাকপাবক্লবদি মথংগী খুৎনমদা শোযদনা চুমদোকচগনি। ঐনা খঙ্জনবাদ যামদ্রবদা শ্লোক ৫০০মুক খোমাতোঙ্ক্লবগা 'সূক্ত/সভাষিত সপ্তশতী' [illegible] যোংজনীংলুবা অদুবু খুদোংচাদনা খনদুনা পাঙথোকচনা ঙম্লগদবে। ঈশ্বরগী কৃপা লৈরবদি মথংগী খুৎনমদা শোযদনা পুখোকচগনি।

ঐনা লেইরিবক অসিবু পাররিবশিংগী মফমদা হায়জনীংবদি যাওরিবা শ্লোক খুদিংমকপু মুল্লা পারিবগা মদুগী ভাব অমদি অর্থ মুল্লা লৈনবীয়ু হায়বসিনি। শ্লোক খুদিংমক যাম্না অর্থ লৈবা অমদি ফজবা মী ওইরবগী পুক্নিংদা কান্নবা রাঙাঙ রারোল ঙাক্লনি। অমমমমগা মরমদ নীংথনা লৈনবদি অচৌবা থোসস অমমম ফাউবা ইনা যাবিরনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। তশেংনা হায়ববদি হৌজিক্কী ভারতীয়

সাহিত্য অসি বঙ্গালী সাহিত্য ওইসনু, অসামী সাহিত্য ওইসনু, হিন্দী সাহিত্য ওইসনু, মরাঠী, তামিল, তেলগু, উরিয়া, পঞ্জাবী, মণিপুরী, নেপালীনচিংবা সাহিত্যসু ওইসনু-বাটে থাম্বা অমদি মনুংগী চেল্লিবা থিবাক্তা ৭০৩দি ভারতীয় বৈদিক অমসুং লৌকিক সংস্কৃত সাহিত্য অমদি সাক্ষাৎ [illegible] লমন তোল্লবা থাগৎপা থাহমনবা [illegible]ক্লোই।

লোই[illegible] [illegible] ভাগ্য [illegible] সংস্কৃত [illegible] [illegible] সংস্কৃত [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] শাস্ত্রী, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] সংস্কৃত [illegible] [illegible] শাস্ত্রী, [illegible] [illegible] [illegible] সংস্কৃত [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] সংস্কৃত [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] শ্রদ্ধাসুমন [illegible] [illegible]।

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অমদি [illegible] [illegible] [illegible] সমাজ সেবক পদ্মশ্রী শ্রী বাড় কৃ. নলাউ সিংহ, হাইস্কুল অমসুং সংস্কৃতকী অফাওবা পণ্ডিত মাননীয় শ্রী নারায়ণ শর্ম্মা, শাস্ত্রী, প্রিন্সিপল, দ্বিজমণি দেব শর্ম্মা সংস্কৃত মহাবিদ্যালয়, সঙ্গাইপাৎ সকাশ্রী উক্ত শ্রদ্ধেয় মহোদয় অনীগী মথমদা শিংবা হুম্লবোইদবা লমন তোনাশিঞ্জরে। মহোদয়শিংসগী কপাপাএ ওইবকাগানি হায়না আশা তৌই।

নদুগুং বর্ষাংবদ:

ডা. এম.এ. শাস্ত্রী

(মৈনম অচৌবী শাস্ত্রী)

সোইবম লৈকাই চেক্কোন বজার,

ইম্ফাল

ভাদ্রীয় (লাংবন) পূর্ণিমা,

সংবৎ ২০৬৫ (সোমবার)

তাং ১৫/৯/২০০৮ ইং।

বিষয়ানুক্রমণিকা

মঙ্গলাচরণ

মূকং করোতি বাচালং পঙ্গুং লঙ্ঘয়তে গিরিম্।
যৎকৃপাতমহং বন্দে পরমানন্দ মাধবম্॥*

নমোঽস্তু তস্যৈ শ্রুতয়ে যাং দুহন্তি পদে পদে।
ঋষয়ঃ শাস্ত্রকারাশ্চ কবয়শ্চ যথামতি॥১

(*কাব্য-মীমাংসা*)

অনুবাদ :- ঋষিশিংনসু, শাস্ত্রকারাশিংনসু অমসুং কবিশিংনসু মাগী মাগী অপাম্বা মতুং ইন্না মণবাদগী শঙ্কোম শুমদুনা কান্নবা কয়া ফংবগুম জ্ঞান, কর্ম্ম, উপাসনা কাবানচংবগী জ্ঞানবু ফংহনবিবিবা শ্রুতি (বেদ)বু খুরুমজরি।

---

* মঙ্গলাচরণগী মশক ওইনা ... অর্থাদ ফত্তবা কযাবু মাওহনবীবিবা শ্রীহাং মাধবপু নীংশিংজদুনা খুরুমজাব ... অশৈবা। গ্রন্থ কর্ত্তানা অনীংবা অর্থাদ অযেং অপন কয়াবু কোকচেনদুনা ... ভগবান শ্রী মাধবপু (ফত্তবা হিংমাবা শাগেগী মপুনু মাওহনবা) খুরুমজাব ... ভগবানগী কৃপা (থৌজাল)গী থৌওং থৌদী অর্থাদ শক্তি অসি কনানসু খণ্ডবা ঙমদে মবমদি মহাক্কী কৃপানা তৌবা অর্থাদ ওইবা ঙমদবা অদুগা যাদবা থবক খমতা সংসাব অসিদা লৈতে। অসিগুম্না মাগী কৃপা অসি লৈরবদি পোকপদগী মবোল থোক্লবা মীসু ব্রা ঙাঙবদা অফাওবা মী ওই, মখোঙ তেক্লবা মীনসু রাংল চাউববা চীংজাউ কযাসু ইবাথ লাযনা কাদুনা লাম্বোকপা ঙম্মী। অসুম্না অঙকপা থৌজালগী মপু ওইবরা অদুগা অথোযনা লেঙদ্রবা নুংঙাইবগী মশক ওইববা ভগবান শ্রীমাধবপু হন্না হন্না খুরুমজাব।

শুক্লাং ব্রহ্মবিচার সারপরমামাদ্যাং জগদ্ব্যাপিনীং
বীণাপুস্তকধারিণীমভয়দাং জাড্যান্ধকারাপহাম্।
হস্তে স্ফাটিকমালিকাং বিদধতীং পদ্মাসনে সংস্থিতাং
বন্দে তাং পরমেশ্বরীং ভগবতীং বুদ্ধিপ্রদাং শারদাম্॥২

অর্থ : অঙৌবা কুচুনা লৈতেংলিবী, ব্রহ্মাবিচারগী অথোইবা মচং ওইরিবী, আদি শক্তি ওইরিবী, সংসার শিন্থুংনা লৈরিবী, বীণা ১দি লাইরিক পাযরিবী, অপঙবগী মশক ওইরবা অমন্নবু মাংহল্লিবী, খুত্তা স্ফটিক মালাবু থোল্লিবী অদুগা থম্বালগী আসন্দা ভাম্ভোইরিবী বুদ্ধি লৌশিং পীর্নরিবী পরমেশ্বরী ভগবতী সরস্বতীবু ঐনা খুরুমজরি।

যঃ শৈবাঃ সমুপাসতে শিব ইতি ব্রহ্মেতি বেদান্তিনো
বৌদ্ধা বুদ্ধ ইতি প্রমাণপটবঃ কর্ত্তেতি নৈয়ায়িকাঃ।
অর্হন্নিত্যথ জৈনশাসনরতাঃ কর্ম্মেতি মীমাংসকাঃ
সোঽয়ং বো বিদধাতু বাঞ্ছিতফলং ত্রৈলোক্যনাথো হরিঃ॥৩

(হনুমন্নাটক)

শিব নাংবা শৈব কাওবুনা মাবু শিব হায়না, বেদান্ত হৈবশিংনা ব্রহ্ম হায়না অদুগা প্রমাণ হৈরবা নৈযায়িকশিংনা কর্ত্তা হায়না বৌদ্ধনা বুদ্ধ হৌনরিবা অদুগা জৈনশিংনা মাবু অর্হৎ অমসুং মীমাংসা হৈবশিংনা কর্ম্ম হায়না কৌনারবা মপোল অমেগা মপু ওইরিবা ভগবাননা নহাক্কী অপাম্বা অনীংবা পুম্বা থুংহনাসনু।

শিবাভিষ্টে হৃদয়ং তর্পয়ামানমীবো মোদিষীষ্ঠাঃ সুবর্চ্চাঃ
সবাসিনৌ পিবতাং মন্থমেতমশ্বিনৌ রূপং পরিধায় মায়াম্॥৪

(ঋগ্বেদ)

মীপুম খুদিংগী থম্মোয়বু মঙ্গলগী মশক ওইরবা বিদ্যা (জ্ঞান) শিংনা পেনাবা ওইসনু, মীওই পুম্বা মশা মউ ফনা অমদি মতিক মগুণ লৈনা মতম পুম্বদা নুংঙাইনা লৈবা ওইসনু, মী খুদিংমক অমগা অমগা তিন্নদুনা মশক, লৌশিং অমদি কর্ম্মগী শাক্তিশিংবু চাওখৎপা অমদি অমৃতত্বগী ভোগ অদু ফংবা ওইসনু।

স্বস্তি মাত্রে উত পিত্রে নো অস্তু স্বস্তি গোভ্যো জগতে পুরুষেভ্যঃ।
বিশ্বং সুভূত সুবিদত্রং নো অস্তু জ্যোগেব দৃশেম সূর্য্যম্॥ ৫

(অথর্ব্ববেদ)

ঐখোয়গী ইমা ইপাগী মঙ্গল ওইসনা, ঐখোয়গী শা মণশিংগী অমদি সংসাব পুম্বগী অমসুং মীপুম খুদিংগী মঙ্গল (অফবা) ওইসনু। ঐখোয়গীদমক সংসাব অসি লন-থুম্মা থল্লবা অমদি অফবা ব্রাখলনা পীকথনবা ওইসনু অদুগা লোযননা মতম শাংনা নুমিৎপু উজবা ওইসনু হায়বদি অনা-অয়েক যাওদনা সংসাবদগা হিংবা পুন্সিগী নংঙাইবা ফংসনু।

পশ্যেম শরদঃ শতম্। জীবেম শরদঃ শতম্।
শৃনুয়াম শবদঃ শতম্। প্রব্রবাম শরদঃ শতম্।
অদীনাঃ স্যাম শরদঃ শতম্। ভূয়শ্চ শবদঃ শতাৎ।৬ (যজুর্বেদ)

ঐখোযনা চহি চাম্মা শাওবা উবা ঙম্বা ওইসনু, চহি চাম্মফাওবা হিংবা ওইসনু, চহি চাম্মফাওবা তাবা ঙম্বা ওইসনু, চহি চাম্মফাওবা ব্রা ঙাঙবা ওইসনু। চহি চাম্মফাওবা অতোনবা ওইনা লৈতসনু। ঐখোযনা অসিদগীসু হেন্না লৈবা ওইসনু।

স্বস্তি পন্থানুচবেম সূর্যাচন্দ্রমসাবিব।
পুনর্দদতাঽঘ্নতা জানতা সঙ্গমে মহি।।৭

নুমিৎ অমসুং থাবা হৌবগুম্না ঐখোযনা মঙ্গলগী মশক ওইববা লম্বীদা চৎকনি, দান তৌবা, অহিংসা চৎপা। অমদি হ্রান লৈবা মীগা লোযননা চৎকনি।

সুসাবথিনশ্বানিব যন্মনুষ্যান্নেনীযতেঽভীশুভির্বাজিন ইব।
হৃতপ্রতিষ্ঠং যদিজবং জবিষ্ঠং তন্মে মনঃ শিবসংকল্পমস্তু।।৮

(যজুর্বেদ)

অচৌবা সারথী অমনা শাগোনশিংবু নীংথিনা লোযননা অমদি থৌবীশিংবা লাকপগুম মীওইববু লাংশনবীবিবা থম্মোযদা লেঙদনা লৈবনা, কৈদৌনুংসু অহল ওইদনা, মনবা, হনুবা লৈত্রবা, খোঙজেল যাওলবা মহাক্না ঐগী থৃক্লিংবু অফবা বাখলতনা থলহনবিয়ু।

অগ্নে নয সুপথা রাযে অস্মান্ বিশ্বানি দেব বয়ুনানি বিদ্বান্।
যুয়োধ্যস্মজ্জুহুরণমেনো ভূয়িষ্ঠাং তে নম উক্তিং বিধেম।।৯

(ঈশোপনিষদ্)

হে মৈ কৌবা লাইগী অধিষ্ঠাতা দেবতা ! (সর্ব্বাগ্রণী), নঙনা ঐখোযবু লম্থুম ফংহন্নবগীদমক্তা লোক পবলোক্কী নুংঙাইবা ফংনবগীদমক্তা অফবা লম্বীদা পুবিযু। হে পুন্নমক্কী পৃক্লিংগী বা খঙ্বা মঙাল চাউবা ! নঙদি ঐখোযগী থবক পুম্নবু খঙবিবনি। ঐখোযগী লম্বীসিগী অপনবা ওইবিবা পাপপু কোকহনবিযু। ঐখোযনা নঙবু হন্না হন্না খুকুমজবি।

প্রিযং মা কৃণু দেবেষু প্রিয়ং রাজসু মা কৃণু।

প্রিযং সর্ব্বস্য পশ্যত উত শূদ্র উতার্য্যে॥ ১০ *(অথর্ববেদ)*

হে ভগবান্ ! ঐবু লাইশিংগা চান্নবা ওইহনবিযু, ক্ষত্রিযশিংগা চান্নবা ওইহনবিযু, বৈশ্যশিং অমদি শূদ্রাশিং অমসুং খুদিংমক্কী অচানবা ওইহনবিযু।

ন কামযেঽহং গতিমীশ্বরাৎপবামষ্টর্দ্ধি যুক্তামপুনর্ভবং বা।

আর্তিংপ্রপদ্যেঽখিলদেহভাজামন্তঃস্থিতো যেন ভবন্ত্যদুঃখাঃ॥১১

(শ্রীমদ্ভাগবতম্)

ঐনা ভগবান্দগী সিদ্ধি নিপান্না তিল্লবা পবমগতি নৎত্রগা মুক্তিগা অপাম্নসু লৈজদে। ঐগী অমত্ত ঙাযববা অপাম্নদি ঐনা থবাম পানবা পুম্নগী থম্মোযদা (অন্তঃকবণ) দা লৈবগা মখোযগী অবা অনা মযামদু ঐনা ফংজবগা মখোযনা অৱাবা ফংদবা হাযবদুনি।

ন ত্বহং কামযে রাজ্যং ন স্বর্গং নাপুনর্ভবম্।

কামযে দুঃখতপ্তানাং প্রাণিনামার্তিনাশনম॥১২

ঐনা লৈবাকসু ফংজনিংদে, স্বর্গসু পামজদে অমসুং মোক্ষসু পামজদে। ঐনা হেক পামজবদি অৱা অনানা নৈতৎলবা জীবশিংগী অৱাবশিংদু কোকখিবদুনি।

যন্ময়া সুকৃতং কিঞ্চিন্মনোবাক্কায কর্মভিঃ।

কৃতং তেনাপি দুঃখার্ত্তাঃ সর্ব্বে যান্তু শুভাং গতিম॥১৩

(স্কন্দপুবাণম্)

ঐনা ঐগী পৃক্লিংনা, ৱাহৈনা, হকচাংনা অমদি কর্ম্মনা তৌখি- তৌখিবা পুণ্য অদুনা অৱা-অনা তাদুনা লৈববা জীবশিংগী অফবা গতি (খোঙচৎ) ফংবা ওইহনবিযু।

ব্রহ্ম অমসুং জগৎ

একং সদ্বিপ্রা বহুধা বদন্তি।১৪ (ঋগ্বেদ)

অমত্তা ওইবরা ঈশ্বর অদু বিদ্বান্‌শিংনা তোঙান তোঙানবা মমিংনা কৌনৈ।

য এষ এক একবৃদেক এব।১৫ (অথর্ববেদ)

মহাক অদু অমতনি, তশেংনমক অমতনি।

সহস্রশীর্ষা পুরুষঃ সহস্রবাহু (সহস্রাক্ষঃ) সহস্রপাৎ।
স ভূমিং বিশ্বতো বৃত্বাত্যতিষ্ঠদ্ দশাঙ্গুলম্॥১৬

(শ্বেতাশ্বতরোপনিষদ্)

পরমপুরুষ মহাক অদদি মকোক লিশিং পানবা, মমিৎ (পাম্লোম) অমাদ মখোঙ লিশিং পানবা মহাক্না সংসার পুম্নসিবু কোযশিল্লগা খোইদৌদগী খুদাল ১০ চৎখৎনা লৈবা থম্মোযদা লৈ।

ব্রহ্মৈবেদমমৃতং পুরস্তাদ্ব্রহ্ম পশ্চাদ্ব্রহ্ম দক্ষিণতশ্চোত্তরেণ।
অধশ্চোর্ধ্বং চ প্রসৃতং ব্রহ্মৈবেদং বিশ্বমিদং বরিষ্ঠম॥১৭

(মুণ্ডকোপনিষদ্)

অমৃতগী মশক ওইবরা ব্রহ্মাদ মাঙ্দা লৈ, তুংদসু ব্রহ্ম লৈ। ব্রহ্ম অদুমক যেত্তা ওযদা, মথক্তা অমদি মখাদসু শন্দোক্লনা লৈ। জগৎ পুম্নসি অথোইবা ব্রহ্মগী মশাক্নি।

যথোর্ণনাভিঃ সৃজতে গৃহ্ণতে চ যথা পৃথিব্যামোষধয়ঃ সম্ভবন্তি।
যথা সতঃ পুরুষাৎকেশলোমানি তথাক্ষরাৎ সম্ভবতীহ বিশ্বম্॥১৮

(মুণ্ডকোপনিষদ্)

মিনা মিরাংসু শাই অদুগা যোক্তুনসু চাথোকই, মতৌ অসুম্না মালেম পৃথিবীদা মখল মখাগী হিদাকশিং (মনামশিং) পোকই অদুগা অহিংবা মীগী মশাদগী শম-তু নচিংবা পোকই। মতৌ অদুগুম্না অদুগুম্না মাঙ্বা লৈত্রবা ব্রহ্মদগী জগৎ অসিদা লৈবিবা পোৎচৈ পুম্না পোকই।

স্বভাবমেকে কবয়ো বদন্তি কালং তথান্যে পরিমুহ্যমানাঃ।
দেবস্যৈষ মহিমা তু লোকে, যেনেদং ভ্রাম্যতে ব্রহ্মচক্রম্॥১৯

(শ্বেতাশ্বতরোপনিষদ্)

অখণ্ড্ অহৈ কযানা স্বভাবপু অদুগা মীওই কয়া অমনা মতম কৌবা 'কাল' বু জগৎকী মবমনি হায়না হায। অসুন্না হাযনাবিবা পুম্বসি ভ্রমদা লৈবা ঙাক্তনি। অসিগুম্বা ব্রহ্মচক্র অসিবু লৈহাল্লবসি সংসার পুম্বা শিননা থুংনা লৈবিবা ঈশ্বরগী মতিক মগুন্নান।

স যশ্চায়ং পুরুষে যশ্চাসাবাদিত্যে স একঃ।২০ *(তৈত্তিরীয়োপনিষদ্)*

পুরুষ অসিদা অমদি আদিত্য দা লৈবিবা মহাক অদু অমত্তনি।

যৎপরং ব্রহ্ম সর্ব্বাত্মা বিশ্বস্যায়তনং মহৎ।
সূক্ষ্মাৎসূক্ষ্মতরং নিত্যং স ত্বমেব ত্বমেব তৎ॥২১

পূম্নমক্কী আত্মা ওইরিবা, সংসারগী তুংনাফম ওইবনা কুপ্পা (সূক্ষ্ম) দগীসু কুপ্পবা অমদি নিত্য ওইবনা অদু নহাকমক্তি, নহাক অসি মদুমক্তি

ব্রহ্মোড়ুপেন প্রতরেত বিদ্বান্ স্রোতাংসি সর্ব্বাণি ভয়াবহানি॥২২

ব্রহ্মগী মশক ওইবনা তিংগী মতেংনা গুনীশংনা অকিবগা মশক ওইবনা তুবেলশিংবু লানবা ঙমই।

স ব্রহ্মা স শিবঃ সেন্দ্রঃ সোঽক্ষরঃপরমঃ স্বরাট।
স এব বিষ্ণু স প্রাণঃ স কালোঽগ্নিঃ স চন্দ্রমাঃ॥২৩

(কৈবল্যোপনিষদ)

মহাকমক্তা ব্রহ্মানি, মহাকমক্তা শিবনি, মহাকমক্তা ইন্দ্রনি, মহাকমক্তা অক্ষর মাঙনা লৈত্রবা পরমাত্মানি। মহাকমক্তা বিষ্ণুনি, মহাকমক্তা কালনি, মহাকমক্তা অগ্নিনি অমসুং মহাকমক্তা চন্দ্রমা (থা) নি।

একৈব মায়া পরমেশ্বরস্য স্বকার্য্যভেদাদ্ভবতি চতুর্দ্ধা।
ভোগে ভবানী,সমরে চ দুর্গা. ক্রোধে চ কালী, পুরুষে চ বিষ্ণুঃ॥২৪

ভগবানগী অমত্তা ওইববা মায়া অসি থবক খেন্নবগী মবন্না মথল মারি থোকই। ভোগকালদা মাবু ভবানী, লানদা মাবু দুর্গা, অশাউবগী ফিভমদা মাবু কালী অমসুং নুপাগী মওংদা মাবু বিষ্ণু হায়না কৌই।

জলে বিষ্ণুঃ স্থলে বিষ্ণুর্বিষ্ণুঃ পর্ব্বতমস্তকে।
জ্বালামালাকুলে বিষ্ণুঃ সর্ব্বং বিষ্ণুময়ং জগৎ॥২৫

ঈশিংদসু, কংফালদসু, চিংদোন্দসু অমদি মৈগী মৈবাল্লা কোয়াশল্লবা মফমশিংদসু মফম খুদিংদা বিষ্ণুনা শিন্থুংনা লৈ। সংসার পুম্নমক বিষ্ণুময়নি।

যচ্চক্ষুষা ন পশ্যতি যেন চক্ষুংষি পশ্যতি।
তদেব ব্রহ্ম ত্বং বিদ্ধি নেদং যদিদমুপাসতে ॥২৬ *(কেনোপনিষদ্)*

মীৎনা উগে তাযবরসু উবা ফংদবা অদুগা মাগী মতেংনা মীৎনদি উবা ঙম্মবা অমত্তা ভাইবনা ব্রহ্মদনু খঙভু। মযাম্না সিদা নীংনবিবা (উপাসনা) তৌনবীদ নত্তে।

হিরন্ময়ে পরে কোশে বিরজং ব্রহ্ম নিষ্কলম্।
তচ্ছুভ্রং জ্যোতিষাং জ্যোতিস্তদ্যদাত্মবিদো বিদুঃ ॥২৭ *(মুণ্ডকোপনিষদ্)*

অমোংপা পাক্লবা ১াদ শকফম লৈত্রবা ব্রহ্মাদি মঙানগী মশক ওইবা পনমকোশতা লৈ। মহাক শেংলবা অমদি মঙালগী মশক ওইবা পোৎ থাদিমকপু খাঙ্খোকহল্লবনি। মাবু শুপ্পগী আত্মাজ্ঞানীশিংনা খঙই।

নিত্যো নিত্যানাং চেতনশ্চেতনানামেকো বহূনাং যো বিদধাতি কামান্।
তমাত্মস্থং যেঽনুপশ্যন্তি ধীরাস্তেষাং সুখং শাশ্বতং নেতরেষাম্ ॥২৮
(কঠোপনিষদ্)

চংলক্লবশিংগীসু অরেপ্পা ওইবিবা চেতনা ওইবিবশিংগীসু চেতন ওইবা যামসং মতৌমতনা লৈবিবা জীব মযামসিগী অপাম্বশিংবু বিধান তৌবিরিবা মশা মশাগী থম্মোয়দা লৈবিবা পরমাত্মাবু মতম পুম্মনক্তা উজবা ঙম্বা জ্ঞান লৈবা মীওইশিংগা অতোপ্পা লেপ্পদবা নুং ভাইবদু ফংই, অতৈ অতোপ্পনা ফংলোই।

একো বশী সর্ব্বভূতান্তরাত্মা একং রূপং বহুধা যঃ করোতি।
তমাত্মস্থং যেঽনুপশ্যন্তি ধীরাস্তেষাং সুখং শাশ্বতং নেতরেষাম্।২৯
(কঠোপনিষদ্)

থবাম পানবাশিংগী থম্মোয়নুংদা লৈবিবা আত্মা ওইবিবা মহাক অদু মানা শুদে অমসুং পুম্মমকপু খুদম চন্দুনা থম্মী অমসুং অমত্তা ওইবিবা মশকপু মখাল কয়া পোক্লা উহাল্লি। অসিগুম্বা মাগী থম্মোয়নুংদা লৈবিবা পরমাত্মাবু উত্তম শম্নদা উবা লৌবিবা জ্ঞানীশিংদনা লেপ্পদবা নুং ভাইবদু ফংই, অতৈ অতোপ্পনাদি ফংদে।

আত্মৈব দেবতা সর্ব্বাঃ সবর্বমাত্মন্যবস্থিতম্।
আত্মা হি জনয়ত্যেষাং কর্ম্মযোগং শরীরিণাম্॥ ৩০ *(মনু)*

লাই পুম্নমক আত্মাগী মশক্তি, লৈবিবা পুম্না আত্মাদা লৈবিবনি। আত্মামক্তা হকচাং পুবিবশিংগী কর্ম্মযোগ শেম্মী। (তৌগদবা থবক মযাম অদু শেম শাই)।

জ্যোতিরাত্মনি নান্যত্র সমং তৎসর্ব্বজন্তুষু।

স্বয়ং চ শক্যতে দ্রষ্টুং সুসমাহিতচেতসা॥ ৩১ *(ব্যাস)*

ব্রহ্মগী মঙালসি ইশাদা যাওজবি, অতোপ্পদা তোঙাম্না লৈতে। মদু জীবপানবা খুদিংমক্তসু চপ মান্নে। মীওইবনা পূক্লিংবু নীংথিজনা ঈংথহল্লগা অমদি লেঙতন্দনা থল্লগা মদুগী (পূক্লিং) মতেংত্না মাবু উবা ঙম্মী।

অচিন্ত্যং ব্রহ্ম নির্দ্বন্দ্বমৈশ্বরং হি বলং মম॥৩২ *(মহাভারত)*

অচিন্ত্য (খনবদা যৌঙমদ্রবা), নির্দ্বন্দ্ব (অনিথোক্তনা, ঐশ্বর্যাবান্ (মতিক মগুন্না তিল্লবা) ব্রহ্মতনা ঐগী পাঙ্গলনি।

নাবিরতো দুশ্চরিতান্নাশান্তো নাসমাহিতঃ।

নাশান্তমানসো বাপি প্রজ্ঞানেনৈনমাপ্নুয়াৎ॥ ৩৩ *(কঠোপনিষদ্)*

পবমাত্মা অসিবু কুপ্লবা বুদ্ধিগী মতেংনসু, ফৎতবা লমচৎ থাদোক্তবা মীনসু ফংবা ঙমদে, পূক্লিং লৈতাদ্রবা, ইন্দ্রিয় অমদি পূক্লিং ফাজিনবা ঙমদ্রবা মীদুনসু মাবু ফংবা ঙমদে।

ন চক্ষুষা গৃহ্যতে নাপি বাচা নান্যৈর্দেবৈস্তপসা কর্ম্মণা বা।

জ্ঞানপ্রসাদেন বিশুদ্ধসত্ত্বস্ততস্তু তং পশ্যতে নিষ্কলং ধ্যায়মানঃ॥৩৪

(মুণ্ডকোপনিষদ্)

অদুগুম্না পবমাত্মা অদুবু মীৎনসু লৌশিনবা ঙমদে, ব্রাহৈনসু ১দি অতোপ্পা ইন্দ্রিযশিংনসু লৌশিনবা ঙমদে। তপ অমসুং অথোইবা কর্ম্মনসু ফংবা ঙমদে। থোইদোক্লা শেংলবা থম্মোয ওইববা মীওইতনা মশাগী থোইদোক্লা শেংলবা থম্মোযনা তত্তনা মহাকপু ধ্যান তৌজবগা অমকপা লৈব্রবা জ্ঞানগী মতেংনা মশক মওং লৈব্রবা পবমাত্মা অদুবু উজবা ফংজে।

তিলেষু তৈলং দধনীব সর্পিরাপঃ স্রোতঃস্বরণীযু চাগ্নিঃ।

এবমাত্মাঽত্মনি গৃহ্যতেঽসৌ সত্যেনৈনং তপসা যোঽনুপশ্যতি॥৩৫

(শ্বেতাশ্বতরোপানষদ্)

থোইহাদিং মকদা থাউ যাওবগুম, দহীদা ঘী যাওবগুম, ঙচেলদা ঈশিং যাওবগুম অমসুং অরণিশিংদা মৈ লোতুনা লৈবগুম পরমাত্মা অসি মশা মশাগী থম্মোয়নুংদা লোত্তুনা লৈবি। তপ অমসুং সত্যগী মতেংনা মাবু তত্তনা ধ্যান তৌজবা মীদুনা মাবু ফংবা ঙমজে।

অণোরণীয়ান্মহতো মহীয়ানাত্মা গুহায়াং নিহিতোঽস্য জন্তোঃ।

তমক্রতুং পশ্যতি বীতশোকো ধাতুঃ প্রসাদান্মহিমানমীশম্॥৩৬

(শ্বেতাশ্বতরোপনিষদ্)

কুপ্পদগী কুপ্পবা, চাউবদগী চাউববা পরমাত্মা অসি জীবগী অবোনবা থম্মোয়গী মশক ওইরবা কুহ অসিদা যাওরি। পুম্নমকপু শেম্লীবা পরমাত্মাগী কৃপাদগী সঙ্কল্প লৈত্রবা পরমাত্মা অমসুং মাগী মগুণবু উবা ফংজববা মহাক অদু মখল খুদিংগী অৱাবশিংদগী কোকচে।

তমঃ পরিগতং বেশ্ম যথা দীপেন দৃশ্যতে।

তথা বুদ্ধিপ্রদীপেন শক্য আত্মা নিরীক্ষিতুম্॥৩৭ *(মহাভারত)*

অমম্বনা শিম্লুংলবা ইমুংবু থাউমৈগী মঙাল্লা ঙাম্মোকহন্দুনা উহনবগুম বুদ্ধিগী মশক ওইববা থাউমৈগী মতেংনা অজ্ঞাননা কুপশিল্লবা আত্মাবু উবা ঙম্মী।

উভাভ্যামেব পক্ষাভ্যাং যথা খে পক্ষিণাং গতিঃ।

তথৈব জ্ঞানকর্ম্মাভ্যাং প্রাপ্যতে ব্রহ্ম শাশ্বতম্॥৩৮(মহর্ষি হারীত)

আকাশতা উচেকশিংনা মশা অনিগী মতেংনা পাইবগুম জ্ঞান অমসুং কর্ম্মগী মতেংনা শাশ্বত ওইববা ব্রহ্মবু ফংবা ঙম্মী।

সর্ব্বভূতস্থমাত্মানং সর্ব্বভূতানি চাত্মনি।

সম্পশ্যন্ ব্রহ্ম পরমং যাতি নান্যেন হেতুনা॥৩৯ *(কৈবল্যোপনিষদ্)*

আত্মাবু থৱাইপানবা পৃম্বগী মনুংদা অদুগা থৱায়পানবা পুম্ববু আত্মাদা উবা ঙম্বা মহাক অদুনা পরমব্রহ্মবু ফংবা ঙম্মী। অতৈ অতোপ্পা উপায় অমতনা মাবু ফংবা ঙমদে।

সর্ব্বভূতস্থমাত্মানং সর্ব্বভূতানি চাত্মনি।

ঈক্ষতে যোগযুক্তাত্মা সর্ব্বত্র সমদর্শনঃ॥৪০ *(গীতা)*

মতম পুম্বদা মান্নবা মিৎয়েং থম্লিবা, যোগনা তিল্লবা (যোগবু ঙাক্লিবা) মীওই অদুনা জীব পুম্বদা আত্মাবু অমসুং আত্মাদা জীব পুম্ববু উবা ঙম্মী।

অজ্ঞস্য দুঃখৌঘময়ং জ্ঞস্যানন্দময়ং জগৎ।

অন্ধভূবনমন্ধস্য প্রকাশং তু সুচক্ষুষাম্॥ ৪১ *(বরাহোপনিষদ্)*

মমিৎতাংবা মীগীদমক্তি সংসাব অসি অমঙ্গগী মশক ওইবগুম অদুগা মমিৎ উবা মীশিংগীদি অঙানবগী মশক ওইবগুম অজ্ঞানীশিংগীদি সংসাব অসি অৱাবনা থল্লবা অদুগা জ্ঞানীশিংগীদি নুংঙাইবগী মশক্কি।

চিত্তমেব হি সংসারস্তৎপ্রয়ত্নে ন শোধয়েৎ।

যচ্চিত্তস্তন্ময়ো মর্ত্যঃ গুহ্যমেতৎ সনাতনম্॥৪২

(মৈত্রেয়ী উপনিষদ্)

পূক্লিং হাযবাসিমক সংসাবনি, মবম অদুনা মসিবু গাম্না কয়া হোৎনদুনা শেংনবা তৌগদনি। পূক্লিং-পূক্লিংগী মতুংইন্না মী ওইবগী মশক ওই। মসি সনাতন ওইবা বহস্য (অথুপ্পনি)।

সমাসক্তং যদা চিত্তং জন্তোর্বিষয়গোচরম্।

যদ্যেবং ব্রহ্মণি স্যাত্তৎকো ন মুচ্যেত বন্ধনাৎ॥ ৪৩

(মৈত্রেয়ী উপনিষদ)

ইন্দ্রিয়শিংগী বিষয়দা পূক্লিং অদুক লূপ্লিবা মতিক ব্রহ্মগী ৱাখলদা লূপ্লবাদ সংসাবগী বন্ধনদগী কোক্লোইদবা কনা লৈবগে?

অয়ং নিজঃ পরো বেতি গণনা লঘুচেতসাম্।

উদারচরিতানাং তু বসুধৈব কুটুম্বকম্॥৪৪

মসিনা এগীনি, মদুনা মাগীনি হাযবা ৱাখল অসি অতোনবা অমদি অপীকপা পূকচেল চেনবা মীগী ৱাখলনি পূকচেল চাউবা মীশিংগীদি সংসাব পুম্বসি ইমুং-মনুং অমতগা মান্নে।

মাতা চ কমলাদেবী পিতা দেবো জনার্দনঃ।

বান্ধবা বিষ্ণুভক্তাশ্চ স্বদেশো ভূবনত্রয়ম্॥৪৫ *(চাণক্য)*

লক্ষ্মী দেবীনা ঐগী ইমানি, ভগবান বিষ্ণুনা ঐগী ইপানি, ভগবানগী ভক্তশিংনা ঐগী ইচিন ইনাও অমদি মকপ মপাংনি, মবোল অহুম্না ঐগী ইবৈবাক্নি।

লাভস্তেষাং জয়স্তেষাং কুতস্তেষাং পরাজয়ঃ।

যেষাং হৃদিস্থো ভগবান্মঙ্গলায়তনো হরিঃ॥৪৬

মাগী থম্মোযদা মঙ্গলগী মশক ওইববা ভগবানগী লৈববদা মফম খুদিংদা লাৰ্ভনি অমসুং মফম খুদিংদা মাগী জয ওই। মখোযগী (অসিগুম্বা মাশিংগী) কৈদৌনুংদা মাৰ্যথিবা ওইদে।

বহুনাত্র কিমুক্তেন স এব জগতঃ পতিঃ।
স কর্ত্তা চ বিকর্ত্তা চ সংহর্তা চ হৃদি স্থিতিঃ॥ ৪৭ *(বিষ্ণুপুরাণ)*

কয়া যাম্না অমুক হাযদ্রনা জীব পুম্নগী থম্মোযদা লৈবিবিবা মতাক্তনা সংসারগী মপুনি, কর্ত্তানি, পালকনি অমাদ সংহারকনি।

কঃ কেন হন্যতে জন্তুর্জন্তুঃ কঃ কেন রক্ষ্যতে।
হন্তি রক্ষতি চৈবাত্মা হ্যসৎসাধু সমাচরন্॥৪৮॥ *(বিষ্ণুপুরাণ)*

কবম্না জীববু কনানা হাৎপগে অদগা কনাবু কনানা ঙাক শেনবীবগে? অফবা অমসুং ফত্তবা কর্ম্মনা মশানা মশাবু ঙাকচৈ অমসুং মশাবু মাঙতঈজে।

কর্মণা জাযতে সর্ব্বং কর্মৈব গতিসাধনম্।
তস্মাৎসর্বপ্রযত্নেন সাধু কর্ম সমাচবেৎ॥৪৯ *(বিষ্ণুপুরাণ)*

কর্ম্মগী মতুং ইন্না জীব পুম্না পোকই অমসুং কর্ম্মনা মখোযগী অফ-ফত্তগী মওং (ফিভম, খোঙচৎ) ওইনবগী পাম্বৈনি। অদুনা যাম্না চেকশিন্না অফবা থবক্তনু তৌগদবনি।

জীবন যাত্রা (পুন্সি খোঙচৎ)

একঃ প্রজায়তে জন্তুবেক এব প্রলীয়তে।
একোঽনুভুঙক্তে সুকৃতমেক এব চ দুস্কৃতম্॥৫০ *(মনু)*

জীবনা সংসারদা মততানতা লাকই অমগা মতোমতা চৎখি। মহাক্না মতোমতা পাপ পুণ্য (অফ ফও) গী মতযদু চাজে।

যথা কাষ্ঠং চ কাষ্ঠং চ সমেয়াতাং মহার্ণবে।
সমেত্য তু ব্যপেয়াতাং কালমাসাদ্য কশ্চন॥
এবং ভার্যাশ্চ পুত্রাশ্চ জ্ঞাতয়শ্চ বসূনি চ।
সমেত্য ব্যবধাবন্তি ধ্রুবো হ্যেষাং বিনাভবঃ॥৫১॥ *(রামায়ণ)*

অপাকপা ঈপাক সমুদ্রদা তাউদুনা চৎলিবা উকক্লা অতোপ্পা অমগা তিন্নবগা মতম খবা পূন্না লৈমিন্নববা তুংদা অমুক তোঙাল্লা তাখিবগুম নুপী, ইচা-ইশু, মক্নপ-মপাং, শাগৈ-নাতে অমসুং লম্থুম পূম্বা মতম শবগী তিন্নবন্নগা কদায কদাযদনো খঙ্‌দনা চৎখি, হায়রিবা মযাম পূম্বসিদগী কাযনবা হাযবসিদি শোযদ্রবনি।

অস্মিন্ মহামোহময়ে কটাহে সূর্য্যাগ্নিনা রাত্রিদিনেন্ধনেন।
মাসর্ত্তুদর্বী পরিঘট্টনেন ভূতানি কালঃ পচতীতি বার্ত্তা॥৫২

(মহাভারত)

কাল কৌবা লাইনা অসিগুম্বা মহামোহগী মশক ওইববা খাংজাও অসিদা জীব পূম্ববু হাপ্লগা নুমিৎকী মশক ওইববা মৈ অমসুং অহিং-নুংথিলগী মশক ওইববা শীংগী মৈশাদা অদুগা থা, ঋতুগী মশক ওইববা খাবৈনা নীংথিনা ফজনা ওৎন-ওৎলদুনা থোংলি, মর্সিনি সংসাবগী থোইদোকপা ৱাফম হাযববু।

অহোরাত্রাণি গচ্ছন্তি সর্ব্বেষাং প্রাণিনামিহ।
আয়ুষি ক্ষপয়ন্ত্যাযু গ্রীষ্মে জলমিব শবঃ॥৫৩ *(বামাযণ)*

অহিং অমসুং নুংথিলনা নোংম-নোংমগী অসুম অসুম চৎখিদুনা জীব খুদিংগী পুন্সিবু কালেলগী মতমদা নুমিৎকী মঙাল্লা ঈশিংবু কংহনবগুম থুনা থুনা তেনশিনহল্লি।

আয়ুস্তে হীয়তে যস্য স্থিতস্য চ গতস্য চ ॥ ৫৪ *(বামাযণ)*

চৎকে চৎলু, ফমগে ফম্মু, জীব খুদিংগী পুন্সিদি মযেং অসুম তাখে।

সহৈব মৃত্যুর্ব্রজতি সহমৃত্যুর্নিষীদতি।
গত্বাসুদীর্ঘমধ্বানং সহ মৃত্যুর্নিবর্ততে॥৫৫॥ *(বামাযণ)*

মৃত্যুনা মীওইবগা লোযননা চৎলি, লোয়ননা ফম্মী, লাপ্পা চৎলবসু থাদোক্কে অদুগা লোযননা চৎলুবগা লোযননা অমুকসু হনম্মিন্নবকই।

হৃষ্যন্ত্যৃতুমুখং দৃষ্ট্বা নবং নবমিবাগতম্।
ঋতূনাং পরিবর্তেন প্রাণিনাং প্রাণসংক্ষয়ঃ ॥৫৬ *(বামায়ণ)*

বসন্তনচিংবা অনৌ অনৌবা ঋতুশিংবু উবগা মীওইবনা হনাওই। অদুবু ঋতু মযাম হোংবসিনা থব্রায পানবশিংগী পুন্সিদি মযেং অসুম তাই। মসিবু মখোযনা খঙ্‌জদে।

নাত্মনঃ কামকারোঽস্তি পুরুষোঽয়মনীশ্বরঃ।
ইতশ্চেতরতশ্চৈনং কৃতান্তঃ পরিকর্ষতি॥৫৭॥ (রামায়ণ)

মীওইবনা অনীংবা মতৃংইন্না কাবিসু তৌবা ঙমদে মবমদি মহাক্তি মীখা পোল্লি। কাল কৌবা লাইনা মাবু কোযচিং চিংদুনা লৈ। (মানা তৌনিংবতা তৌইহল্লি)।

চেতোহরা যুবতয়ঃ সুহৃদোঽনুকূলাঃ সদ্বান্ধবাঃ প্রণয়গর্ভগিরশ্চ ভৃত্যাঃ।
গর্জন্তি দন্তিনিবহাস্তরলাস্তুরঙ্গাঃসম্মীলনে নয়নয়োর্ন হি কিঞ্চিদস্তি॥

(বিক্রমাদিত্য)

শকহেল্লবী নুপীশিং কন্যাসু নাত্তে (লৈ), চান্নবা মকপশিংসু য়াত্তে, অফবা মবী মতাশিংসু য়াত্তে অদুগা নুংশিবা য়াওঙ গ্রাঙবা মীনাই মীশনসু যান্না লৈ লোয়ননা শান্নশিংসু খোংদুনা লৈব, খোঙজেল যাংলবা শগোলশিংসু খোংদুনা লৈবি হায়বদি নুংঙাই যাইফবা অমদি হবাও-ওয়াম্বগী পোৎতি অমত্তা য়াত্তনা লৈজববসু মিৎ হেক উটশিনখিবদা (শিবদা) ঐগীনি হায়বা কবিমত্তা লৈতে।

আক্রান্তং মরণেন জন্ম জরসা চাত্যুত্তমং যৌবনং
সন্তোষো ধনলিপ্সয়া শমসুখং প্রৌঢাঙ্গনা-বিভ্রমৈঃ।
লোকৈর্মৎসরিভির্গুণা বনভুবো ব্যালৈর্নৃপা-দুর্জনৈ-
রস্থৈর্যেণ বিভূতযোঽপ্যপহতা গ্রস্তং ন কিং কেন বা॥৫৯॥

(বৈরাগ্যশতক)

পুন্সিবু অশিবনা, মথোং কাববা যৌবনবু অহল ওইবনা, অপেনববু লনগী খৌবাংবনা, ঈংবা ত্রপ্পা নুংঙাইবব্ নুপীশিংগী মীৎযেং নাযেংনা, গুণনশিংবু কল্লক যেংথিবশিংনা, বনগী লমদমবু লিনশিংনা, নিংথৌশিংবু মতুবা মীওইশিংনা অমসুং লন্থুমবু পল্লেপুবা মতৌনা খুদুম চন্দুনা ফাদুনা খল্লি। মতৌ অসুন্না কনানা কনাবু লাকশিন্দুনা থমদবগে?

মৃত্যো মহ্বাজবার্জাণা বিপন্না কিং বিপত্তয়ঃ।
সামাসা নিশিন্তাঃ কিং কা ত্রসয়ান্তি যদমী জনাঃ॥৬০ (ভোজ)

[illegible] হবাও [illegible] আশবা
[illegible] অবানা

হায়বদুসু অৱাবা তাগ্রৱা? অদুগা লায়না ময়ামসিবু কনাগুম্বনা ফাজিন-পুনশিন্দুনা থমগ্রৱা? হায়বদি সংসার হায়বসি অশিবা, অনাবা, হনুবগী মতম, খুদোংথিবা অমদি লায়না ময়াম্না খাং কৌইদুনা লৈবনা তশেংনা হায়রবদি মীকুপ অমা ফাওবা নুংঙাইবগী ৱাফম লৈতে।

যথাঽগারং দৃঢ়স্থূণং জীর্ণং ভূত্বোপসীদতি।
তথাবসীদন্তি নরা জরামৃত্যুবশংগতাঃ॥৬১॥ *(রামায়ণ)*

কল্লবা নুং য়োংকী মখোঙনা শারবা য়ুম ফাওবা মল্লক্রগা নীংখায়রকপগুম মীওইবসু অহল ওইবা অমসুং অশিবগী মখয়াৎতা তাদুনা মাঙই।

যথা ফলানাং পক্কানাং নান্যত্র পতনাদ্ভয়ম্।
এবং নরস্য জাতস্য নান্যত্র মরণাদ্ভয়ম্॥ ৬২ *(রামায়ণ)*

অমুনবা উহৈশিংনা কেল্লক্নি হায়বগী ৱাখল নত্তনা অতোপ্পা অকিবা অমত্তা লৈতবগুম সংসাবদা পোক্লবা মীওইবা অমদি জীবশিংগীসু শিগনি হাযবসিদগী হেনবা অতৈ কিনিংঙাই পোৎ অমা লৈত্রে।

অভিবাদনশীলস্য বৃদ্ধসেবারতস্য চ।
আয়ুর্যশো বলং বুদ্ধির্বর্দ্ধতেঽহরহোঽধিকম্॥৬৩

অভিবাদনশীল ওইবা হাযবদি নোল্লুকপা অমদি লমচৎ ফজবা অমসুং অহল লমনগী সেবাদা থৱায় য়াওবা মীদুগী পুন্সি, মীংচৎ, পাঙ্গল অমসুং বুদ্ধি-মখোয়শিংসি নুমিৎ খুদিংগী হেনগৎলি।

দ্রব্যাণি-ভূমৌ পশবশ্চ গোষ্ঠে ভার্য্যা গৃহদ্বারি জনাঃ শ্মশানে।
দেহশ্চিতায়াং পরলোকমার্গে ধর্ম্মানুগো গচ্ছতি জীব একঃ॥৬৪

মীওইবগী লন্থুম পৃন্বা পৃথিবী মনুংদা ফুমদুনা লৈহৌই, শা-মণশিংনা শঙ্গোন্দা পুন্দুনা লৈহৌই, নুপীনা থোঙজিন্দা লেপ্পুনা লৈহৌই, মৱূপ-মপাংনা মোংফম ফাওবা অদুগা হকচাংনা কৃ ফাওবদং লোয়নননা চৎলি। পবলোক্কী লম্বীদদি সুপ্নগী ধর্ম্মগা লোযননা জীবনা মতোমতা চৎলি।

যাবৎস্বস্থমিদং কলেবরগৃহং যাবচ্চ দূরে জরা
যাবচ্চেন্দ্রিয়শক্তিরপ্রতিহতা যাবৎক্ষয়ো নায়ুষঃ।
আত্মশ্রেয়সি তাবদেব বিদুষা কার্য্যঃ প্রয়ত্নো মহান্
প্রোদ্দীপ্তে ভবনে চ কূপখননং প্রত্যুদ্যমঃ কীদৃশঃ॥ ৬৫

(বৈরাগ্যশতক)

হকচাংগী মশক ওইববা য়ুমসিনা ফবিণ্ডে, অহল মতম্না লাপ্পা লৈবিণ্ডে, ইন্দ্রিয়শিংদা পাঙ্গল লৈবিণ্ডে, পুন্সিগী মতম্না লৈবিণ্ডে অশিংবা মীনা মশাগী ফননবগীদমক ঙস্মিবমখৈ হোৎনগদবনি। নত্তদুনা য়ুমদা মৈ চাক্লবা কান্দা গুহা তৌনবা হোৎনবনা কবি কান্নগনি।

বয়সঃ পতমানস্য স্রোতসো বাহনিবর্তিনঃ।
আত্মা সুখে নিয়োক্তব্যঃ সুখভাজঃ প্রজাঃ স্মৃতাঃ॥৬৬

(রামায়ণ)

তুবেলগী ঈচেলনা মখাবোম্নদা চেন্থববা তুংদা হল্লক্তবগুম পুন্সিসু অসুম চৎখি অমুক হল্লক্তে। মবম অদুনা আত্মাগী নুংঙাইবা ফংনবগী উপায থিদুনা লৈগদবনি। জীবশিংসি নুংঙাইবা ফংবা পান্না জাৎনি হায়না হায়নৈ হায়বদি মীওইবগী পুন্সি হায়বসি নুংঙাইবা ফংননবগীদমক্তনি।

আয়ুষঃ ক্ষণ একোঽপি ন লভ্যঃ স্বর্ণকোটিভিঃ।
স চেন্নিরর্থকং নীতঃ কা নু হানিস্ততোঽধিকা॥৬৭ *(চাণক্য)*

পুন্সিগী মীকুপ অমা হায়বসি সনাগী ময়েক কোটি কযা পীববসু ফংবা ঙমদে। মসিনা অৱেম্বদা মাঙত্রবদি মসিদগী হেন্না অমাঙবা কবি ওইগনি।

প্রথমে নার্জ্জিতা বিদ্যা দ্বিতীয়ে নার্জ্জিতং ধনম্।
তৃতীয়ে নার্জ্জিতং পুণ্যং চতুর্থে কিং করিষ্যতি॥৬৮ *(চাণক্য)*

পুন্সিগী অহানবা শকক্তা (অঙাং ওইরিবিণ্ডে) মহৈ তমহৌদ্রবা, অনিশুবা শকক্তা (য়ুবাবস্থা) লন তানহৌদ্রবা অদুগা অহুমশুবা শকক (অহল ওইববা) দা পুণ্য তালহৌদ্রবা মানা মবিশুবা শকক্তা (শিবমদাইদা) কবি তৌগনি"

ন ধর্ম্মকালঃ পুরুষস্য নিশ্চিতো,ন চাপি মৃত্যুঃ পুরুষং প্রতীক্ষতে।
সদা হি ধর্ম্মস্য ক্রিয়ৈব শোভনা, যদা নরো মৃত্যুমুখেঽভিবর্ত্ততে।৬৯

(মহাভারত)

মীওইবগী ধর্ম্মগী থবক পাঙথোক্লবগী অকক্লবা মতম অবেপ্পা লৈতে অদগা অশিবনসু মী অমনা ধর্ম্মগী থবক পাঙথোক্লি হায়দুনা ঙাইরিবিয়ু যাদে। মী ওইবনা তত্তনা অশিবগী খযাত্তা চেনশিল্লি। মবম অসিনা মতম পুন্নদা ধর্ম্মগী [illegible] না অফবা অথোইবা থবক্লি।

উত্থায়োত্থায় বোদ্ধব্যং কিমদ্য সুকৃতং কৃতম্।
আয়ুষঃ খণ্ডমাদায় রবিরস্তং প্রযাস্যতি॥৭০ [illegible]

মীওইবনা নুংত্তিগী হৌগৎলকপগা ঐনা ঙসি করম্বা পুণ্যগী থবক তৌগ্রবগে হায়বসি খনগদবনি। মবর্মদি নুমিৎতি মানা মীওইবগী পুন্সিগী মচেৎ অমা পুবগা তাখিগনি।

যাবৎস্বস্থমিদং বর্ম্ম যাবন্নেন্দ্রিয়বিক্লবঃ।
যাবজ্জরা চ দূরেঽস্তি তাবৎসৌখ্যং প্রসাধয়েৎ॥৭১ *(স্কন্দপুরাণ)*

হকচাংসিনা কল্লিদুঙৈ, ইন্দ্রিয়শিংনা শোঙ্গদ্রিঙৈ, অহলগী মতম্না লাপ্লিঙৈ, মতমদুদা নুংঙাইনবগী তৌবা যাবা কযা তৌহৌগদবনি।

ন ব্যাধয়ো নাঽপি যমঃ প্রাপ্তুং শ্রেয়ঃ প্রতীক্ষতে।
যাবদেব ভবেৎ কল্পস্তাবচ্ছ্রেয়ঃ সমাচরেৎ॥৭২ *(মহাভারত)*

লায়নাশিং নৎত্রগা অশিবনা কনা গুম্বগী মঙ্গল কল্যান প্রাপ্তিগী গীদমক ঙাইবিদে। মবম অদুনা মীওইবনা যাবিঙৈ/ঙল্লিঙৈ/কল্লিঙৈ মশাগী ফনবা/যাইফনবা তৌজহৌগনি।

দেহিনোঽস্মিন্ যথা দেহে কৌমারং যৌবনং জরা।
তথা দেহান্তরপ্রাপ্তির্ধীরস্তত্র ন মুহ্যতি॥৭৩ *(গীতা)*

হকচাং পুবিবা মীওইবনা ঐখোযগী হকচাং অসিদা অঙাং ওইবা, নহা ওইবা অমদি অহল ওইবগী মতৌগুম অতোপ্পা দেহসু অদুম ফংই। মবম অদুনা ব্রাফম অসিদা জ্ঞান লৈবা মীওইনা ঙক্কুনা শুঙ্কাৎতে।

জাতস্য নিয়তো মৃত্যুঃ পতনং চ তথোন্নতেঃ।
বিপ্রয়োগাবসানস্তু সংযোগঃ সঞ্চয়ঃ ক্ষয়ঃ॥
বিজ্ঞায় ন বুধাঃ শোকং ন হর্ষমুপয়ান্তি যে।
তেষামেবেতরে চেষ্টাং শিক্ষন্তঃসন্তি তাদৃশঃ॥৭৪ *(ব্রহ্মপুরাণ)*

পোক্লবদি শিবা শোইদ্রবনি, অরাংবা কাকুববদি মখাদা তানকপা শোইদ্রবনি। তিন্নকুববদি অপোইবদা খাইদোকপা নৎত্রগা কায়নবনি। তুংশিল্লুবনা মযেং তাদুনা লোইখিবা শোইদবনি। ব্রাফম অসিবু খঙলগা জ্ঞান লৈবা মীওইশিংনা হবাওবিদে নৎত্রগা অরাবনা খুদুম চন্দে অমদি অতোপ্পা মীশিংসু মাগী লমচত্তগী পাউতাক (ফিদম) লৌবগা চৎলি।

মহৈ য়াল্লবা পুন্সি

পরিবর্ত্তিনি সংসারে মৃতঃ কো বা ন জায়তে।
স জাতো যেন জাতেন যাতি বংশঃ সমুন্নতিম্॥৭৫ *(ভর্তৃহরি)*

অহোংবা নাইববা সংসার অসিদা কনানা পোক্কনগে অমদি কনানা শিদবগে হায়র্বদি পোকপগা শিবগা মথং মনাও ওইনা তৌদুনা চৎলি। তশেংর্বদি মীদুনা পোকপদগী শাগে অদু চাওখৎলর্বদি মহাক অদু পোকপগী মহৈ য়াল্লবনি।

স জীবতি গুণা যস্য ধর্ম্মো যস্য স জীবতি।
গুণধর্ম্মবিহীনস্য জীবনং নিস্প্রয়োজনম্॥৭৬ *(চাণক্য)*

তশেংনা হায়রবদা মী অদুগী গুণ অমদি ধর্ম্ম হিংলর্বদি মহাক অদু হিংলবনি হায়না কৌবা যাই হায়র্বদি মগুণ লৈববা অমসুং ধর্ম্ম খঙলবা মীদুগী পুন্সিদু অশেংবা পুন্সিনি। অদুনা গুণ ধর্ম্ম লৈত্রবা মী ওইবগী পুন্সিদু অবেন্বনি।

জীবন্তং মৃতবন্মন্যে দেহিনং ধর্ম্মবর্জিতম্।
মৃতো ধর্ম্মেণ সংযুক্তো দীর্ঘজীবী ন সংশয়॥৭৭ *(চাণক্য)*

ধর্ম্ম য়াওদবা মীদু হিংলবসু অশিবা মীনা পাংথরি হায়না লৌগদবনি। ধর্ম্ম লৈবা মীদি শিবগসু মতম কুইনা হিংদুনা (অমর ওইদুনা) লৈ, মসিদা সংশয় লৈতে।

বাণী রসবতী যস্য ভার্য্যা পুত্রবতী সতী।
লক্ষ্মীর্দানবতী যস্য সফলং তস্য জীবিতম॥৭৮

মাগী লোংনবীদনা মখোয়া খাইনুম্লবা ওইরিবী, সতী ওইরবী, সাধ্বী অমসুং মচা পোকপা অমদি লন্থুম দান তৌবদা পুক্নিং চংবী হায়র্বদি দান পরোপকার তৌরিবী নুপা হিংলবা পুন্সি অদুগী পুন্সিদু মহৈ য়াল্লবনি।

জননী জন্মভূমিশ্চ স্বর্গাদপি গরীয়সী।
ইমে সংসেবিতে যেন সফলং তস্য জীবনম্॥৭৯

ইমা অমসুং ইমাগী লৈবাক মাখাস। অনি অসি স্বর্গদগীসু হেন্না। অনিগী নুংশিনা মখোয় অনিগী লাংথিনা সেবা তৌবা হংজবা মীদুগী পুন্সিদু মহৈ য়াল্লবনি।

পণ্ডত্বমেব হি বরং লোকে লাঘববর্জিতম্।
ন মরত্বমপি শ্রেয়ো লাঘবেন সমন্বিতম্।

ত এব লোকে জীবন্তি পুণ্যভাজস্ত এব বৈ।
বিপদ্যপি ন গাম্ভীর্য্যং যচ্চেতোঽব্ধিঃ পরিত্যজেৎ॥৮০

(স্কন্দপুরাণ)

সংসাব অসিদা অতোপ্পা মীগী মমাঙদা যাম্না তোঙ্গদনা লৈদুনা হিংলগা শিবনা হেন্না ফৈ, যাম্না তোঙ্গবগা অমব ওইববস অদু অফবা নত্রে। সংসাবসিদা ভশেংনমক মথোযগী পাক্লংগী মশক ওইববা সমুদ্রদু অন্নাবা খুদোং থিবা ভাববা ফাওবদস লেঙ্গদনা ঈংনা। খম্না ভুল্লবা পূণ্য ফেল্লবা মীওইভনা হিংবা হায়বদু কৌই।

যত্র মলফলৈর্বৃক্ষাঃ পবকার্য্যং প্রকুর্ব্বতে।
মনুষ্যা যদি বিপ্রাগ্র্যা ন পবার্থাস্তদা মৃতাঃ॥৮১ (স্কন্দপুরাণ)

ব্রাহ্মণ অথোইবা উপাল ওইরম্বা মশাগী মতৌ মকুনা অতোপ্পগী কান্নবা তৌবদা মীওইবা। মাগী কান্নবা তৌদ্রবদি মনুষ্যদ শিংনবা...

জীবন্তোঽপি মৃতাঃ পঞ্চ ব্যাসেন পবিকীর্তিতাঃ।
দরিদ্রো ব্যাধিতো মর্খঃ প্রবাসী নিত্যসেবকঃ॥৮২

ব্যাসনা হায়খিবা মতুংইন্না লাইরবা মী, নাদুনা লৈবা মী, অপংবা মী, মীগমদা লৈবা মী অমদি মতম পুম্নমক মীগী মীনাই ওইববা মী মসিং মঙাসি হিংলবসু অশিবগা চপ মান্নববনি।

সাধুস্ত্রীণাং দয়িতবিরহে মানিনো মানভঙ্গে
সল্লোকানামপি জনরবে বিগ্রহে পণ্ডিতানাম্।
অন্যোদ্রেকে কুটিলমনসাং নির্গুণানাং বিদেশে
ভৃত্যাভাবে ভবতি মরণং কিন্তু সম্ভাবিতানাম্॥৮৩

মপুরোইবা কায়নবদা সত্রী ওইবী নুপীশিংগী, ইজ্জৎ মাঙলবদা ইজ্জৎ লৈবা মীশিংগা, মযামনা (মীনা) নিন্দা তৌনবনদা সজ্জনশিংগা, শাস্ত্রার্থদা মাযথিবা ফংলবদ পণ্ডিতশিংনা, মীনা নুংঙাই যাইফবা উবগা মপুক ফাল ফত্তবশিংনা, মীরেবাক্তা মগুণ লৈতবশিংনা অমদি অচৌ অশানা মীনাই মীশিং লৈত্রবতা অশিবগা পাচথকনি।

মানব-ধর্ম্ম (মীওইবগী ধর্ম্ম)

প্রসবার্থায় ভূতানাং ধর্ম্ম প্রবচনং কৃতম্।
যৎস্যাৎপ্রসবসংযুক্তং স ধর্ম্ম ইতি নিশ্চয়ঃ ॥৮৪॥ (ব্যাস)

থবাক্পানবশিংগী চাউখৎনবগী ধর্ম্মগী মরমদা প্রবচন (ব্রা ভাস্তবা) তৌনরিবনি অদুনা থবাক্পানবশিংগী চাউখৎনবগী মরম ওইবদু লেপ্লমক ধর্ম্মনি।

আনন্তো ন্যায়যুক্তো যঃ স হি ধর্ম্ম ইতি স্মৃতঃ।
অনাচারস্ত্বধর্ম্মেতি এতচ্ছিষ্টানুশাসনম্ ॥৮৫॥ (মহাভারত)

মশক্না অমাংবা থিল্লবা লমচৎ শাস্ত্রৎ তনু ধর্ম্মনি হায়না কৌই। ফত্তবা লমচৎ চৎনা অধর্ম্মনি হায়না ফাসিনা শিষ্ট পুরুষশিংনা উপদেশনি।

আচারলক্ষণো ধর্ম্মঃ সন্তশ্চাচারলক্ষণঃ ॥৮৬ (মহাভারত)

চৎনা শান্দনা ধর্ম্মগী লক্ষণনি অমসুং লমচৎ ফজবা হায়বসিনা অফোইবা অকনবা মীগী লক্ষণনি।

আচারহীনং ন পুনন্তি বেদাঃ ॥৮৭ বসিষ্ঠ সংহিতা)

লমচৎ ময়েংবা মীবু বেদাশিংনাসু শেংহনবা ঙম্মে।

একোঽপি বেদবিদ্ধর্ম্মং যং ব্যবসেদ্ দ্বিজোত্তমঃ।
স বিজ্ঞেয়ঃ পরোধর্ম্মো নাজ্ঞানামুদিতোঽযুতৈঃ ॥৮৮॥ (মনু)

বেদবু খঙবা অপোইবা বিপ্র অমনা লেপ্লা ধর্ম্ম অদু অখোংবা অফোইবা ধর্ম্মনি হায়না লৌগদবনি অদুবু অপঙবা লিশিং অমা পুল্লগা লেপ্লা বাকপা অদু ধর্ম্ম কৌবা য়াদে / ধর্ম্ম ওইবা য়াদে।

ধর্ম্মদানকৃতং সৌখ্যমধর্ম্মাৎ দুঃখসম্ভবম্।
তস্মাদ্ধর্ম্মং সুখার্থায় কুর্যাৎ পাপং বিবর্জয়েৎ॥
লোকদ্বয়েঽপি যৎসৌখ্যং তদ্ধর্ম্মাৎপ্রোচ্যতে যতঃ।
ধর্ম্ম এব মতিং কুর্য্যাৎ সর্ব্বকার্য্যার্থসিদ্ধয়ে।
মুহূর্ত্তমপি জীবেদ্ধি নরঃ শুক্লেন কর্ম্মণা।
ন কল্পমপি জীবেচ্চ লোকদ্বয়বিরোধিনা ॥৮৯

(স্কন্দপুরাণ)

ধর্ম্ম অমসুং দান তৌবনা নুংঙাই যাইফবা অমদি অধর্ম্মনা অৱাবা ফংই। মবম অদুনা নুংঙাইবা ফংননবগীদমক ধর্ম্মগী লমচৎ চৎকনি অমসুং পাপপু মতম পূম্বদা থাদোক্কনি। ইহলোক পবলোকতা ধর্ম্মতনা নুংঙাইবা ফংবা ঙম্মী হায়না হায়বি। মবম অদুনা অনিংবা অপাম্বা পূম্বা পাঙথোক্কবা (থুংহন্নবা) গীদমক ধর্ম্মদতা পূক্নিং চঙগদবনি। মীওইবনা অফবা থবক তৌবগা মুহূর্ত্ত (ঘডী)/পুংজা খব হিংবনা ফৈ, লোক-পবলোকতা যাদবা কায়দনা অকাইবা থবক তৌবগা কল্প অমা হিংবগী আশা তৌফদে।

অনিত্যানি শবীরাণি বিভবো নৈব শাশ্বতাঃ।
নিত্যং সন্নিহিতো মৃত্যুঃ কর্ত্তব্যো ধর্ম্মসংগ্রহঃ॥৯০ (চাণক্য)

মীওইবগী হকচাংসি অনিত্যনি, লম্বুমসু লেঙদনা লৈগদবা নত্তে, অমবোমদা অশিবসু ইনাক্তা লৈবিবনি, মবম অসিনা ধর্ম্মবু তানশিনগদবনি, তুংশিনগদবনি।

অজরামরবৎ প্রাজ্ঞো বিদ্যামর্থঞ্চ চিন্তয়েৎ।
গৃহীত ইব কেশেষু মৃত্যুনা ধর্ম্মমাচরেৎ॥৯১ (চাণক্য)

জ্ঞান লৈবা মীনা মশাবু শিহে নাহৈদবনি খন্দুনা মহৈ অমসুং লনবু তানগনি অদুগা মৃত্যু (অশিবা) না শম পাযদুনা লৈবিবনি হায়না খন্দনা ধর্ম্মগী থবক তৌগনি।

মৃতং শরীরমুৎসৃজ্য কাষ্ঠলোষ্ঠসমং ক্ষিতৌ।
বিমুখা বান্ধবা যান্তি ধর্ম্মস্তমনুগচ্ছতি॥৯২ (মনু)

শিববা হকচাংবু লৈতুম অমদি উতুপকুম্বা লৈবাক্তা/লৈমায়দা হুন্দোক্কম্লগা মবী-মতা, শাগৈ-নাতৈ পূম্বনা মমায় লৈথোক্লা চৎখি অদুবু শুপ্পগী ধর্ম্মদি মাগা লোযননা চৎমিন্নৈ।

অধার্ম্মিকো নরো যো হি যস্য চাপ্যনৃতং ধনম্।
হিংসারতশ্চ যো নিত্যং নেহাসৌ সুখমেধতে॥৯৩

অধর্ম্মী ওইবা হায়বদি ধর্ম্মগী লম্বীদা চত্তবা, অসত্য হায়বাদি নত্তবা ওইদবনা মাগী মবল ওইবিবা অমদি মতম পূম্বদা হিংসাদা লূপ্তুনা লৈবা হায়বদি হিংসা তৌদুনা পুন্সি লেনবা মহাক অদু সংসাব অসিদা নুংঙাইবা ফংদে।

যৎকর্ম্ম কুর্বতোঽস্য স্যাৎ পরিতোষোঽন্তরাত্মনঃ।
তৎপ্রযত্নেন কুর্ব্বীত বিপরীতং তু বর্জ্জয়েৎ॥৯৪ (মনু)

থবক অদু তৌবগা থম্মোযদা অপেনবা ফংলবদি মাংবু নীংথিনা থরায যাওনা তৌগদবনি। মসিগী ওয়াতেনবদা লৈবা থবক অদু তৌবোইদবনি।

মন্যন্তে বৈ পাপকৃতো ন কশ্চিৎ পশ্যতীতি নঃ।
তাংস্তু দেবাঃ প্রপশ্যন্তি স্বস্যৈবান্তরপুরুষঃ॥৯৫॥ (মনু)

পাপকী থবক তৌরিবশিংনা মখোযনা তৌবিবা পাপশিংদু কনানসু উদে হায়না খল্লি অদুবু লাইশিং অমদি মখোয়গী থম্মোয়গী মনুংদা লৈবিবা পুরুষ (আত্মা) না পাপশিংদুবু লোইনা উবি।

মদন্যেষাং হিতং ন স্যাৎ আত্মনঃ কর্ম্মপৌরুষম্।
অপত্রপেত বা যেন ন তৎকুর্য্যাৎ কথঞ্চন॥৯৬ (মহাভারত)

ঐগী তৌবা [illegible] মীযামগী যাইফনবা ওইদ্রবা নৎত্রগা থবক তৌবদা ইকাইবা ফাওহনবা অদুগুম্বা থবক কেদৌনুঙদা তৌবোইদবনি।

দৃষ্টিপূতং ন্যসেৎপাদং বস্ত্রপূতং জলং পিবেৎ।
সত্যপূতং বদেদ্‌ বাচং মনঃপূতং সমাচরেৎ॥৯৭ (চাণক্য)

মিৎনা [illegible] যেংলগা খোংথাং, [illegible] চুম্লগা ঙাশিং থক্কদবনি, [illegible] অশেংবনি [illegible] তৌগদবনি।

সর্ব্বং প্রিয়াভ্যুপগতং ধর্ম্মমাহুর্মনীষিণঃ।
পশ্যৈতং লক্ষণোদ্দেশং ধর্ম্মাধর্ম্মে যুধিষ্ঠির॥৯৮ (মহাভারত)

[illegible] লমাংদা অতোপ্পা মফমশিংদা [illegible] তৌই। ধর্ম্ম অমসুং অধর্ম্মগী [illegible] লক্ষণ (খুদম) দুসিনা উবিযু।

সর্ব্বাত্মনি সংপশ্যেৎসচ্চাসচ্চ সমাহিতঃ।
সর্ব্বং হ্যাত্মনি সংপশ্যন্নাধর্ম্মে কুরুতে মনঃ॥৯৯ (মনু)

সৎ অসৎ (অফ ফত্ত) খুদিংমক নশাগী আত্মাদা যেংজৌ। মতৌ অসুম্না পুম্নমক মাগী মনুংদা (থম্মোযদা) উবিবা মীদু অধর্ম্মদা পুক্নিং চঙশিনদে।

প্রত্যাখ্যানে চ দানে চ সুখদুঃখে প্রিয়াপ্রিয়ে।
আত্মৌপম্যেন পুরুষঃ প্রমাণমধিগচ্ছতি॥১০০ (মহাভারত)

অৰা নুংঙাই, অপাম-পামদ, দান-নিষেধ, মখোয় মযাম অসিগী ওইবা যাবা ৱাখল অসি ইশাগী মৰমদা চাংদম্নদুনা যেংলগা অতোপ্পগী মফমদসু তৌ হাযবদি ঐভোন্দা ৱাবদু মীভোন্দসু ৱাগনি, নুংঙাইবদু নুংঙাইগনি, ঐনা পাম্বদুমক মীসু পাম্নমগনি পামদবদুসু পাম্নগ্নোই অসিনচিংবা।

শ্রেয়শ্চ প্রেয়শ্চ মনুষ্যমেতস্তৌ সম্পরীত্য বিবিনক্তি ধীরঃ।
শ্রেয়ো হি ধীরোঽভিপ্রেয়সো বৃণীতে প্রেয়ো মন্দো
যোগক্ষেমাদ্ বৃণীতে॥১০১॥ (কঠোপনিষদ্)

শ্রেয (কল্যাণ) অমসুং প্রেয (প্রেয) অনিমক্তসি মীওইবগী মমাঙদা লাকই। জ্ঞান লৈবা মীনা মখোয় অনিগী মশকপু পরীক্ষা তৌবগা মখোযবু তোঙান তোঙান্না খঙদোকই। পৃক্তিং লৈতাববা অশিংবা মীশক অদুনা প্রেয (অপান্না নুংঙাইবা)গী মহুত্তা শ্রেয (অফবা, কান্নবা) তবু পামই। অপঙবা মীনা সংসারগী যোগক্ষেম (পুন্সিবু লেনবদা নংঙাইনবগী লমচম) গী বাখলদা প্রেযবু লৌই।

যথা যথা হি পুরুষঃ কল্যাণে কুরুতে মনঃ।
তথা তথাঽস্য সর্ব্বার্থাঃ সিধ্যন্তে নাত্র সংশয়ঃ॥১০২

(মহাভারত)

মীওইবনা মাগী পৃক্তিংবু অফবা থবকশিংদা লৌশিনবা মতমদা মাগী থবক পুম্বা পাঙথোকই, মসিদা চিংনবা লৈতে।

প্রাণিনামুপকারায যথৈবেহ পরত্র চ।
কর্ম্মণা মনসা বাচা তদেব মতিমান্ ভজেৎ॥১০৩ (পঞ্চতন্ত্র)

লোক অসিদা অমসুং পরলোকতা থবায়পানবাশিংগী কান্নবা ওইনা থবক অমা বুদ্ধিমান ওইবা মীনা পৃক্তিং তকচাং অমসুং থবক্তা মদুবু তৌগনি।

দুরাচারো হি পুরুষো লোকে ভবতি নিন্দিতঃ।
দুঃখভাগী চ সততং ব্যাধিতোঽল্পায়ুরেব চ ॥১০৪ (মনু)

লমচৎ ফত্তবা মীদু সংসার অসিদা মীনা নিংদা তৌনবা, মতম চুপ্পদা অৱাবা ফংবা, লাযনা চেনবা অমদি পুন্সি তেনবা ওই।

নাধর্ম্মশ্চরিতো লোকে সদ্যঃ ফলতি গৌরিব।
শনৈরাবর্তমানস্তু কর্ত্তুর্মূলানি কৃন্ততি॥১০৫ (মনু)

তৌখ্রবা পাপ হাযবসি লৈবাক্তা হুনগবা মকগুম্না [illegible] মহয পীদে, অদুব্ তপ্না তপ্না মহয় যানবগী মতম লাক্লগা তৌরুবা মীদুগী মক/মবা কককথৎলি।

যথা যথা নরঃ সম্যাগধর্ম্মমনুভাষতে।

সমাহিতেন মনসা বিমুচ্যতি তথা তথা॥১০৬

মীওইবনা মানা তৌরুবা ধর্ম্ম নত্তবা থনকশিংদুবু শেংনা শেংনা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মাগী পূক্নিং শেংলকই অমসুং ব্রাখল লেপ্না অধর্ম্মব থাদোবকই।

মঙ্গলাচারযুক্তানাং নিত্যং চ প্রযতাত্মনাম্।

জপতাং জুহ্বতাং চৈব বিনিপাতো ন বিদ্যতে॥১০৭

মতম পুম্নদা অফবা থবব তৌবিবশিংগী অমসুং পূক্নিংবু শুদুমনা থম্লিবশিংদগী অমদি জপ অমসুং হোম তৌবিবশিংগী কৈদৌনুংদা লৈখা তাবা ওইদে।

ভদ্রমেব বদেন্নিত্যং ভদ্রমেব বিচিন্তয়েৎ

ভদ্রেণৈবেহ সংসর্গো নাভদ্রেণ কদাচন॥১০৮ (স্কন্দপুরাণ)

মতম পুম্নদা অফবগী মশক ওইদনা [illegible] অফনতবু খনগনি, অফবা মাওইংগা [illegible], [illegible] কৈদৌনুংদসু তিন্নবোই।

যৎকল্যাণমভিধ্যায়েত্তত্রাত্মানং নিয়োজয়েৎ।

ন পাপে প্রতিপাপঃ স্যাৎ সাধুরেব সদা ভবেৎ॥১০৯ (মহাভারত)

[illegible] খল্লু অমদি ম[illegible] [illegible] মতম পুম্নদা সজ্জন ([illegible])

ক্ষময়া দয়য়া প্রেম্না সুনৃতেনার্জবেন চ।

বশীকুর্য্যাজ্জগৎ সর্ব্বং বিনয়েন চ সেবয়া॥১১০॥ ([illegible])

ডাক [illegible] বাখল, [illegible], [illegible], [illegible] ব্রাহ্মাচু, অচম্না স্বভাব, [illegible] অমসু, সেবানা সংসার পুম্নব [illegible]।

সত্যং হি সন্তঃ প্রতিপূজয়ন্তি॥১১১

অফবা মীনা অচুম্বাবু ইকাই খুম্নি।

নাস্তি সত্যাৎপরো ধর্ম্মো নানৃতাৎ পাতকং পরম্।

স্থিতির্হি সত্যং ধর্ম্মস্য তস্মাৎ সত্যং ন লোপয়েৎ॥১১২

(মহাভারত)

অচুম্বদগী হেনবা অতোপ্পা ধর্ম্ম লৈত্রে, মীনম্বদগা চাওবা অতোপ্পা পাপসু লৈত্রে। অচুম্বতনা ধর্ম্মগী ভুংনফম্নি, আধারনি, মবম আসনা অচুম্ববু মাঙহল্লোইদবনি।

সত্যং সৎসু সদা ধর্ম্মঃ সত্যং ধর্ম্মঃ সনাতনঃ।
সত্যমেব নমস্যেত সত্যং হি পরমা গতিঃ॥১১৩ *(মহাভারত)*

সত্যতনা সৎপুরুষশিংগী লেঙদ্রবা ধর্ম্মনি, অচুম্বতনা অবেপ্পা ধর্ম্মনি। অথোইবা অফবা মীওইশিংনা অচুম্বতবু খুরুম্মী, সত্যতনা পরমগতিনি, অথোইবা পাম্বৈনি।

আনৃশংস্যং পরো ধর্ম্মঃ ক্ষমা চ পরমং বলম্।
আত্মজ্ঞানং পরং জ্ঞানং পরং সত্যব্রতং ব্রতম্॥১১৪ *(মহাভারত)*

থৌজান্না অথোইবা ধর্ম্মনি, ঙাকপীবনা অথোইবা পাঙ্গলনি, আত্মজ্ঞান্না অথোইবা জ্ঞান্নি অমসুং সত্যগী ব্রতনা অথোইবা ব্রতনি।

সত্যস্য বচনং শ্রেয়ঃ সত্যং জ্ঞানং হিতং ভবেৎ।
যদ্ভূতহিতমত্যন্ত তদ্বৈ সত্যং পরং মতম॥১১৫ *(মহাভারত)*

অচুম্বা ঙাঙবা হায়রবসি কল্যাণগী মশক্নি। সত্য হায়রবসিদা জ্ঞান লোন্তুনা লৈ জীবশিংগী থাইদগা অফবা ওইবা থবক অদু অথোইবা সত্য হায়বা লৌনৈ।

মাতৃবৎপরদারেষু পরদ্রব্যেষু লোষ্টবৎ।
আত্মবৎ সর্ব্বভূতেষু যঃ পশ্যতি স পণ্ডিতঃ॥১১৬ *(চাণক্য)*

অতোপ্পগী নুপীশিংবু মমাগুম্না, মীগী মপোৎ (লন্থুম) বু লোন্থুম্না অমসুং থবায় পানবা খুদিংবু মশাগা মান্ননা উবা ঙম্বা মীদু পণ্ডিত কৌই।

সর্ব্বভূতেষু যঃ পশ্যেদভগবদভাবমাত্মনঃ।
ভূতানি ভগবত্যাত্মন্যেষ ভাগবতোত্তমঃ॥১১৭ *(শ্রীমদ্ভাগবত)*

থবায পানবা খুদিংদা মাগী ঈশ্বরগী ওইবা শক্তমবু উবা ঙম্বা অমসুং জীব খুদিংবু মশাগী ঈশ্বরগী ওইবা শক্তমদা উবা ঙম্বা মীদু ভগবানগী অথোইবা ভক্তনি।

জীবিতুং যঃ স্বয়ং চেচ্ছেৎকথং সোহন্যং প্রঘাতয়েৎ।
যদ্যদাত্মনি চেচ্ছেত তৎপরস্যাপি চিন্তয়েৎ॥১১৮
(মহাভারত)

মশানা হিংদুনা লৈনিংলগা মী অতৈবু কবিগী হিংসা তৌগনি। (হাৎকনি) মীওইবনা মশাগীদমক পাম্লিবা পোৎশিংদু অতোপ্পশিংনসু ফংসনু হায়বা খাখন অসি লৈগদবনি।

যা সাধূংশ্চ খলান্‌করোতি বিদুষো মূর্খান্‌হিতান্দ্বেষিণঃ
প্রত্যক্ষং কুরুতে পরোক্ষমমৃতং হলাহলং তৎক্ষণাৎ।
তামারাধয় সৎক্রিয়াং ভগবতীং ভোক্তুং ফলং বাঞ্ছিতং
হে সাধো ব্যসনৈর্গুণেষু বিপুলেষ্বাস্থাং বৃথা মা কৃথাঃ ॥১১৯

(ভর্তৃহরি)

[illegible] অ[illegible]ম্বা মল ফং[illegible] অতে মখল মখলগী [illegible]শিংবু [illegible] শুপ্পগী [illegible] সাধু ওইহনবী, [illegible]শিংবু [illegible] লৈহল্লিবা, [illegible]শিংবু মরুপ ওইহল্লিবী, অবোনবা [illegible] [illegible] ওইহল্লিবা অমদি [illegible] ওইহল্লিবী [illegible] মশক ওইবসা [illegible]।

সত্যং ধর্ম্মেণ বর্ত্তেত ক্রিয়াং শিষ্টবদাচরেৎ।
অসংক্লেশেন লোকস্য বৃত্তিং লিপ্সেত বৈ দ্বিজ ॥১২০ (মহাভারত)

[illegible] [illegible]শিংগী [illegible] ইকনি, [illegible] মীশিংগী [illegible] অত্তোপ্পশিংবু অমসা [illegible] [illegible] [illegible]।

সন্ধ্যানিয়মং প্রাহুর্ব্রাহ্মণা মানুষং ব্রতম্।
মনো বিশুদ্ধাং বুদ্ধিং চ দৈবমাহুর্ব্রতং দ্বিজাঃ ॥ ১২১ (মহাভারত)

ব্রাহ্মণশিং[illegible] (ব্রহ্ম [illegible]) [illegible] ওইবগী ধর্ম্মনি [illegible]। [illegible] দৈবব্রতনি (লাইগী ব্রতনি) [illegible]

অকামশ্চ ব্রতং সর্বমক্রোধাত্তীর্থসেবনম্।
দয়া জপ্যসমা শুদ্ধং সন্তোষো ধনমেব চ ॥১২২ (পদ্মপুরাণ)

অ[illegible] কমা [illegible] ব্রত [illegible] অমসুং অশাউবু থা[illegible] তীর্থ [illegible] ফল [illegible]। [illegible] [illegible] অদুগা অ[illegible] অশেংবা [illegible]।

স্বধর্ম্মে স্থিরতা স্থৈর্য্যং ধৈর্য্যমিন্দ্রিয়নিগ্রহঃ
স্নানং মনোমলত্যাগো দানং বৈ ভূতরক্ষণম্ ॥১২৩ (মহাভারত)

মশাগী ধর্ম্মদা লেঙদনা লৈববু লেঙদনা কৌই, ইন্দ্রিয়শিংবু লাকশিনবনা অথা[illegible] (ধৈর্য্য) কৌই, [illegible] মনগী [illegible] বিচারবা থাদোকপবু স্নান (ঈরুজবা) [illegible] জীব [illegible] কনবিবনা দান কৌই।

ন তোয়পূতদেহস্য স্নানমিত্যভিধীয়তে।
স স্নাতো যস্য বৈ পুংসঃ সুবিশুদ্ধং মনো মতম্॥১২৪ (স্কন্দপুরাণ)

শুপ্নগী ঈশিংনা হকচাং চামথোকপবু ঈকজবা কৌদে। পূক্লিংবু নীংথিজনা শেংদোক্লুনা লুহল্লবা (অশেংবা পূক্লিং ওইহল্লবা) অদুবু অশেংবা ঈকজবনি হায়না কৌনৌ।

ন শরীরমলত্যাগান্নরো ভবতি নির্মলঃ।
মানসে তু মলে ত্যক্তে ভবত্যন্তঃ সুনির্মলঃ॥১২৫ (স্কন্দপুরাণ)

শুপ্নগী হকচাংগী অমোংপবু লৌথোকপনা মী ওইবনা লূবা (অমোংপা পাক্তবা) হায়বা ওইবা যাদে। পূক্লিংগী অমোংপা (ফত্তবা নাখলশিং) কোক্লবদা মী ওইবনা মনু দগী হৌনা নাংথিনা শেংবা (মোত্তবা) হায়বদু ওই।

চিত্তমন্তর্গতং দুষ্টং তীর্থস্নানান্ন শুদ্ধ্যতি।
শতশোঽপি জলৈর্ধৌতং সুরাভাণ্ডমিবাশুচিঃ॥১২৬ (স্কন্দপুরাণ)

যুগা পাত্রবু মপান্দা চাবনক ইন্না কেংদোক লাম্বথোক্লবসু অশেংবা ওইবা যাদবগুম ফত্তবা পূকচেল লোবা মীনা তীর্থস্নান কয়া তৌবনসু শেংবা ঙমদে।

যো লুব্ধঃ পিশুনঃ ক্রুরো দাম্ভিকো বিষয়াত্মকঃ।
সর্বতীর্থেষ্বপি স্নাতঃ পাপো মলিন এব সঃ॥১২৭ (স্কন্দপুরাণ)

কল্লক চাউবা মী, চিবোন তৌবা মী, মীনুংশি কৈতবা, নাপল তৌবা মী অমসুং বিষয়শিংদা লূপ্পবা মীদু তীর্থ কয়ামকমদা স্নান তৌবগসু পাপী অমসুং পূকচেল মোংপা ওইদুনা লৈ।

বিষয়েষ্বতিসংরাগো মানসো মল উচ্যতে।
তেষ্বেব হি বিরাগোঽস্য নৈর্মল্যং সমুদাহৃতম্॥১২৮ (স্কন্দপুরাণ)

বিষয়শিংগী মফমদা যান্না অপান্না লৈশিনববু মানস মল (পূক্লিংগী অমোংপা) কৌই। মখোয়বু থাদোকপা হায়বদি মখোয়গী মফমদা পামশিন্দববু পূক্লিং শেংবা কৌনৌ।

ধ্যানপূতে জ্ঞানজলে রাগদ্বেষমলাপহে।
যঃ স্নাতি মানসে তীর্থে স যাতি পরমাং গতিম্॥১২৯ (স্কন্দপুরাণ)

ধ্যাননা শেংহল্লবা অমসুং জ্ঞানগী মশক ওইববা ঈশিংনা থল্লবা অমদি রাগ দ্বেষকী মশক ওইববা পূক্লিংগী অমোংপা কোকহনবা মানস তীর্থ (পূক্লিংগী) তীর্থ দা ঈকজববা মীদু অখোইবা গতি (মফম) বু ফংই।

সত্যং তীর্থং ক্ষমা তীর্থং তীর্থমিন্দ্রিয়নিগ্রহঃ।
সর্বভূতদয়া তীর্থং তীর্থমার্জবমেব চ॥১৩০
(স্কন্দপুরাণ)

সত্য (অচুম্বা)না তীর্থনি, ঙাকপীবনা তীর্থনি, ইন্দ্রিয় খুদুম চনবসু তীর্থনি, জীব খুদিংদা মৌজানানবসু তীর্থনি অদুগা স্বভাবতা চম্বসু তীর্থনি।

দানং তীর্থং দমস্তীর্থং সন্তোষস্তীর্থমুচ্যতে।
ব্রহ্মচর্য্যং পরং তীর্থং তীর্থং চ প্রিয়বাদিতা॥১৩১ (স্কন্দপুরাণ)

দান তৌবসু তীর্থনি, ইন্দ্রিয় সাম্বনসু তীর্থনি। অদুগা পেনবা ঐনসু তীর্থনি হায়না হৌই। ব্রহ্মচর্য্যনা অহানবা তীর্থনি। নুংশিনা বাচা ঙাংবসু তীর্থনি।

জ্ঞানং তীর্থং ধৃতিস্তীর্থং, তপস্তীর্থমুদাহৃতম্।
তীর্থানামপি তত্তীর্থং বিশুদ্ধির্মনসঃ পরা॥১৩২ (স্কন্দপুরাণ)

ঙাকনা তীর্থনি, চৈথাসু তীর্থনি, তপসু তীর্থনি হায়না হৌই। পাকুম থোইদোক্লা মা না শংবসু তীর্থশি দা তীর্থনি অমরদি তীর্থ অপাংইদনা।

সর্বেষামেব শৌচানামর্থশৌচং পরং স্মৃতম্।
যোঽর্থে শুচির্হি স শুচির্ন মৃদ্বারিশুচিঃ শুচিঃ॥১৩৩ (মনু)

মশা নাবানগী শেংলবা অশেংবা (চিরাক য়াম্না লৈবা শেংনবা, লৈ লৌথোক শেংবা লৈবা লমাংদা) না য়াইফবগী শুথাইবা অশেংবনি হায়না হায়রি। লৈশা (শেংবা) দা শেংবা, শেংনা থবক তৌবা শেংবা অশেংবনি। লেংনবক অমসু য়ামনা চাংদুনা মিদুনা শা শুম্বা তৌবা যাদ।

শান্তিতুল্যং তপো নাস্তি ন সন্তোষাৎ পরং সুখম্।
ন তৃষ্ণায়াঃ পরো ব্যাধির্ন চ ধর্মো দয়াসমঃ॥১৩৪ (চাণক্য)

শান্তিগা মান্নবা অহৈ তপ অমা লৈত্রে, অপেনবগা মান্নবা অহৈ নুংাইবা লৈত্রে, তপম-লৌবা বগা মান্নবা অহৈ লায়না। অদুগা দয়াগা মান্নবা অহৈ ধর্ম্ম অমা লৈত্রে।

যদ্দুস্তরং যদ্দুরাপং যদ্দুর্গং যচ্চ দুষ্করম্।
সর্বং তু তপসা সাধ্যং তপো হি দুরতিক্রমম্॥১৩৫ (মনু)

শাথিনা লানবদা যাম্না বাননা, যাম্না বানা ফংজনা, তৌবদা যাম্না লুননা থবক পুম্নমক্সি তপনা পাংথোকপা ঙম্মী। তপস কনানাসু থাইদনা ঙমদে (লাংথোকপা শাথিনবা ওই)।

ন্যাযোপার্জিতবিত্তস্য দশমাংশেন ধীমতা।
কর্ত্তব্যো বিনিয়োগশ্চ ঈশপ্রীত্যর্থমেব চ॥১৩৬ (স্কন্দপুরাণ)

অশিংবশিংনা তৌগদবদি মহাক্না নিযম চুম্না তাঞ্জবিনা লনগী শরুক তবা থোকপগী অমাদ ঈশ্বরনা পেনবীনবা কবিগুম্না অফবা থবক অমদা থাদগনি (শরণ তৌগনি)।

আর্য্যজুষ্টমিদং বৃত্তমিতি বিজ্ঞায় শাশ্বতম্।
সন্তঃ পরার্থং কুর্বাণা নাবেক্ষন্তে প্রতিক্রিয়াম্॥১৩৭ (মহাভারত)

মাসাদ ভাগুণহবা মীওইবশিংনা চৎনবম্না সনাতন ওইনা লমচৎনি। হায়না খন্দনা অথ [illegible] নাশ [illegible] মীনা অমক তৌবীমল হল্লকপগী অ[illegible] [illegible] অত্তোক্ষ্ণা মীগী [illegible] অথ[illegible] [illegible]।

মনসো যৎসুখং নিত্যং স স্বর্গো নরকোপমঃ।
তস্মাৎপরসুখেনৈব সাধবঃ সুখিনঃ সদা॥১৩৮ (পদ্ম পু[illegible]

ইশাগী মশাগী পক্লিংদা মতম[illegible] নু ঋইবা ফাবা মহ মদু স্বর্গ ওইরবসু নরক্কা মান্নৈ। মরম অসিনা অথোক্ষ্ণবা ভামদা মীওইশিং না [illegible] [illegible] মীগী [illegible] চাইবা, [illegible] চাইদুনা লৈ, মশাগী [illegible] চাইবনি [illegible]।

মোঘমন্নং বিন্দতে অপ্রচেতাঃ সত্যং ব্রবীমি বধ ইৎস তস্য।
নার্যমন্নং পুষ্যতি নো সখায়ং কেবলাঘো ভবতি কেবলাদী॥১৩৯
(ঋগ্বেদ)

অন্নদান তৌদনা মীদু অ[illegible]বন্নান মানা চাক ফংলবনি। [illegible] ফংলগা চাক দান তৌদনা মীদু অ[illegible]বন্নানি। ঐনা অচুম্না হাযবিরসিনি চাক অদ[illegible] অ[illegible] তৌদনা মীদুগা মাংনাবা তৌবকই। মদুনা আদিত্যবু [illegible]াকথৎ[illegible] অম্যুং থবই [illegible] [illegible]। ম[illegible] ভামতগী মগুক থন্নবা [illegible] মীদু পাপা ওই।

দানেন ভূতানি বশীভবন্তি দানেন বৈরাণ্যপি যান্তি নাশম্।
পরোঽপি বন্ধুত্বমুপৈতি দানৈর্দানং হি সর্ববাসনানি হন্তি॥১৪০

দান তৌবনা জীব খুদিংমকপু খুদুম চনবা ভঙ্গী, দান তৌবনা যেক্লবগী বাখল মাঙহল্লি, দান তৌবনা অত্তোপ্পা মীসু ঐগী ওই, দান তৌবদগী অবাবা খুদিং কোকই।

দৃষ্টা তান্ কৃপণান্ ব্যঙ্গাননঙ্গান্ রোগিণস্তথা।
দয়া ন জাযতে যস্য স রক্ষ ইতি মে মতিঃ॥১৪১
(স্কন্দপুরাণ)

সংসারসিদা লৈবিবা তোল্ল-তাবনা, শোইনাইবনা অমদি লায়না চেল্লবা জীবশিংবু উবগা মখোয়দা মীনুংশি অমসুং থৌজাল পোক্তবা মীদু এগী মত্তা তিংচাবনি।

নিত্যং ক্রোধাত্তপো রক্ষেচ্ছ্রিয়ং রক্ষেচ্চ মৎসরাৎ।
বিদ্যাং মানাবমানাভ্যামাত্মানং তু প্রমাদতঃ॥১৪২ (নারদপুরাণ)

[illegible] অশাউবদগী, [illegible] কল্লকপদগী, বিদ্যাবু মান অমসুং [illegible]দগা অমসুং [illegible] পাত্তোকচানবদগী কন্দনা [illegible] থমগদবনি।

মানং হিত্বা প্রিয়ো ভবতি ক্রোধং হিত্বা ন শোচতি।
কামং হিত্বার্থবান ভবতি লোভং হিত্বা সুখী ভবেৎ॥১৪৩
(মহাভারত)

[illegible] মী খাদংমক্তা চাম্লি, অশাউবা [illegible] ইনাকখুনবা [illegible] ওই।

আত্মানং চ পরাংশ্চৈব ত্রায়তে মহতো ভয়াৎ।
ক্রুধ্যন্তমপ্রতিক্রুধ্যন্ দ্বয়োরেষ চিকিৎসকঃ॥১৪৪ (মহাভারত)

[illegible] মতাক অদু মশানা [illegible] (অশাউবগী) [illegible] কল্লি। অসিগুম্বা [illegible] অদু [illegible]।

মৃষাবাদং পরিহরেৎ কুর্যাৎ প্রিয়মযাচিতঃ।
ন চ কামান্ন সংরম্ভান্ন দ্বেষাদ্ধর্মমুৎসৃজেৎ॥১৪৫ (মহাভারত)

[illegible] মীগী মতেং পাংগনি অমসু [illegible] অপাম্না [illegible] যেংথিবা [illegible] থাদাকফনেন্ত।

পিবন্তি নদ্যঃ স্বয়মেব নাম্ভঃ স্বয়ং ন খাদন্তি ফলানি বৃক্ষাঃ।
ধারাধরো বর্ষতি নাত্মহেতোঃ পরোপকারায় সতাং বিভূতয়ঃ॥১৪৬

তুরেলশিংনা মশাগী ঈশিং থকাদে, উনা মহোমতগী উহৈ চাজদে, নৈচিন্না মশাগাদমক নোং চুহজদে। মতৌসুম্না অথোইবা অফবা মীগী লন্থুমদি মীগী কান্নবগীদমক্তা ওই।

জ্যায়স্বন্তশ্চিত্তিনো মা বি যৌষ্ট সংরাধয়ন্তঃ সাধুরাশ্চরন্তঃ।
অন্যোন্যস্মৈ বল্গু বদন্তো যাত সমগ্রাস্থ সধ্রীচীনান্॥১৪৭॥

(অথর্ববেদ)

অথোইবা অহেনবা ওইদুনা মী খুদিংমক্না থম্মোয়দা অমত্তা ওইনা তিন্নবগা লৈয়ু, কৈদৌনুংদসু তোঙান্না তাগনু। অমনা অমবু হবাও নুংঙাইহন্দুনা অমত্তা ওইনা তিন্নবগা অকম্বা পোৎলুম্বু চিংদুনা চৎলু।

অধীত্য চতুরো বেদান্ ব্যাকৃত্যাষ্টাদশ স্মৃতীঃ।
অহো শ্রমস্য বৈফল্যমাত্মাপি কলিতো ন চেৎ॥১৪৮

বেদ মবিমকপু তম্লগা অমসুং স্মৃতি তবানিপানবু ব্যাখ্যা তৌবগসু আত্মজ্ঞান ফংদ্রবদি হোৎনবা পুম্বা অবেম্বা কান্নদবনি।

নন্দন্তি মন্দাঃ শ্রিয়মপ্যানিত্যাং পরং বিষীদন্তি বিপদ্‌গৃহীতাঃ।
বিবেকদৃষ্ট্যা চরতাং নরাণাং শ্রিয়ো ন কিঞ্চিদ্ বিপদো ন কিঞ্চিৎ॥১৪৯

জ্ঞান/বুদ্ধি ৱাৎপা (অপংবা) মীনা ভাইহাক্কী ওইবা লন্থুম (নুংঙাইবা) ফংবদা হৰাওই অদুগা অৱাব। তাবনা কান্দা যাম্না ৱাই, অদুবু জ্ঞানগী মিৎযেংনা যেংলগা চৎলিবা মীওইশিংগীদি অৱাবসু, নুংঙাইবসু কবিসু নত্তে।

সত্যং মাতা, পিতা জ্ঞানং, ধর্ম্মো ভ্রাতা, দয়া সখা।
শান্তিঃ পত্নী, ক্ষমা পুত্রঃ, ষডেতে মম বান্ধবাঃ॥১৫০ *(চাণক্য)*

সত্যনা এগী ইমানি, জ্ঞান্না ইপানি, ধর্ম্মনা ইচিন-ইনাওন, থৌজালনা মকাপ্নি, শান্তিনা নুপীনি, খ্যাকপা হৈবনা ইচানি। মখোয়সি এগী মরী-মনুংনি।

ন গোপ্রদানং ন মহীপ্রদানং ন চান্নদানং হি তথা প্রধানম্।
যথা বদন্তীহ বুধাঃ প্রধানং সর্ব্বপ্রদানেষ্বভয়প্রদানম্॥১৫১ *(পঞ্চতন্ত্র)*

বিদ্বান্‌শিংগী মত্তা দান পুম্নমক্কী অভয়দান (মীবু চঙজকম পানা, অকিবা, অৱাবদগী কনবিনবা)মুক চাওবা, থোইবা দান লৈতে। মাদি গোদান, ভূদান অমসুং অন্ন-দানদগী হেল্লি।

প্রিয়মুক্তং হিতং নৈতদিতি মত্বা তব্বদেৎ।
শ্রেয়স্তত্র হিতং বাচ্যং যদ্যপ্যত্যন্তমপ্রিয়ম্॥১৫২ *(বিষ্ণুপুরাণ)*

মীওইবনা নুংশিনা অফনা ৱা ঙাঙলবসু ফত্তবনি হায়না লৌনবদি/খল্লবদি মদু ঙাঙলোইদবনি মতাং অদুদদি নুংশিদবা, তাবা নুংঙাইতবা ওইববসু কান্নবা ৱা হায়বনা হেন্না ফৈ।

মহৎসেবাং দ্বারমাহুর্বিমুক্তে স্তমোদ্বারং যোষিতাং সঙ্গিসঙ্গম্।

মহান্তস্তে সমচিত্তাঃ প্রশান্তা বিমন্যবঃ সুহৃদঃ সাধবোঽপি॥১৫৩

মহাপুরুষশিংগী সেবাবু মুক্তিগী থোঙনি হায়না হায়নৈ অদুগা কামুক (নুপীগী বাখলদা লূপ্পুনা লৈবা মী) ওইবা মীগী সঙ্গ তৌববু নরককী থোঙনি হায়না হায়নৈ মহাপরুষ ও যর্বসাদ মতম পুম্নদা পুকচেল মান্ননা লৈববা অমদি অশাউবা লৈত্রবা মীগী কাম ঃ তৌববা অমদি সাধু পুরুষ অদুবুনি।

শুভং বা যদি বা পাপং দ্বেষ্যং বা যদি বা প্রিয়ম্।

অপৃষ্টস্তস্য তদ্ ব্রুয়াদ্ যস্য নেচ্ছেৎপরাভবম্॥১৫৪

মীওইবনা মায়থিবা ওইহনিংদবা/ফংহন্নিংদবা মীদুগীদম তুদি মঙোন্দা হংদ্রবসু অফবা ফত্তবা, কনবা-শান্নদবা বা খুদিংমক হায়বিগদবনি।

হীনাঙ্গানতিবিক্তাঙ্গান্নিদ্যাহীনান্বয়োধিকান।

রূপদ্রব্যবিহীনাংশ্চ জাতিহীনাংশ্চ ন ক্ষিপেৎ॥১৫৫ (মনু)

হকচাং কয়াং রাংপা, তেংগাংবা, অংডবা, অহল ওইববা, মশক থাবা, লায়রবা অমদি হক্তনা [illegible] কনবা কথাইনদবা বনি হায়বদি মখোয়বু অদু [illegible] [illegible] মশক থী অসিনাচিংনা হায়দুনা ইকায়না পাবো[illegible]।

আত্ম-সংয়ম

যোগশ্চিত্তবৃত্তিনিরোধঃ পতঞ্জলি॥১৫৬

[illegible]

মুক্তিমিচ্ছসি চেত্তাত বিষয়ান বিষবত্ত্যজ।

ক্ষমার্জবদয়া তোষ সত্যং পীযূষবদ ভজ॥১৫৭॥ (অষ্টাবক্র গীতা)

[illegible] বিষয়শিংবু হূনি [illegible] [illegible] অমদি সত্যবু অমৃতগা মান্ননা/অমৃতনি হায়না [illegible] লৌশিল্লু।

মন এব মনুষ্যাণাং কারণং বন্ধমোক্ষয়োঃ॥১৫৮ (শাণ্ডিল্যোপনিষদ্)

পুক্নিং হায়বসিনা মীওইবগী বন্ধনা অমসুং মোক্ষগী মর্মনি।

নাবিজ্ঞাতং ন চাগম্যং নাপ্রাপ্যং দিবি চেহ বা।

উদ্যতানাং মনুষ্যাণাং যতচিত্তেন্দ্রিয়াত্মনাম্॥১৫৯

মপূক্লিং, বুদ্ধি অমসুং ইন্দ্রিয়শিংবু লাকাশিল্লগা থবক নোল্লিবা/ তোৎনবিবা মীশিংদুগীদমকতি পৃথিবীসিদা ১দি স্বর্গদসু খঙ্ঙমদ্রবা, মৌঙমদ্রবা অমদি ফংঙমদ্রবা পোৎ অমত্তা লৈতে।

দমস্তেজো বর্ধয়তি পবিত্রো দম উত্তমঃ।

বিপাপ্মা তেন তেজস্বী পুরুষো দমতো ভবেৎ॥১৬০ *(পদ্মপুরান)*

দম (ইন্দ্রিয় ফাজনবা) না তেজ হেনগৎহল্লি। মসি অশেংবা অমসুং অ...ইবনি। দমনা মী ওইনবু পাপ চেন্দনা অমসুং মতিক মঙাল লৈবা ওইহল্লি।

যে কেচিন্নিয়মা লোকে যে চ ধর্ম্মাঃ শুভক্রিয়াঃ।

সর্বযজ্ঞফলং বাপি দমস্তেভ্যো বিশিষ্যতে॥১৬১ *(পদ্মপুরাণ)*

সংসারদা অসিদা নিয়ম, ধর্ম্ম, অফবা থবক অমসুং যজ্ঞ পুম্নমক হৌরকপা ফল ...বা মখোয়মক্তা ইন্দ্রিয় দমনা না মপুঙ ফেই...

শীলবৃত্তনিযুক্তস্য নিগৃহীতেন্দ্রিয়স্য চ।

আর্জবে বর্ত্তমানস্য আশ্রমৈঃ কিং প্রয়োজনম্॥১৬২ *(...)*

অ...ইবা লমচৎনা ...বা, ইন্দ্রিয়শিংবু মপুম চল্লবা ... চল্লিবা মীদনা আশ্রমশিং অমুক ...বা কারি ...।

যেষাং মন্যুর্মনুষ্যাণাং ক্ষময়াভিহতঃ সদা।

তেষাং পরতরে লোকাস্তস্মাৎক্ষান্তিঃ পরা মতা॥১৬৩ *(...)*

অশা...মতম পুম্নমদা ...বনা ...না মাদি, অ...ইবা লোক ফংই। মরম অসিনা ...কসি ...বা থাইদগী অ...বা ...হায়না লৌই।

ইন্দ্রিয়াণ্যেব তৎ সর্বং যৎ স্বর্গনরকাবুভৌ।

নিগৃহীতবিসৃষ্টানি স্বর্গায় নরকায় চ॥১৬৪ *(মহাভারত)*

স্বর্গ অমসুং নরক হায়বদু ইন্দ্রিয়শিংসা...। মখোয়বু মপুমদা থম্লগা স্বর্গ অমসুং মথীংতম্না থাদোক্লগা নরকি।

বন্ধ ইন্দ্রিয়বিক্ষেপো মোক্ষ এষাং চ সংযমঃ॥১৬৫ *(শ্রীমদ্ভাগবত)*

ইন্দ্রিয়শিং তথাং তশোইবনা বন্ধন অদুগা ইন্দ্রিয় সংযম্না মোক্ষনি।

বশে হি যস্যেন্দ্রিয়াণি তস্য প্রজ্ঞা প্রতিষ্ঠিতা॥১৬৬ *(গীতা)*

ইন্দ্রিয়শিংবু মপুম চল্লবা/লাকশিল্লবা মীদুগী বুদ্ধিদি লেঙ্দনা চেৎনা লৈ।

নিগৃহীতেন্দ্রিয়গ্রামো যত্র-যত্র বসেন্নরঃ।
তত্র তত্র কুরুক্ষেত্রং নৈমিষং পুষ্করাণি চ॥১৬৭

ইন্দ্রিয় জয় তৌবা মীনা লৈবা লৈবা মফমদুদা কুরুক্ষেত্র, নৈমিষারণ্য অমদি পুষ্করতীর্থ লৈ।

ইন্দ্রিয়াণাং যমে যত্নো ভব রাজন্নতন্দ্রিতঃ।
এতজ্জ্ঞানস্য পন্থাশ্চ যেন যান্তি মনীষিণঃ॥১৬৮

ইন্দ্রিয়শিংবু যাম্না চেকশিন্না খুদুম চন্দুনা থম্মু। তুশংনা হায়বরদা মসিনা জ্ঞাননি অদুগা বুদ্ধিমান্‌শিংনা মাংুদা চঙ্শিন্নবিবা লম্বীদু মসিমক্তি হায়র্নদি আত্মোন্নতিগী লম্বীনি।

ধৃতিঃ শমো দমঃ শৌচং কারুণ্যং বাগনিষ্ঠুরা।
মিত্রাণাং চানভিদ্রোহঃ সপ্তৈতাঃ সমিধঃ শ্রিয়ঃ॥১৬৯ (মহাভারত)

ধৈর্য, চিত্তনিগ্রহ; ইন্দ্রিয় দমন, পবিত্রতা, দয়া, অশোৎপা ৱাহৈ অমদি মরূপকা লেংখিনদবা (যেক্রুদক) হায়াবা গুণ তরেৎ অসি সম্পত্তিগী মশক ওইববা মৈগা শাং হায়র্নদি মঙইরগা ঈশ্বরবু ওনগৎতনবা হায়র্নি।

কান্তাকটাক্ষবিশিখা ন লুনন্তি যস্য
চিত্তং ন নির্দহতি কোপকৃশানুতাপঃ
কর্ষন্তি ভূরিবিষয়াশ্চ ন লোভপাশৈ
র্লোকত্রয়ং জয়তি কৃৎস্নমিদং স ধীরঃ॥১৭০ (ভর্তৃহরি)

[illegible] মশক ওইনা [illegible] ইন্দ্রিয়শিংগী বিষয়শিংনা [illegible] জয় তৌই।

দগ্ধং যৎসুখহেতোঃ পুষ্ণন্তি জনাঃ কথং তদেব বপুঃ।
ন হি শর্করাভিলাষিভিবিক্ষোঃ কাণ্ডানি পূজ্যন্তে॥১৭১॥

(বৈরাগ্য শতক)

নুংঙাইবা ফংনবগীদমক নিয়ম সংযমগী মশক ওইববা দগ্ধ শীগদবা হকচাং অসিবু নুংঙাইনবা হোৎনবদা মীওইশিংসিনা কবিগীদমক থৱায় লম্বীবনো খঙ্দে। চিনি শান্না মীনা চুবু পূজা তৌনদে - মাবু চপখায়বগা মতু (রস) লৌগোক্লে।

বিষয়াননুকূলয়িতুং বিষয়িণি হৃদয়ে বিধীয়তাং যত্নঃ।
দৃশি দেয়মৌষধং কো দৃশ্যে দত্ত্বা সুখী ভবতি॥১৭২
(অপ্পয়দীক্ষিত)

বিষযশিংবু মথা পোলহনবগী মহুত্তা বিময়শিংবু পান্নিবা পূক্কিংবু হান্না মথা পোলহনগদবনি নংত্রবদি মীৎতা হাপকদবা হিদাকপু মীৎনা উগদবা পোত্তা হাপ্পগা কনানা নুংঙাইবা ফংগদগে।

যথা যথা কামসুখেষু বর্ত্ততে,
তথা তথেচ্ছা বিষয়েষু বর্ধতে॥১৭৩ (সৌন্দরানন্দ)

কাম ভোগকী নুংঙাইববোমদা চঙশিন্নবমখে বিষয ভোগকী অপাম্না হেনগৎলকই।

ইন্দ্রিয়ার্থেষু সর্বেষু ন প্রসজ্যেত কামতঃ।
অতিপ্রসক্তিং চৈতেষাং মনসা সংনিবর্তযেৎ॥১৭৪ (মনু)

ইন্দ্রিযশিংগী বিষয মঙাগী মনুংদা অমত্তদসু উপভোগ তৌবগী বাংলনা পামাশল্লোইদবনি। মখোযদা যাম্না পামশিল্লবা তাযবসিংগী পূক্কিংবু পাম্মগদবনি।

ইন্দ্রিযাণাং তু সর্বেষাং যদ্যেকং ক্ষরতীন্দ্রিয়ম্।
তেনাস্য ক্ষরতি প্রজ্ঞা দৃতেঃ পাত্রাদিবোদকম॥১৭৫ (মনু)

ইন্দ্রিয পম্মমক্কী মনুংদা অমত্তং শোইবগী মদুনা কারংম্না পাং অমা। মখুল অমা হোনদগী ঈশিং লোইনা চেংশিবগুম পুন্নকুসু মাংথল্ল।

শ্রুত্বা স্পৃষ্টা চ দৃষ্টা চ ভুক্ত্বা ঘ্রাত্বা চ যো নরঃ।
ন হৃষ্যতি গ্লায়তি বা স বিজ্ঞেযো জিতেন্দ্রিয়ঃ॥১৭৬ (মনু)

অদুগুম্না মীদুনা নিন্দাস্মতিনাচিংবা তাবগা, নুংঙাইবা পোৎশিং শোক্কং যেংলগসু উবগসু চাবগসু অমসুং মনম নম্লগসু হৌওদ্রবা অমাদি নাদ্রবা মীদু জিতেন্দ্রিয কৌই।

জীর্যন্তি জীর্যতঃ কেশা দন্তা জীর্যন্তি জীর্যতঃ।
জীবিতাশা ধনাশা চ জীর্যতোঽপি ন জীর্যতি॥
সূচ্যা সূত্রং যথা বস্ত্রে সংসূচযতি সূচিকঃ।
তদ্বৎসংসারসূত্রং হি তৃষ্ণা সূচ্যোপনীয়তে॥
অনন্তপারা দুষ্পূরা তৃষ্ণা দোষশতাবহা।
অধর্মবহুলা চৈব তস্মাত্তাং পরিবর্জযেৎ॥১৭৭ (পদ্মপুরাণ)

হকচাংনা মল্লবা হাযবদি অহল ওইবগা কান্দা শম ভৌবকই অমসুং যাসু শোল্লকই অদুবু মীওইবনা অহল ওইদুনা হনুববা ফাওবদসু ডিংনিংবা অমদি লন পাম্বগী আশাদি হনুদে।

ফি ভূবা মীনা ফিদা যেত্তুম্না লং লোনবগুম পুক্সিদসু অপাম খৌবাংগী মশক ওইববা যেভুম্না সংসারগী মশক ওইববা লংবু লেংদুনা চওহল্লি।

অপাম খৌবাংবগী অবোইবা লৈতে মাদি কৈদৌনুংদা পেনবা লৈতে দোম চাম্মনা থল্লি অধর্ম্ম কযামকুম থোকহল্লি অদুনা মাবু থাদোক্কদবনি।

ন জাতু কামঃ কামানামুপভোগেন শাম্যতি।
হবিষা কৃষ্ণবর্ত্মেব ভূয এবাভিবর্ধতে॥১৭৮ (পদ্মপুরাণ)

ভোগশিংগী অপাম্বসি উপভোগ তৌবগা কৈদৌনুংদা পেনবা লৈতে. হযাদুম ঘী হৈজিল্লগা মৈমাক হেনগৎপ গুম অসম অসুম হেনগৎলকই।

ধর্মার্থৌ যঃ পরিত্যজ্য স্যাদিন্দ্রিয়বশানুগঃ।
শ্রীপ্রাণধনদারেভ্যঃ ক্ষিপ্রং স পরিহীয়তে॥১৭৯ (মহাভারত)

[illegible] অমসুং অর্থবু [illegible] ইন্দ্রিয়শিংগী মথা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ঐশ্বর্য্য [illegible] [illegible]।

বিষস্য বিষয়াণাং চ দৃশ্যতে মহদন্তরম্।
উপভুক্তং বিষং হন্তি বিষয়াঃ স্মরণাদপি॥১৮০

[illegible] অদুবু বিষয়াশিংগী [illegible] মাওইবনি [illegible]।

ত্রিবিধং নরকস্যেদং দ্বারং নাশনমাত্মনঃ।
কামঃ ক্রোধস্তথা লোভস্তস্মাদেতৎত্রয়ং ত্যজেৎ॥১৮১

কাম, ক্রোধ অমসুং লোভ মখোয় অহুম অসি আত্মাবু মাঙহনবা নরককী থোং [illegible] মখোয় অহুমসিবু থাদোক্কদবনি।

যচ্চ কামসুখং লোকে যচ্চ দিব্যং মহৎসুখম্।
তৃষ্ণাক্ষয়সুখস্যৈতে নার্হতঃ ষোড়শীং কলাম্॥১৮২ (মহাভারত)

সংসারগী বিষয় ময়াম ভোগ তৌবগী নুংঙাইবা অমসুং স্বর্গগী থোইদোকপা নুংঙাইবা ময়াম্সি অপাম খৌবাংসা মাঙখিবগী নুংঙাইবগী শকক ভবাতকক্কী অমফাওবা ফংবা ঙমদে।

দান্তস্য কিমরণ্যেন তথাদান্তস্য ভারত।

যত্রৈব নিবসেদ্দান্তস্তদরণ্যং স চাশ্রমঃ॥১৮৩ *(মহাভারত)*

সংযমীগীদমক্তদি বনদা লৈবগী কবি দবকাব লৈবগে? অদুগা সংযম তৌবা ঙমদ্রবা মীগীনা বন্দা চৎলগা কবি কান্নগনি। সংযম তৌবা ঙম্বা মীগীদি লৈক লৈব্বা মফমদু বননি অমসুং আশ্রমনি।

বনেঽপি দোষাঃ প্রভবন্তি রাগিণাং, গৃহেঽপি পঞ্চেন্দ্রিয়নিগ্রহস্তপঃ।

অকুৎসিতে কর্মণি যঃ প্রবর্ত্ততে, নিবৃত্তরাগস্য গৃহং তপোবনম্॥১৮৪

বিষয়দা লৃপ্নবা মীগীদি বনদসু কাম ক্রোধনচিংবগী রাখল পোকই, যৃমদা লৈবগসু ইন্দ্রিয় মঙাবু লাকশিনবা ঙম্নবদি মদু তপকী মশক্লি। অফবা থবক্তা পৃক্লিং লৃপ্তুনা লৈবা অপাম্বা থাদোক্লবা মীদুগীদি যমসু পাইশিংফম বনশ্মান।

কামং ক্রোধং তথা লোভং কার্পণ্যং কপটং কলিম্।

চৌর্য্যং চ ব্যভিচারং চ কল্যাণার্থী পরিত্যজেৎ॥১৮৫

আত্ম-কল্যাণ পাম্বা মীওইশিংনা কাম, ক্রোধ, লোভ, কৃপণতা, কপট (মীনম শোরিবা), খৎনবা, হুবানবা অমদি ব্যাভিচার (নওবা লমচৎ চৎপা) থাদোক্কদবনি।

ধৃত্বা শিশ্নোদরং বক্ষেৎ পাণিপাদং চ চক্ষুষা।

চক্ষুঃশ্রোত্রে চ মনসা মনো বাচং চ কর্মণা॥১৮৬ *(মহাভারত)*

কামেন্দ্রিয় অমসুং পুকপু তপথবা, অথাং কনাবা বাখলনা যাম্না চেকশিন্না ঙাক শেনগদবনি হায়বদি কাম অমসুং অত্তাইবা পোৎ চানিংবগী মপান্দগী শিন্না হায়বদি অথা কনবনা ঙাকথোক্লবা হোৎনগনি। খুৎ [illegible] মীৎনা, [illegible] পাংবু পৃক্লিনা অমসুং পৃক্লিং অমসুং ৱাহৈবু কর্ম্মনা হায়বদি থবক্ [illegible]

ব্রহ্মচর্য্যেণ তপসা দেবা মৃত্যুমুপাঘ্নত।১৮৭॥

ব্রহ্মচর্য্য অমসুং তপকী মতেংনা দেবতাশিংনা মৃত্যুবু জয় তৌখি। (মরমসিদগী দেবতাশিংনা অমর ওইখি।)

ব্রহ্মচারী ব্রহ্ম ভ্রাজদ্ বিভর্ত্তি।

তস্মিন্ দেবা অধি বিশ্বে সমোতাঃ॥১৮৮॥ *(অথর্ববেদ)*

ব্রহ্মচর্য্য ব্রত ভাক্লিবা মীতনা জ্যোতির্ময় ব্রহ্মবু ধারণ তৌই। মদুদা দেবতা পুম্বা শিন্নুংনা লৈ।

ব্রহ্মচর্য্যপ্রতিষ্ঠায়াং বীর্য্যলাভঃ।১৮৯॥ *(পতঞ্জলি)*

ব্রহ্মচর্য্যগী প্রতিষ্ঠা (অচেৎপা ফিভম) দগী শক্তি ফংই।

অহিংসা প্রতিষ্ঠায়াং তৎসন্নিধৌ বৈরত্যাগঃ॥১৯০ (পতঞ্জলি)

অহিংসাগী প্রতিষ্ঠা ওইববদা অহিংসক অদুগী মনাক্তা জীব পানবা পুম্নমক যেক্রবা বাখল থাদোক্লে (মবমসিদগী মুনি ঋষিশিংগী আশ্রমদা শা কৈ, উচেক-ৱাযা পুম্না পুম্না চান্নবা লৈমিন্নে।)

বিহায় কামানাঃ সর্বান্ পুমাংশ্চরতি নিস্পৃহঃ।
নির্মমো নিরহংকারঃ স শান্তিমধিগচ্ছতি॥১৯১ (গীতা)

মী অদুনা অপাম্বশিংবু থাদোক্লগা অনীংবা, ঐগী ওইবা ৱাখল অমসুং নাপল যাওদনা চিংলবদি মহাক্তুদনা শান্তি ফংই।

যঃ সর্বত্রানভিস্নেহস্তত্তৎপ্রাপ্য শুভাশুভম্।
নাভিনন্দতি ন দ্বেষ্টি তস্য প্রজ্ঞা প্রতিষ্ঠিতা॥১৯২ (গীতা)

মফম পুম্নদা নাগ থাদোক্লা অফবা অমসুং ফত্তবা ফংবদা হরাউদ্রবা অমসুং অৱাবা লৈত্রবা মীদুগী বুদ্ধিদু লেঙ্দনা লৈ।

বিপত্তিষ্বব্যথো দক্ষো নিত্যমুত্থানবান্নরঃ।
অপ্রমত্তো বিনীতাত্মা নিত্যং ভদ্রাণি পশ্যতি॥১৯৩ (মহাভারত)

খুদোং থিবা অৱাবা তাববদা ৱাদবা, থবক্তা হৌশিংবা, মতম পুম্নদা মওথৎনীংবগা বাখল লৈবা, অতনবা লৈতবা অমসুং নোল্লুকপা মীনা মতম পুম্নদা মঙ্গল ওই।

যুক্তাহারবিহারস্য যুক্তচেষ্টস্য কর্মসু।
যুক্তস্বপ্নাববোধস্য যোগো ভবতি দুঃখহা॥১৯৪ (গীতা)

নীযম নাইনা চাবা থকপা, চৎপা তৌবিবা মী, থবক নীংথিনা পাঙ্থোক্লিবা অমসুং নাংথিনা তুম্বা হৌগৎপা তৌবিবা মীগী যোগ অদু অৱাবা মাঙ্হনবগী মশক ওই।

মনোরথানাং ন সমাপ্তিরস্তি, বর্ষাযুতেনাপি তথাব্দলক্ষৈঃ।
পূর্ণেষু পূর্ণেষু মনোরথানামুৎপত্তয়স্সন্তি পুনর্নবানাম্॥১৯৫
(বিষ্ণু-পুরাণ)

অনাংবা অপাম্না হাযর্বাস চাহি লিশিং লাক্ষ কযাদসু অবোইবা লৈতে। অনীংবা অপাম্না থুংবগা মদুগী মহুত্তা অনৌবা অপাম্না কযা পোক্লকই।

ত্যক্তব্যো মমকারস্ত্যক্তুং যদি শক্যতে নাসৌ।
কর্ত্তব্যো মমকারঃ কিন্তু স সর্বত্র কর্ত্তব্যঃ॥১৯৬ *(অপ্পয় দীক্ষিত)*

ঐগী ওইবা ৱাখল থাদোকপা ঙম্লগনা থাদোক্লো ঙমদ্রগনা মফম পুম্নদা ঐগী ওইবা ৱাখল থম্মু।

দুষ্টেন চেহ মনসা বাধ্যতে বা পরং ন বা।
সদাস্থে দহ্যতে তাবৎস্বং মনো দুষ্টচেতসঃ॥১৯৭ *(সৌন্দবনন্দ)*

পূক্লিংদা ফত্তবা ৱাখল চেল্লবা মতমদা অতোপ্পগী অৱাবা ওইবা যাই, ওইদ্রবসু মপূক্লিংদা ফত্তবা ৱাখল লৈবিবা অদুগী পূক্লিংদি থুনমক মৈচাক ফংই।

অতৃপ্তৌ চ কুতঃ শান্তিরশান্তৌ চ কুতঃ সুখম্।
অসুখে চ কুতঃ প্রীতিরপ্রীতৌ চ কুতো রতিঃ॥১৯৮ *(সৌন্দরনন্দ)*

অপেনবা লৈত্রবদা কদাইদগী শান্তি ফংগনি ? শান্তি লৈত্রবদা নুংঙাইবা কদাইদা ফংগনি ? নুংঙাইবা ফংদ্রবদা কদাইদগী নুংশিবা লৈগনি ? নুংশিবা লৈত্রবদা কদাইদগী নুংঙাইবা লৈগনি ?

সর্বত্র সম্পদস্তস্য সন্তুষ্টং যস্য মানসম্।
উপানদ্-গূঢ়-পাদস্য ননু চর্মাবৃতেব ভূঃ॥১৯৯ *(পদ্মপুরাণ)*

পূক্লিংদা অপেনবা লৈববা মীদুগীদি মফম পুম্নদা সম্পত্তিনা থল্লনা লৈববনি। খোঙদা খোঙউপ তোংলবা মীগীদি পৃথিবী অসি শউনা যোম্লশিল্লবগুম্ননি।

সন্তোষামৃততৃপ্তানাং যৎসুখং শান্তচেতসাম্।
কুতস্তদ্ধনলুব্ধানামিতশ্চেতশ্চ ধাবতাম॥২০০ *(পদ্মপুরাণ)*

অপেনবগী মশক ওইববা অমৃতনা পেল্লবা পূক্লিং লৈতাবনবা মীশিংনা ফংলিবা নুংঙাইবদু লন-থুমগীদমক্তা মাযকৈ শলাই থঙদনা কোযচেল চেল্লিবা মীশিংদুনা কদাযদগী ফংবা ঙমগনি!

যৌবনং ধন-সম্পত্তিঃ প্রভুত্বমবিবেকতা।
একৈকমপ্যনর্থায় কিমু যত্র চতুষ্টয়ম্॥২০১ *(নারদ পুরাণ)*

যৌবন, লন থুম, মপু ওইনগী অচাওবম অমসুং অফ ফত্তগী ৱাখল খল্লদনা- মখোযশিংসিদগী অমমম্লসু মীওইবগী মাঙনবগী মশক ওইহল্লি। মখোয মরিমক পুম্না লৈববদি মতমদুদা করি অমুক ঙাযকগনি।

অসন্তোষঃ পরং দুঃখং সন্তোষঃ পরমং সুখম্।
সুখার্থী পুরুষস্তস্মাৎ সন্তুষ্টঃ সততং ভবেৎ॥২০২ (পদ্মপুরাণ)

পেনবা হৈতবা হায়বসিনা খ্বাইদগী চাউবা অৱাবনি অমসুং অপেনবা হায়বসিনা খ্বাইদগী চাউবা নুংঙাইবনি। মবম অসিনা নুংঙাইবা পাম্বা মীওইনা মতম পুম্বদা পেনবা হৈগদবনি।

উদারস্য তৃণং বিত্তং শূরস্য মরণং তৃণম্।
বিরক্তস্য তৃণং ভার্য্যা নিঃস্পৃহস্য তৃণং জগৎ॥২০৩

পুকচেল চাওবা মীগীদি লন, থৌনা ফবা মীগীদি শিবা, অপাম্বা লৈতবা (বিরক্ত ওইববা) মীগীদি নুপী অদুগা মীতৌবা লৈত্রবা মীগীদি সংসার অসি [illegible]।

যঃ সমুৎপতিতং হর্ষং দৈন্যং বা ন নিগচ্ছতি।
স নশ্যাতি শ্রিয়ং প্রাপ্য পাত্রমামমিবাম্ভসি॥২০৪ (মনু)

থেংনরিবা অবা-নুংঙাইবু মাযোক্নবা ঙমদবা মীদু লন-থুম ফংলগা [illegible] চনু অহিংবগী মতৌ [illegible] নাংহল্লি।

সন্তোষস্ত্রিষু কর্ত্তব্যঃ স্বদারে ভোজনে ধনে।
ত্রিষু চৈব ন কর্ত্তব্যো দানে তপসি পাঠনে॥২০৫ (চাণক্য)

ইশাগী নুপী, অফংবা চিংনাক অমসুং লৈজবা লন অহুমসিদা পেনবা [illegible]নি। অদগা দান, তপ অমসুং শাস্ত্র [illegible] ঙৈনাইবদাদ কনিগুম্বদসু [illegible] নাইরোইননি।

সুভাষিতেন গীতেন যুবতীনাং চ লীলয়া।
মনো ন ভিদ্যতে যস্য স যোগী হ্যথবা পশুঃ॥২০৬

অফবা নুংশিবা বাঙাং, ঈশৈ অমসুং মথোৎ কাববী লৈশাবী শিংগী মাৎসে, নায়েংদা মপাক্লুং শুক্কৎত্রবা মীদু যোগীনি নৎত্রগা শানি।

হকচাং ফবা

পুনর্বিত্তং পুনর্মিত্রং পুনর্ভার্য্যা পুনর্মহী।
এতৎসর্বং পুনর্লভ্যং ন শরীরং পুনঃ পুনঃ॥২০৭ (চাণক্য)

লন থুম, লম, মকপ ম [illegible] অমসুং নুপী হায়বাসি মতম পম্বদা ফংবা [illegible] হকচাং হায়বাসাদ [illegible] ঙমদে।

অশ্মা ভবতু নস্তনূঃ ॥২০৮ *(যজুর্বেদ)*

ঐখোযগী হকচাং অসি নুংগুম্না কনবা ওইসনু।

ভদ্রং জীবন্তো জরণামশীমহি ॥২০৯ *(ঋগ্বেদ)*

ঐখোযনা অফবা অমসুং অথোইবা পুন্সি লেন্দুনা অহল ওইবকপা ওইসনু।

অহং সর্বমায়ুর্জীব্যাসম্ ॥২১০ *(অথর্ববেদ)*

ঐনা পুন্সিদা আযু মপূং ফানা ফংবা ওইজগে।

বাঙ্ ম আসন্নসোঃ প্রাণশ্চক্ষুরক্ষ্ণোঃ শ্রোত্রং কর্ণয়োঃ।

অপলিতাঃ কেশা অশোণা দন্তা বহু বাহ্বোর্বলম্।

উর্বোরোজো জঙ্ঘয়োর্জবঃ পাদয়োঃ প্রতিষ্ঠা ॥২১১ *(অথর্ববেদ)*

ঐগী ব্রাহৈ ব্রাঙাঙ্, ঐগী থবায, মীৎ অমসুং নাকোং পৃন্নমক অসি মাগী মাগী মখৌ তৌবদা ঙম্না ওইসনু, ঐগী শমশিংসি মুনা লৈসনু। যাদসু অকাযবা অমত্তা লৈতবা ওইসনু। পাম্বোম অনীদসু মতিক চানা পাঙ্গল লৈবা ওইসনু। ফৈক অনীদসু শক্তি অদুগা খৃউ অনীদসু ঈচলগী পাঙ্গল অদুগা খোঙদসু অচেৎপা ওইসনু।

যথা দ্যৌশ্চ পৃথিবী চ ন বিভীতো ন রিষ্যতঃ।

এবা মে প্রাণ মা বিভেঃ এবা মে প্রাণ মা রিষঃ ॥২১২ *(অথর্ববেদ)*

পৃথিবী অমসুং দ্যুলোক হাযবদি স্বগনা কেদৌঙেদসু আকবা লৈতবগুম অমদি মযেং তাবা লৈতবগুম হে ঐগী থবায ' নঙসু অকিনা লৈগনু, নঙসু মযেং তাগনু।

যথা বায়ুশ্চান্তরিক্ষং চ ন বিভীতোন রিষ্যতঃ।

এবা মে প্রাণ মা বিভেঃ এবা মে প্রাণ মা রিষঃ।২১৩

হে ঐগী থবায ' নুংশিৎ অমসুং আকাশনা অকিবা পোক্তবগুম অমসুং মযেং তাদবগুম নঙসু অকিবা লৈগনু, মযেংসু তাগনু।

সমদোষঃ সমাগ্নিশ্চ সমধাতুমলক্রিয়ঃ।

প্রসন্নাত্মেন্দ্রিয়মনাঃ স্বস্থ ইত্যভিধীয়তে ॥২১৪ *(সুশ্রুত)*

বাত, পিত্ত, কফ (মৈ, ঈশিং, নুংশিৎ) কৌবা দোম অহুমসি চাং মান্ননা লৈবিবা পুক্কী মৈনা চাং মান্নবিবা, ধাতু অমসুং মলগী থবক্না নীংথিনা তৌরিবা অদুগা মহাক্কী আত্মা পুক্নিং অমসুং ইন্দ্রিযশিংনা মকা লাম্না লৈবিবা মীদু হকচাং ফবা কৌই।

উষ্ণ এব জীবিষ্যন্। শীতো মরিষ্যন্॥২১৫ *(শতপথ ব্রাহ্মণ)*

অহিংবা মীদি ফোং ফোং শাই অদুগা অশিবা মীদি ঈংই।

অন্নমূলং বলং পুংসাং বলমূলং হি জীবনম্॥২১৬ *(সুশ্রুত)*

চিঞ্জাক্লা পাঙ্গলগী মরূনি অদুগা পুন্সি অসি পাঙ্গলগী মখা পোনবনি।

বর্ণপ্রসাদঃ সৌস্বর্যং জীবিতং প্রতিভাসুখম্।

তুষ্টিঃ পুষ্টির্বলং মেধা সর্বমন্নে প্রতিষ্ঠিতম্॥২১৭ *(চরক)*

কুচু, খোঞ্জেল ফজবা, পুন্সি, মতিক মঙাল, নুংঙাইবা, পেনবা, যোকখৎপা, পাঙ্গল অমসুং বুদ্ধি পুন্নমক অসি চাক হাযবদি চিঞ্জাক্কী মপাল তাংই।

গুণাশ্চ ষণ্মিতভুক্তং ভজন্তে আরোগ্যমায়ুশ্চ বলং সুখঞ্চ।

অনাবিলং চাস্য ভবত্যপত্যং ন চৈনমাদ্যূন ইতি ক্ষিপন্তি॥২১৮

(মহাভারত)

চাং কক্লা চাবা মীনা গুণ তরুক অসি ফংই না-যেক্তবা, পুন্সি, পাঙ্গল অমসুং নুংঙাইবা অদুগা মসিদা নত্তনা মাগী মচা মশুসু মশক ফজে অদুগা মীনা মাবু 'যাম্না চাবা থিবোংজাউ' হাযদুনা কবেম্নদে।

অনারোগ্যমনায়ুষ্যমস্বর্গ্যং চাতিভোজনম্।

অপুণ্যং লোকবিদ্বিষ্টং তস্মাত্তৎপরিবর্জয়েৎ॥২১৯ *(মনু)*

চাক যাম্না চাবা হাযর্বসি হকচাং, পুন্সি, স্বর্গ অমদি পুণ্য মাঙহনবগা লোযননা মীনা নিন্দা তৌনীংঙাইনি অদনা মসি থাদোক্কদবনি।

পথ্যে সতি গদার্তস্য কিমৌষধনিষেবণৈঃ।

পথ্যেঽসতি গদার্তস্য কিমৌষধনিষেবণৈঃ॥২২০ *(লোলিম্ববাজ)*

অনাবনা অফবা চীঞ্জাক হাযবদি অনাবনা চাফম থোকপা চাববদি হিদাক চাবগী কাব কান্নগনি। অদুগা মহাক্লা অফবা চিঞ্জাক হাযবদি অনাবনা চাফম থোকপা চাদ্রবদি হিদাক চাবগী কবি কান্নগনি।

পথ্যাশী ব্যায়ামী স্ত্রিষু জিতাত্মা নরো ন রোগী স্যাৎ॥২২১ *(চরক)*

অফবা চীঞ্জাক চাবিবা, হকচাং শাজেল তৌবিবা, ব্রহ্মচর্য্য ঙাক্লিবা মীনা কৈদৌনুংদসু নাদে।

আহারনির্হারবিহারয়োগাঃ,

সদৈব সদ্ভির্বিজনে বিধেয়াঃ ॥২২২ *(ভাব-প্রকাশ)*

বুদ্ধি লৈবা মীনা চাবা থকপা, খোঙ হান্বা, মপান থোকপা অমদি নুপী উনবদা- মতম পূম্বদা ইতোমতা তৌগনি।

চিন্তা জ্বরো মনুষ্যাণাং ক্ষুধাং নিদ্রাং বলং হরেৎ।
রূপমুৎসাহবুদ্ধিং শ্রীং জীবিতং চ ন সংশয়ঃ॥
জ্বরো ব্যতীতে ষডহে জীর্ণজ্বর ইহোচ্যতে।
অসৌ চিন্তাজ্বরস্তীব্রঃ প্রত্যহং নবতাং ব্রজেৎ॥২২৩

চিন্তাগী মশক ওইববা লাইহৌনা মীওইবগী অবাম্বা, তৃম্বা অমদি শক্তি অদুগা শক-চ্, থৌনা-বুদ্ধি, লন-থুম অমসুং পুন্সিবু লেপ্পমক মাঙহল্লি। চুম্নগী লাইহৌদি নুমিৎ ৬নি হেল্লগা অকম-লাইহৌ কৌনৈ অদুবু কল্লবা রাখলগী লাইহৌদি নুমিৎ খুদিংগী ইনৌদা নৌদুনা লৈ।

রোগার্দিতা ন ফলান্যাদ্রিয়ন্তে,

ন বৈ লভন্তে বিষয়েষু তত্ত্বম্।

দুঃখোপেতা রোগিণো নিত্যমেব

ন বুধ্যন্তে ধনভোগান্ন সৌখ্যম্॥২২৪ *(মহাভারত)*

লাগনানা লাকহৎলবা মীনা মতৈবু ইকাই খুম্নদে। বিষয়শিংদসু মান নুংঙাইবা ফংদে। অনাবা মীদি মতম পূম্বদা ৱাদুনতা লৈ। মখোযদা লন থুম ভোগ তৌবগী, নুংঙাইবগী বাখল ফাউদে।

মৃতকল্পা হি রোগিণঃ ॥২২৫ *(মহাভারত)*

অনাবা মীদি অশিবগা মান্নববনি।

জীবামি শতবর্ষং তু নন্দামি চ ধনেন বৈ।
ইতি বুদ্ধ্যা সঞ্চিনুয়াদ্ধনং বিদ্যাদিকং সদা॥২২৬

চৈনা চহি চাম্মা হিংগনি অদুগা লন থুমগী নুংঙাইবা ফংগান খন্দুনা মতৈ অমদি লন থুমবু মতম পূম্বদা তানশিনগনি।

গৃহ-পরিবার (ইমুং মনুং, শাগৈ-নাতৈ)

সূনৃতাবন্তঃ সুভগা ইরাবন্তো হসামুদাঃ।
অক্ষুধ্যা অতৃষ্যাসো গৃহামাস্মদ বিভীতন॥২২৭ *(অথর্ববেদ)*

অমগা অমগা নুংশিবা অমদি লৈবাকমচা তাবা, ফজবা রা ঙাঙনবিবা, লাইবক ফবনা লেঙদনা লৈ শিবা, মযাম পূন্না নুংশিননা চামিন থকমিন্নবিবা, মী খুদিংমক নোক খেনা লৈমিন্নবিবা অদুগা কনাসু চাদ-থক্তনা অমদি অবাম থৌবাংনা লৈতবা যুমশিংদুদা আকিবা হাযবদু চঙ্লক্কে।

যথা নদীনদাঃ সর্বে সাগরে যান্তি সংস্থিতিম্।
তথৈবাশ্রমিণঃ সর্বে গৃহস্থে যান্তি সংস্থিতিম্॥২২৮ *(মনু)*

তুবেল মচা অমসুং অচৌবা পূন্নমক্না সমুদ্রদা তিন্নবগুম অতৈ আশ্রমদা লৈবিবা- ব্রহ্মচারী, বানপ্রস্থী, সংন্যাসী পূন্নমক অসি গৃহস্থদগী মতেং ফংই।

যদি রামা যদি চ রমা যদি তনয়ো বিনয়োপেতঃ।
তনয়ে তনয়োৎপত্তিঃ সুরবরনগরে কিমাধিকাম্॥২২৯ *(চাণক্য)*

যুমদা নুপী লৈববা, ইনাক্তা লন-থুম রাৎত্রবা, ইচাসু মবম মোক্লবা, ইচাগীসু মচা লৈববদি স্বর্গনা কৈদৌনকানি।

অস্তি পুত্রো বশে যস্য ভৃত্যো ভার্য্যা তথৈব চ।
অভাবেঽপ্যতিসন্তোষঃ স্বর্গস্থোঽসৌ মহীতলে॥২৩০ *(চাণক্য)*

মচা মনাই অমসুং নুপীনা ইন্দা লৈদুনা হাযবা ইল্লবা, অৱাৎ অপা লৈববসু পেন্দুনা লৈবা ঙম্লবা মাদু পৃথিবীদা লৈববসু স্বর্গদা লৈবগুম্বনি।

মোহাদনাদি গহনাদনন্ত গহনাদপি।
পতিতং ব্যবসায়িন্যস্তারয়ন্তি কুলস্ত্রিয়ঃ॥
শাস্ত্রার্থগুরুমন্ত্রাদি তথা নোত্তারণক্ষমম্।
যথৈতাঃ সনেহশালিন্যো ভর্তৃণাং কুলয়োষিতঃ।
সখা ভ্রাতা সুহৃদ্ ভৃত্যো গুরুর্মিত্রং ধনং সুখম্।
শাস্ত্রমায়তনং দাসঃ সর্বং ভর্তুঃ কুলাঙ্গনাঃ॥২৩১ *(যোগবাসিষ্ঠ)*

মনাপি অনন্ত অদুগা পুৰনা অপাম্বগী ঈপাক্তা তাববা মপুবোইবশিংবু শিনফমদা হৌশিংলবা শাগৈগা নুপীশিংনা লাম্থোকহনবা ঙম্মী। শাস্ত্র গুরু মন্ত্রনচিংবনসু মীওইববু নুংশি হৈববী শাগৈগী নুপীশিংনা লালহনবা ঙম্বগুম ঙমদে। মখোয় অসি মপুবোইবগী মরূপ, মচিন মনাও, চান্নবা মীওই, মনাই, গুরু, লন, নুংঙাইবা, শাস্ত্র, যুমকৈ অমসুং মীনাই মীশেল পূম্নমক ওই।

পূজনীযা মহাভাগাঃ পুণ্যাশ্চ গৃহদীপ্তয়ঃ।
স্ত্রিযঃ শ্রিযো গৃহস্যোক্তাস্তস্মাদ্রক্ষ্যা বিশেষতঃ॥২৩২ *(মহাভাবত)*

নুপী হাযবসি পুজা তৌজনীংঙাই মশক ওইববী মবাইবক ফববী অশেংবী অমসুং যুমগী লৈতেংনি। মখোয়বু যুমগী লক্ষ্মীনি হাযনৈ। মবম অসিনা মখোযবু চেকশিন্না ঙাক শেনবীগদবনি।

ভার্য্যায়াং জনিতং পুত্রমাদর্শেষ্বিব চাননম্।
হ্লাদতে জনিতা প্রেক্ষ্য স্বর্গং প্রাপ্যেব পুণ্যকৃৎ॥২৩৩

মশাগী নুপীদা পোকপা মচাবু মিংশেন্দা মশাগী মমাযগী মমি ভাবগুম উজবগা পুণ্যাত্মানা স্বর্গ ফংজবগুম মপানা হবাউজৈ।

অন্তঃকরণতত্ত্বস্য দম্পত্যোঃ স্নেহসংশ্রয়াৎ।
আনন্দগ্রন্থিরেকোঽযমপত্য ইতি বধ্যতে॥২৩৪ *(ভবভূতি)*

মচাতনা নুপী নুপা অনীগী নুংশিবনা তিল্লবা থম্মোযশিংবু লংলা অমদা পুনশিল্লিবা নুংঙাইবগী মশক ওইববা লীপুননি।

অঙ্গপ্রত্যঙ্গজঃ পুত্রো হৃদযাচ্চাভিজাযতে।
তস্মাৎপ্রিযতবো মাতুঃ প্রিযা এব তু বান্ধবাঃ॥২৩৫ *(বামাযণ)*

মচা হাযবসি হকচাং অমসুং হকচাং কাযাৎশিং অমসুং থম্মোয়দগী পোকই। মবম অসিনা মমানা মযামদগী হেন্না নুংশিজে। অতি মবা মতাদি চুন্নগী নুংশিজবতনি।

কিং তেন জাতু জাতেন মাতুর্যৌবনহারিণী।
আবোহতি ন যঃ স্বস্য বংশস্যাগ্রে ধ্বজো যথা॥২৩৬ *(পঞ্চতন্ত্র)*

মাদ পোকপনা শুপ্লগী মমাগী নহা ওইববু মাঙহনবা মচা অদু পোকপনা কবি কান্নগনি। মহাক্না শাগেগী মবক্তা পুন্নমক্তগী বাংনা ফিবালগন্না লেপ্পা ঙমদ্রবদি পোকপগী কান্নদ্রে।

বযং পঞ্চ, বযং পঞ্চ, বয়ং পঞ্চ, শতঞ্চ তে।
অনৈস্সহ বিবাদে তু বয়ং পঞ্চশতং হি বৈ॥২৩৭ *(মহাভাবত)*

যুধিষ্ঠিবনা হাযখি— ঐখোয পাণ্ডব অসি মঙাদনি, ঐখোয় মঙাদনি, ঐখোয মঙাতনি অদুগা মখোয়না চাম্মনি অদুবু অতৈগা শৎনববদি ঐখোয পুন্নমক পুল্লগা চাম্মমঙানি।

গুণ চেনবগী কান্নবা

শরীরস্য গুণানাঞ্চ দূরমত্যন্তমন্তরম্।
শরীরং ক্ষণবিধ্বংসি কল্পান্তস্থায়িনো গুণাঃ ।।২৩৮ *(চাণক্য)*

হকচাংগা গুণগা য়াম্না খেন্নে। হকচাংদি মীকুপতা মাঙই অদুবু গুণশিংদি কল্পা অমনা লোইবা ফাউবা হায়বদি মতম পূম্বদা হিংদুনা লৈ।

গুণাঃ সর্বত্র পূজ্যন্তে ন মহত্যোঽপি সম্পদাঃ।
পূর্ণেন্দুর্ন তথা বন্দ্যো নিষ্কলঙ্কো যথা কৃশঃ ।।২৩৯ *(চাণক্য)*

মফম পূম্বদা গুণতবু পুজা তৌনে। মপান নাইদ্রবা লন-থুমবু তৌনদে। কলঙ্ক লৈত্রবা কলা মপৃং ফাদ্রবা নিনি পানবা থাবু পুজা তৌনে অদুবু মপৃং ফাববা পূর্ণিমাগী থাজবুদি তৌনদে।

গুণো ভূষয়তে রূপম্, শীলং ভূষয়তে কুলম্।
সিদ্ধির্ভূষয়তে বিদ্যাং ভোগো ভূষয়তে ধনম্ ।।২৪০ *(চাণক্য)*

গুণনা শকপু ফজবা হেনগৎহল্লি। লমচৎনা শাগেগী ফজবা হেনগৎহল্লি, সিদ্ধিনা বিদ্যাগী মগুণ হেনগৎহল্লি অদুগা ভোগনা লনবু লৈতেং ওইহল্লি।

গুণাঢ্যো হ্যাঢ্য উচ্যতে ।।২৪১ *(শ্রীমদ্ভাগবত)*

গুণ লৈবা মীবু লন চেনবা মীনি হাযনা কৌনে।

একোঽপি গুণবান্ পুত্রো নির্গুণৈশ্চ শতৈর্বরঃ।
একশ্চন্দ্রস্তমো হন্তি ন চ তারাশতৈরপি ।।২৪২ *(চাণক্য)*

গুণ লৈবা মচা অমনসু গুণ লৈতবা মচা চাম্মদগীসু হেন্না ফৈ। মতোমতা ঙানবা থানা অমম্বা পূম্বা মাঙহল্লি অদুবু থবানমিচাক লিশিংনসু অমম্বা কোকহনবা ঙমদে।

গুণাঃ গুণজ্ঞেষু গুণা ভবন্তি তে নির্গুণং প্রাপ্য ভবন্তি দোষাঃ।
আস্বাদ্যতোয়াঃ প্রভবন্তি নদ্যঃ সমুদ্রমাসাদ্য ভবন্ত্যপেয়াঃ ।।২৪৩
(হিতোপদেশ)

গুণ খঙবা মীওইশিংতগী মফমদা গুণ হাযবসি গুণ ওইদুনা অফবা ওইহল্লি। গুণ যাওদবা মীশিংদা লৈবগদি মখোয়দু ফত্তবা দোষ ওল্লি। মঠৌশানা তুবেলগী ঈশিং অসি থকপদা হাউই অদুবু সমুদ্রদা তিল্লুরগদি মদু য়াক্তনা থকপা য়াদে।

বিদ্যয়া বপুষা বাচা বস্ত্রেণ বিভবেন চ।
বকারৈঃ পঞ্চভির্যুক্তো নরঃ প্রাপ্নোতি গৌরবম্॥২৪৪

(পদ্মপুরাণ)

বিদ্যা, বপু (নাদ-যেক্তবা হকচাং), বাণী (ফজবা ৱাহৈ), বস্ত্র (ফিজোল) অমসুং বিভব (লন-থুম)– 'ব' না হৌবা মখোয অসিনা তিল্লবা নুপাদু মতিক মগুণ চেনবা ওই।

অকিঞ্চনত্বং রাজ্যং চ তুলয়া সমতোলয়ন্।
অকিঞ্চনত্বমধিকং রাজ্যাদপি জিতাত্মনঃ॥২৪৫ *(পদ্মপুরাণ)*

শেব ফলাগী ফলা নাম্মদা যাম্না নোম্না লৈবা (অকিঞ্চন) অদুগা অতোপ্পা অমদনা নীংথিববা লৈবাক অমা (রাজ্য) থম্লগা ওল্লবাদ মশাবু জয় তৌববা মীদুগী ৱাখলনা হেন্না লূমগনি।

ষডেব তু গুণাঃ পুংসা ন হাতব্যাঃ কদাচন।
সত্যং দানমনালস্যমনসূয়া ক্ষমা ধৃতিঃ॥২৪৬ *(মহাভারত)*

সত্য, দান, অতনবা লৈতবা, মীগী মবাল উদবা, ঙাকপীগৈবা অমসুং অখাং কনবা হায়বা গুণ তরুক অসি মী ওইবনা কৈদৌঙৈদা থাদো ক্লোইদবনি।

ষড় দোষাঃ পুরুষেণেহ হাতব্যা ভূতিমিচ্ছতা।
নিদ্রা তন্দ্রা ভয়ং ক্রোধ আলস্যং দীর্ঘসূত্রতা॥২৪৭ *(মহাভারত)*

চাওখৎপা নুংঙাই যাইফবা পাম্বা মীওইনা নিদ্রা (যাম্না তুম্বা), তন্দ্রা (হৈনীংদবা), অকিবা, অশাউবা, অতনবা অমসুং ঙসি হযেং হাযদনা থবক যৈথোকপা হায়বা তরুক অসি থাদোক্কদবনি।

সম্পৎসরস্বতী সত্যং সন্তানং সদনুগ্রহঃ।
সত্তা সুকৃতসম্ভারঃ সকারাঃ সপ্ত দুর্লভাঃ॥২৪৮

সম্পত্তি, সরস্বতী (বিদ্যা), সত্য, সন্ততি (মচা মশু), সৎপুরুষকী থৌজাল, সত্তা (অধিকার), সুকৃত-সঞ্চয় (অফবা তানশিনবা)- 'স' না হৌবা মখোয তরেৎ অসি যাম্না তাঙবা পোৎনি হাযরদি মখোয় তরেৎ অসি মী অমদা পূন্না লৈবা ঙমদে।

ন দ্বিষন্তি ন যাচন্তে পরনিন্দাং ন কুর্বতে।
অনাহুতা ন চায়ান্তি তেনাশ্মানোঽপি দেবতাঃ॥২৪৯

কনাদসু যেংথিদবা, কনাদগীসু নিদবা, মী অতোপ্পগী নিন্দা তৌদবা অদুগা মীনা কৌদনা লাক্তবা মবর্মসিনা নুংসু লাইনি হাযনা লৌনৈ।

অক্ষরাণি পরীক্ষ্যন্তামম্বরাডম্বরেণ কিম্।
শম্ভুরম্বরহীনোঽপি সর্বজ্ঞঃ কিং ন জায়তে॥২৫০

মী অমবু মতিক চাববা চাদবরা হায়বগী মুন্না চাংয়েং তৌগনি, ফিজোলগী তাংনা কবি তৌনগনি। শিবজীনা দিগম্বর (ফি শেংতবা) ওইববসু সর্বজ্ঞনি (জ্ঞান লৈবা) হায়না লৌনদব্রা ?

দানেন ভোগী ভবতি, মেধাবী বৃদ্ধসেবয়া।
অহিংসয়া চ দীর্ঘায়ুরিতি প্রাহুর্মনীষিণঃ॥২৫১

জ্ঞানীশিংনা হায়বা মতুং ইন্না মী ওইবনা দান তৌবগা— ভোগী, অহল লমনগী সেবা তৌবগা— মেধাবী (বুদ্ধি লৈবা) অমসুং অহিংসা ঙাক্লগা— কুইনা পুন্সিবা ওই।

গুণেষু ক্রিয়তাং যত্নঃ কিমাটোপৈঃ প্রয়োজনম্।
বিক্রীয়ন্তে ন ঘণ্টাভির্গাবঃ ক্ষীরবিবর্জিতঃ॥২৫২

গুণ লৈননবগীদমক্তা হোৎনগদবনি, মপাম্বোংগী তৌশিন্নবনা করি কায়গনি। শঙ্গোম থোক্কবা ষণগী মঙক্তা শনিক শিবীবগা শিংপা (য়োনবা) যাবা নত্তে।

আবদ্ধকৃত্রিমসটাজটিলাংসভিত্তি-
রারোপিতো মৃগপতেঃ পদবীং যদি শ্বা।
মত্তেভকুম্ভতটপাটনলম্পটস্য,
নাদং করিষ্যতি কথং হরিণাধিপস্য॥২৫৩ *(ভল্লট)*

হূইবু মবেংবান রাংখৎহল্লগা অমদি খোযনা উননবা অশাংবা মশোং হাপচিল্লগা নোংশাগী ফম্পাক্তা থাঙ্গৎতুনা ফমহল্লবসু মানা মযাই কাববা শামুশিংবু থিনগাযনিবা নোংশাগী খোল্লাদো লাউবা ঙমগদ্রা?

একো হি দোষো গুণসন্নিপাতে,
নিমজ্জতীন্দোঃ কিরণেষ্বিবাঙ্কঃ॥২৫৪ *(কালিদাস)*

গুণ মযামগী মবক্তা দোষ অমত্তং যাওরদি থাগী ঙাল্লবা মঙালগী মবক্তা অমুবা মাযহাংনা লোৎখিবগুম উবা ফংদে।

কাতরা যেঽপ্যশক্তা বা নোৎসাহস্তেষু জায়তে।
প্রায়েণ হি নরেন্দ্রশ্রীঃ সোৎসাহৈরেব ভুজ্যতে॥২৫৫

(স্বপ্নবাসবদত্তা)

তপথবা অমদি অখাং কনবা অদুগা থবক তৌবগী শক্তি লৈতবা মীশিংদা হৌনিংবা থৌনা হাযবদু পোক্তে। অযাম্বগী ওইনা হৌনিংবা থৌনা লৈবা মীশিংতনা রাজলক্ষ্মী ভোগ তৌই।

ন ধৈর্যেণ বিনা লক্ষ্মীঃ ন শৌর্যেণ বিনা জয়ঃ।
ন জ্ঞানেন বিনা মোক্ষো, ন দানেন বিনা যশঃ॥২৫৬

অথাং কনবা তপথবা য়াওদনা লক্ষ্মী ফংদে, অকন-অথৌগী থৌনা যাওদনা লান্দা বিজয় ফংদে। জ্ঞান য়াওদনা মোক্ষ অমদি দান য়াওদনা মিংচৎ ফংদে।

দানং প্রিয়বাক্যসহিতং জ্ঞানমগর্বং ক্ষমান্বিতং শৌর্যম্।
বিত্তং ত্যাগনিযুক্তং দুর্লভমেতচ্চতুর্ভদ্রম্॥২৫৭

নুংশিবা ৱাঙাড়্গা লোয়নবা দান, নাপল যাওদবা জ্ঞান, ঙাকপীহৈবগা লোযনবা মতিক মগুণ অদুগা দানগীদমক্তা লেপ্লবা লন, অসিগুম্বা অথোইবা গুণ মরি অসি অতাণ্ডবনি।

ক্ষমাগুণো হ্যশক্তানাং শক্তানাং ভূষণং ক্ষমা।২৫৮ *(মহাভারত)*

ঙাকপী হৈবা হাযবসি শক্তি লৈত্রবশিংগী গুর্ণনি অদুগা শক্তি লৈবশিংগীনা লৈতেংনি।

যস্য প্রসাদে পদ্মাস্তে বিজয়শ্চ পরাক্রমে।
মৃত্যুশ্চ বসতি ক্রোধে, সর্বতেজোময়ো হি সঃ॥২৫৯

মহাক্না পেল্লগা লক্ষ্মী ফংবা অদুগা মাগী মথৌনাদা বিজয লৈবা অমসুং অশাউবদা মৃত্যু লৈবা মীদু যাম্না থোইদোক্না মতিক মগুণ লৈবা কৌই।

যস্মিন্ রুষ্টে ভয়ং নাস্তি তুষ্টে নৈব ধনাগমঃ।
নিগ্রহোঽনুগ্রহো নাস্তি স রুষ্টঃ কিঙ্করিষ্যতি॥২৬০

মহাক্না শাউদোক্লকপদা মীনা কিবিদ্রবা, মানা পেনবীববদসু কবিমত্তা কান্নবা ফংদ্রবা, দণ্ডিসু পীবা ঙমদ্রবা, থৌজালসু ভৌবীবা ঙমদ্রবা মহাক অদুনা শাউবগা কবি তৌনগনি।

ব্রহ্মানন্দরসং পীত্বা যে তু উন্মত্তয়োগিনঃ।
ইন্দ্রোঽপি রঙ্কবদ্ভাতি কা কথা নৃপকীটকঃ॥২৬১

ব্রহ্মানন্দগী মশক ওইরবা বসপু থক্লগা মযাই কাদুনা লৈবিবা যোগীশিংনা ইন্দ্র ফাওববু য়াম্না তোনবা জীবনি হায়না খল্লি, চুম্নগী নিংথৌগী ৱাদি কবি অমুক হায়রুনি।

ধনবান্বলবাংল্লোকে সর্বঃ সর্বত্র সর্বদা।
প্রভুত্বং ধনমূলং হি রাজ্ঞামপ্যপজায়তে॥২৬২

সংসারদা মতম পুম্বদা মফম পুম্বদা লন লৈবনা পাঙ্গল কল্লি। নিংথৌশিংনা চাউবিবগী মবমসু লনগী মপান্ননি।

ধনৈর্নিষ্কুলীনাঃ কুলীনা ভবন্তি,
ধনৈরাপদং মানবা নিস্তরন্তি।
ধনেভ্যঃ পরো বান্ধবো নাস্তি লোকে,
ধনান্যর্জয়ধ্বং ধনান্যর্জয়ধ্বম্॥২৬৩

শাগৈ ফত্তবসু লনগী মপান্না শাগৈ ফবা ওই। লনগী মতেংনা মীওইবনা অৱাবা খুদোংথিবদগী নাম্ভোকই। সংসাব অসিদা লনদগী হেনবা অথোইবা মরুপ অমা লৈত্রে। মবম অসিনা লনবু ভানগদবনি, লনবু ভাল্লু লনবু ভাল্লু।

অর্থো নরাণাং পতিরঙ্গনানাং, বর্ষা নদীনামৃতুরাট্ তরূণাম্।
স্বধর্মচারী নৃপতিঃ প্রজানাং, গতং গতং যৌবনমানয়ন্তি॥২৬৪

নুপাশিংগীনা লন-থুম, নুপীশিংগীনা মপুবোইবা, ভুবেলশিংগীনা নোংজুথা, উপাল ৱাপালশিংগীনা বসন্ত ঋতু, প্রজাশিংগীনা মথৌ নীংথিনা পাঙথোকপা নিংথৌ- হাযবিবা পোৎলম মবি অসিনা হৌত্রবা নহা ওইবগী মতমবু অমুক হন্না লাকহল্লি।

আকারমাত্রে বিজ্ঞাতে সম্পাদিতমনোরথাঃ।
তে ধন্যা যে ন শৃণ্বন্তি দীনাঃ কামার্থিনাং গিরঃ॥২৬৫

মশক হেক উবদা অনীংবা থুংহনবীবিবা অদুগা চাকনীবশিংদগী অতোনবা বাঙাঙ্ তাহন্দবা মীশিংদু থাগৎনিংঙাইনি।

প্রথমদিবসচন্দ্রঃ সর্বলোকৈকবন্দ্যঃ
স চ সকল কলাভিঃ পূর্ণচন্দ্রো ন বন্দ্যঃ।
অতিপরিচয়দোষাৎ কস্য নো মানহানি-
র্নবনব গুণরাগী প্রায়শঃ সর্বলোকঃ॥২৬৬

পানখৎলকপগী অহানবা নুমিৎকী থাবু মীপুম খুদিংনা খুকয়ে। অদুগা কলা পূম্বনা থল্লবা থাবুদি খুকয়দে। হেন্না শকখঙ্ মাযখঙকবগী দোষনা কনাগী ইজ্জৎ মাঙ্দবগে। সংসাব হাযবসিদি মহৌশানা অনৌ অনৌবা গুণশিংতবু পায়ে।

নিস্সারস্য পদার্থস্য প্রায়েণাডম্বরো মহান্।
ন সুবর্ণে ধ্বনিস্তাদৃগ্যাদৃক্কাংস্যে প্রজায়তে॥২৬৭

মচি যাওদবা পোত্তা অযাম্বনা মপাম্ভোংগী ভৌশিন্নবনা যাম্মী। শেঙ্গুংগী কোন্দগী থোবকপা মখোলদু সনাদগীদি থোক্তে।

বলবানপি নিস্তেজাঃ কস্য নাভিভবাস্পদম্।
নিঃশঙ্কং দীয়তে লোকৈঃপশ্য ভস্মচয়ে পদম্॥২৬৮

মপাঙ্গল কল্লগসু মতিক মঙাল য়াওদ্রবদি কনানা থিনা তৌবিদবা য়াওবগে। য়েংউ, মৈনা চকপ্রবা উংকী মপৈদা মীনা অকিবা লৈতনা খোঙনা নেংলি।

ন বৈরমুদ্দীপয়তি প্রশান্তং, ন দর্পমারোহতি নাস্তমেতি।
ন দুর্গতোহস্মীতি করোত্যকার্যং তমার্যশীলং পরমাহুরার্যাঃ॥২৬৯

(মহাভারত)

হান্না অমুক নেমথপ্রবা য়েক্লবা রাখলবু অমুক হন্না হৌগৎহন্দবা, নাপল তৌদবা, অতোনবা রাখল উৎতবা অদুগা ঐ অরাবদা তাববনি হায়না কবিগুম্বদা ফত্তবা থবক তৌদবা অথোইবা লমচৎ চেনবা মীদুবু আর্য্যশিংনা অথোইবা মীনি হায়না লৌই।

সমৈর্বিবাহং কুরুতে ন হীনৈঃ সমৈঃ সখ্যং ব্যবহারং কথাঞ্চ।
গুণৈর্বিশিষ্টাংশ্চ পুরে দধাতি বিপশ্চিতস্তস্য নয়াঃ সুনীতাঃ॥২৭০

(মহাভারত)

মান্নবা থাক্কী মীগা লুহোংবা, মরুপ শান্নবা, লোয়নবা তিন্ন-তোংনবা অমদি রাবী রাতাই শান্নবা, অতোনবা মীগদি তৌদবা মগুণ চেল্লবা মীবু শিংথানদুনা থম্বা অসিগুম্বা অশিংবা মীদুগী নীতিদু য়াইদগী অথোইবনি।

অর্থং মহান্তমাসাদ্য বিদ্যামৈশ্বর্য্যমেব বা।
বিচরত্যসমুন্নদ্ধো যঃ স পণ্ডিত উচ্যতে॥২৭১ *(মহাভারত)*

অহেনবা লন থুম, মহৈ অমসুং মতিক মগুণ চেল্লগা নাপলনা থোইচংনদবা মীদু পণ্ডিত কৌই।

দম্ভং মোহং মৎসরং পাপকৃত্যং,
রাজদ্বিষ্টং পৈশুনং পূগবৈরম্।
মত্তোন্মত্তৈর্দুর্জনৈশ্চাপি বাদং,
যঃ প্রজ্ঞাবান্ বর্জয়েৎ স প্রধানঃ॥২৭২

নাপল, মোহ, কল্লকপা, পাপকী থবক, নিংথৌগা যেক্লবা, মীঙোন্দা চিবোল তৌবা, মযামগা যেক্লবা অমসুং ময়াই কাবা অমদি ফত্তবা মীশিংগা শৎনা চৈনলনাচিংবা হায়বিবা মযামসি থাদোকপা মীদু অথোইবা মীনি।

নবে বয়সি যঃ শান্তঃ স শান্ত ইতি কথ্যতে।

ধাতুষু ক্ষীয়মাণেষু শান্তিঃ কস্য ন জায়তে॥২৭৩

নহা ওইবিঙৈদা পূক্লিং ফাথবা ঙম্বা মীদু অশেংবা পূক্লিং তপ্পা কৌই। ধাতুশিংনা ময়েং তাববা কান্দা হায়বদি অহল ওইববা মতমদদি কনানা শান্তি ওইদবগে হায়বদি অহল ওইববদি মশানা অদুম ঈংথজবকই।

জলে তৈলং খলে গুহ্যং পাত্রে দানং মনাগপি।

প্রাজ্ঞে শাস্ত্রং স্বয়ং যাতি বিস্তারং বস্তুশক্তিতঃ॥২৭৪

ঈশিংদনা থাউ, ফত্তবা মীগী মনাদা তাপ্রবা অবোনবা ৱা, মতিক চাবা মীদা তৌবা দান, জ্ঞান লৈবা মীদা লৈবা শাস্ত্র জ্ঞান- খজিক্তা ওইববসু মখোযগী মশাগী হৌনবী শক্তিনা মতোমতা অদুম পাক্‌থোক্‌ শন্দোবক্‌ই।

যাত্যধোঽধো ব্রজত্যুচ্চৈর্নরঃ স্বৈরেব কর্মভিঃ।

কূপস্য খনিতা যদ্বৎপ্রাকারস্যেব কারকঃ॥২৭৫

মীওইবনা মশা মশানা তৌজবা কর্ম্মনা মথক্তা কাখৎলি অদুগা মখাদা চই। খূদমদি গুহা তৌবা মীনা মখাদা চংখি অদুগা ফক্লাং চনবা মীনা মথক্তা কাখৎলি।

আরোগ্যং বিদ্বত্তা সজ্জনমৈত্রী মহাকুলে জন্ম।

স্বাধীনতা চ পুংসাং মহদৈশ্বর্যং বিনাপ্যর্থৈঃ॥২৭৬

লন থুম লৈজদ্রবসু মশা মউ ফনবা, লাইবিক-লাইশু হৈববা, অফবা মীগা মরূপ শান্নববা, অফবা শংগদা পোক্লবা অমসুং মীগী মপান তাঙদবগী রাখল লৈববা মীদু অথোইবা মতিক মংগল ফংই।

অপি শাকং পচানস্য সুখং বৈ মঘবন গৃহে।

অর্জ্জিতং স্বেন বীর্য্যেণ নাপাপাশ্রিত্য কঞ্চন উ॥২৭৭ *(মহাভারত)*

হে ইন্দ্র ! অতোপ্পা মীনা মতেং লৌদনা মশাগী পাঙ্গলনা তাঞ্জদুনা মনা মশিং অমত্তা ওইবনসু মযমদা থোংজদুনা চাববা মীদু নুংঙাইবা ফংই।

সিংহাঃ সৎপুরুষাশ্চৈব নিজধর্মোপজীবিনঃ।

পরাশ্রয়েণ জীবন্তি কাতরাঃ শিশবঃ স্ত্রিয়ঃ॥২৭৮

নোংশা অমসু অথোইবা নাপাদি মশাগী পাঙ্গলনা পুন্সি লেন্দুনা হিংই। নূপী, অঙাং অমসু অযম্বা মখোয়া অদুমসিদি অতোপ্পগী মতেংনা হিংই।

স স্নিগ্ধোঽকুশলান্নিবারয়তি যস্তৎকর্ম যন্নির্ম্মলং।
সা স্ত্রী যানুবিধায়িনী স মতিমান্ যঃ সদ্ভিরভ্যর্চ্যতে॥
সা শ্রীর্যা ন মদং করোতি স সুখী যস্তৃষ্ণয়া মুচ্যতে।
তন্মিত্রং যদকৃত্রিমং স পুরুষো যঃ খিদ্যতে নেন্দ্রিয়ৈঃ॥২৭৯

ফত্তবা থবক্তগী কনবিবা মীদু ঐবু নুংশিবীবা মীনি। দোষ লৈতবা পোৎতু কর্ম্ম কৌই। অহায়বা মতুং ইন্না থবক তৌরিবা মীদু নুপী কৌই। অথোইবা মীনা ফৈ হায়না থাগৎপা মীদু অশিংবা কৌই। নাপল পোক্তবা মীদু লক্ষ্মী কৌই। অপাম খৌরাংবা লৈতবদু নুংঙাইবা মীনি। মীনম সোরি তৌদবা মীদু মকাপনি অদুগা ইন্দ্রিয় ফাবা ঙম্লবদি মীদু অশেংবা নুপানি।

সম্পদি যস্য ন হর্ষো বিপদি বিষাদো রণে চ ধীরত্বম্।
তং ভুবনত্রয়তিলকং জনয়তি জননী সুতং বিরলম্॥২৮০

নুংঙাইরবা মতমদসু হরাউদবা অদুগা অৱাবা তাববদসু ৱাদবা অদুগা লানগী মতমদসু লেঙদনা খাংদুনা লৈবা অদুগুম্বা মরোল অহুমগী তিলক ওইরবা মচাদি কনাগুম্বী অতাঙবী মমাতনা পোকই।

অপ্রিয়বচনদরিদ্রৈঃ প্রিয়বচনাঢ্যৈঃ স্বদারপরিতুষ্টৈঃ।
পরপরিবাদনিবৃত্তৈঃ ক্বচিৎক্বচিন্মণ্ডিতা বসুধা॥২৮১ *(ভর্তৃহরি)*

মীনা তাবা নুংঙাইতবা ৱাঙাঙ্ ঙাঙদবা, নুংশিবা ৱাহৈ ৱাতাদনা থল্লবা, মশাগী নুপীভদা পেঞ্জরবা অদুগা মীগী নিন্দা তৌদবা মীওইশিংতনা কবি কবিগুম্বদা পৃথিবী অসি লৈতেংই হায়বদি অসিগুম্বা মীওইশিং অসি মফম পৃম্বদা লৈতে।

গুণী গুণং বেত্তি ন বেত্তি নির্গুণো,
বলী বলং বেত্তি ন বেত্তি নির্বলঃ।
পিকো বসন্তস্য গুণং ন বায়সঃ,
করী চ সিংহস্য বলং ন মূষকঃ॥২৮২

গুণবু মগুণ লৈবা মীতনা মশক খঙ্ই, গুণ লৈতবা মীনা খঙদে। পাঙ্গলবু পাঙ্গল কনবা মীতনা খঙ্ই, পাঙ্গল শোনবা মীনা খঙদে। বসন্ত ঋতুগী মগুণবু কোকিলতনা খঙই, কাক্কা খঙদে। নোংশাগী পাঙ্গলবু শামুতনা খঙ্ই, উচিনা খঙদে।

বিদ্বানেব বিজানাতি বিদ্বজ্জনপরিশ্রমম্।
নহি বন্ধ্যা বিজানাতি গুর্বীং প্রসববেদনাম্॥২৮৩

লাইবিক হৈবা মীনা হোৎনবা- নৈনবগী অৱাবদু লাইবিক হৈবনা খঙই, মচা পোক্তবী অখুংবী নুপীনা মচা পোকপগী চৈনাদু খঙবা ঙমদে।

অযুক্তং স্বামিনো যুক্তং যুক্তং নীচস্য দূষণম্।
অমৃতং রাহবে মৃত্যুর্বিষং রুদ্রস্য ভূষণম্॥২৮৪

তৌবা ঙম্মা মীগীদি ফত্তবা থবকসু অফবা ওই, অদুগা মতিক চাদবা অমদি অতোনবা মীগীদি অফবা থবকসু ফত্তবা ওই। রাহুগীদমক্তি অমৃতসু থরায মাঙনবা মবম ওই অদুগা হূবুসু মহাদেবগীদমক্তদি মগুণ হেনগৎহনবা ওই।

রূপং জরা সর্বসুখানি তৃষ্ণা,
খলেষু সেবা পুরুষাভিমানম্।
যাচ্ঞা গুরুত্বং গুণমাত্মপূজা,
চিন্তা বলং হন্ত্যদয়া চ লক্ষ্মীম্॥২৮৫

অতল ওইবনা শকপু, অপাম্ব খৌবাংবনা নুংঙাইববু, অতোনবা মীগী সেবানা ইশাগী মগুণবু, নিবনা অচৌবা পুণবু, মশাবু থাগৎপনা গুণবু অমদি চিন্তানা বলবু অদগা নুংশি তৈত্ববা শাজৎনা লক্ষ্মীবু মাঙহল্লি।

মুদং বিষাদঃ শরদং হিমাগমঃ,
তমো বিবস্বান্সুকৃতং কৃতঘ্নতা।
প্রিয়োপপত্তিঃ শুচমাপদং নয়ঃ,
শ্রিয়ঃ সমৃদ্ধা অপি হন্তি দুর্নয়ঃ॥২৮৬

অৱাবনা নুংঙাইববু, নিংথমথা তৌবকপনা শরৎ ঋতুবু, নুমিৎনা অমম্ববু, মীগী তৌবীমল খঙদবনা পুণ্যবু, চান্নবা উনবনা অৱাববু, উপাযনা খুদোংথিবব্ অমসুং লমচৎ ফত্তবনা চাউববা সম্পতিবু মাঙহল্লি।

হরণং চ পরস্বানাং পরদারাভিমর্শনম্।
সুহৃদশ্চ পরিত্যাগস্ত্রযো দোষাঃ ক্ষয়াবহাঃ॥২৮৭ *(মহাভারত)*

মীগী মপোৎ মৎপা, মীগী নুপীগা মবী লৈনবা অমসুং নুংশিবা মরূপ মপাং থাদোকপা, দোষ অহুম্মসি মীওইবগী মাঙনবগী মশক্নি।

অশোচ্যো নির্ধনঃ প্রাজ্ঞোঽশোচ্যঃ পণ্ডিতবান্ধবঃ।
অশোচ্যা বিধবা নারী পুত্রপৌত্রপ্রতিষ্ঠিতা ॥২৮৮

জ্ঞান লৈবা মীনা লাযববা ওইবৱদি ৱানিংঙাই মশক ওইদে। পণ্ডিতকী মৰূপ ওইবা মীসু ৱানিংঙাই লৈতে, মচা মশু লৈববদি লুখ্রাবীসু ৱানিংঙাই লৈতে।

বরং বনং ব্যাঘ্রগজেন্দ্রসেবিতং,
দ্রুমালয়ঃ পক্বফলাম্বুভোজনম্।
তৃণানি শয্যা পরিধানবল্কলম্,
ন বন্ধুমধ্যে ধনহীনজীবনম্ ॥২৮৯ (চাণক্য)

নোংশা অমসুং শাম্নুনা থল্লবা উমংদা লৈদুনা, উখাদা লৈবা, অমুনবা উহৈ-বাহৈ চাবা অমসুং ঈশিং থকপা, উনাগী মথক্তা তুম্বা অমদি উকু-বাকু শেংতুনা লেনবনা ফৈ অদুবু ইচিন ইনাও মবী মতাগী মবক্তা লাযননা হিংবাদি ফত্তে।

হিংসা বলমসাধূনাং রাজ্ঞাং দণ্ডবিধির্বলম্।
শুশ্রূষা তু বলং স্ত্রীণাং ক্ষমা গুণবতাং বলম্ ॥২৯০

ফত্তবা মীগী পাঙ্গলদি হিংসানি, নিংথৌশিংগী পাঙ্গলনা দাণ্ড পীনবা, নুপীশিংগী পাঙ্গলনা সেবা তৌবনি অদুগা গুণ লৈবাশিংগী পাঙ্গলনা ঙাকপাইহৈবনি।

অয়মবসরঃ সরস্তে সলিলৈরুপকর্তুমর্থিনামনিশম।
ইদমপি সুলভাম্ভো ভবতি পুরাজলধরাভ্যুদয়ে ॥২৯১

হে পুখ্রি ! অবাম থৌনাংলবশিংগী মফমদা অফবা তৌনবগী চহী ঙাক্নাদি তৌজিকাসনি। নোংজুথাগী মতমদদি নংগা অসিগুম্বা ঈশিংসিদি হায়বা লাযনা ফংনবগনি।

ন হীদৃশং সংবননং ত্রিষু লোকেষু বিদ্যতে।
দয়া মৈত্রী চ ভূতেষু দানং চ মধুরা চ বাক ॥২৯২

জীব পানবা পুম্নগী মফমদা থৌজাল তৈবা, মীনুংশি শাগনা, মৰূপ ওইবগী ৱাখল লৈবা, দান তৌবা অমদি নুংশিননা ৱাঙাঙ ঙাংবা মসিখায অসিগুম্বা মীবু খুদুম চন্নবা উপায মবোল অহুমদা অতৈ অতোপ্পা অমা লৈত্রে।

সা ভার্য্যা যা প্রিয়ং ব্রূতে, স পুত্রো যত্র নির্বৃত্তিঃ।
তন্মিত্রং যত্র বিশ্বাসঃ স দেশো যত্র জীব্যতে॥২৯৩

নুংশিবা হায়বা ঙাঙলিবা নুপীদু অশেংবা নুপীনি, সংসারগী মায়াদগী মুক্তি ফংহল্লিবদু ইচানি, থাজবা যাবা মীদু মরূপনি অদুগা জীবিকা ফংলিবা লমদু মইরেবাক্নি।

প্রত্যহং প্রত্যবেক্ষেত নবশ্চরিতমাত্মনঃ।
কিং নু মে পশুভিস্তুল্যং কিন্নু সৎপুরুষৈরিতি॥২৯৪

মীওইবনা মতম পুম্নমক্তা মশাগী লমচৎ শাজৎপু পরিক্ষা তৌদুনা যেংগদবনি মদুদি ইশাগী লমচৎ শাজৎ অসি শাগা মান্নবিত্রা নৎএগা অফবা মীগী লমচৎকা মান্নবিত্রা হায়না।

সৎপুরুষ

বাঞ্ছা সজ্জনসঙ্গমে পরগুণেপ্রীতির্গুরৌ নম্রতা।
বিদ্যায়া ব্যসনং স্বযোষিতরতির্লোকাপবাদাদ্ভয়ম্॥
ভক্তিঃ শূলিনি শক্তিরাত্মদমনে সংসর্গমুক্তিঃ খলে
যেতে যেসু বসন্তি নির্মলগুণাস্তেভ্যো নরেভ্যো নমঃ॥২৯৫

(ভর্তৃহরি)

অফবা মী[illegible] অপান্থ [illegible], [illegible] গুণদা [illegible]জবা, [illegible]শিংগী মমাঙদা [illegible]। [illegible], মশাগী নুপীদা [illegible] লৈজবা মীনা [illegible] [illegible] হায়দনা [illegible]জবা, ভগবান শিবজীদা [illegible] লৈবা, মশাগী [illegible]শক্তি [illegible]বা অমদি য[illegible]বা মীশিংগা উন্নদনা [illegible] লৈবা [illegible] অসি [illegible] অগোইবা [illegible]গুণশিং লৈবা মীওইশিংদুবু ঐনা [illegible] হৈনা [illegible]

যে কামক্রোধলোভানাং বীতরাগা ন গোচরে।
সদাচারস্থিতাস্তেষামনুভাবৈর্ধৃতা মহী॥২৯৬ (বিষ্ণুপুরাণ)

সংসারদগী পৃক্লিং হন্দোক্লবা অগোইবা মীওইনা কৈদৌনুংদসু কাম ক্রোধ লোভগী মখা পোন্দে। অদুগা অফবা লমচৎ অমসুং শাজৎতা লেঙ্দনা লৈ। মখোয়গুণদগী মগুণনা পৃথিবী অসি লেঙ্দনা লৈরিবনি।

দুরাচারা দুর্বিচেষ্টা দুষ্প্রজ্ঞাঃ প্রিয়সাহসাঃ।
অসন্তস্ত্বিত বিখ্যাতাঃ সন্তশ্চাচারলক্ষণাঃ॥২৯৭ *(মহাভারত)*

লমচৎ ফত্তবা মী, ফত্তবা থবক তৌবা মী, ফত্তবা ৱাখল খনবা মী অমসুং ফত্তবা থৌবাং পাযখৎবা মীওইশিংদু অসাধু অদুগা অফবা লমচৎ শাজৎনা লৈতেংলিবা মীদু সাধু কৌনৈ।

শান্তা মহান্তো নিবসন্তি সন্তো, বসন্তবল্লোকহিতং চরন্তঃ।
তীর্ণাঃ স্বয়ং ভীমভবার্ণবং জনানহেতুনান্যানপি তারয়ন্তঃ॥২৯৮
(শঙ্করাচার্য)

সংসাব অসিদা অকিবগী মশক ওইববা সংসাব ঈপাক অসিবু মশামক্তি লাম্বোল্লগা মশাগী ওইজবা থিদনা অতোপ্পশিংবুসু লানবীদুনা বসন্ত ঋতুগী মতৌগুম মীওইবগী কান্ননবা তৌদুনা পৃক্লিং তপ্না মহাত্মা সন্তশিংনা লৈ।

পরেষামুপকারং চ যে কুর্বন্তি স্বশক্তিতঃ।
ধন্যাস্ত এব বিজ্ঞেয়াঃ পবিত্রা লোকপালকাঃ॥২৯৯ *(স্কন্দপুরাণ)*

হেক ওস্বা মখৈ অতোপ্পগী ফনবা তৌবিবা মী ওইশিংদুবু ধন্যানি হায়না লৌগদবনি। মখোযশিংদু সংসাবসিবু ঙাক শেল্লিবা অমদি শেংলবা মী ওইনি।

অদ্যাপি নোজ্ঝতি হরঃ কিল কালাকূটং,
কূর্ম্মো বিভর্ত্তি ধরণীং খলু পৃষ্ঠভাগে।
অম্ভোনিধির্বহতি দুঃসহবাড়বাগ্নি
মঙ্গীকৃতং সুকৃতিনঃ পরিপালয়ন্তি॥৩০০ *(দলহন)*

ভগবান শঙ্করনা কালকূট কৌবা হুবু থক্লগা হৌজিক ফাওবদি হুন্দোকখিদ্রি মখৌবিদা অদুম থম্লি, থেঙ্গুগী মশক ওইববা ভগবান্নসু মনাঙ্গন্দা পৃথিবীবু অদুম পুবি, সমুদ্রসু কল্লবা খাংওমদ্রবা ঈশিংনুংগী মৈবু হান্নগুম অদুম পুবি। সৎপুকষশিংনা অমুক্তবু মাগীন হায়না গাবিখ্রবা মীওই অর্দুদি মতম পুম্নদা ঙাকপী শেন্নীদুনা থম্মী।

উদয়তি যদি ভানুঃ পশ্চিমে দিগ্বিভাগে,
প্রচলতি যদি মেরুঃ শীততাং যাতি বহ্নিঃ।
বিকসতি যদি পদ্মং পর্বতাগ্রে শিলায়াং,
ন ভবতি পুনরুক্তং ভাষিতং সজ্জনানাম্॥৩০১

নুমিৎনা নোংচুপ্তা থোক্লবসু, মেরু চীংনা মফম লেংঙলবসু, মৈনা ঈংথপ্রবসু অদুগা চীংদোনগী নৃংপাক থক্তা থম্বাল শাৎলবসু সজ্জনশিংনা হায়খিবা ৱাদি কৈদৌনুংদা হোংদোক্তে।

সুজনো ন যাতি বিকৃতিং পরহিতনিরতো বিনাশকালেঽপি।
ছেদেঽপি চন্দনতরুঃ সুরভয়তি মুখং কুঠারস্য॥৩০২

অতোপ্পগী ফবা ভৌবদা পুক্লিং লুপ্পবা সজ্জনশিংনা অরা অনা তাববা কাদসু পুকচেল তোংদে। চন্দন পাম্বীবু যানাখৎলবসু শিংজংগী মযাদু মনাম নুংশিহল্লি।

ঘৃষ্টং ঘৃষ্টং পুনরপি পুনশ্চন্দনং চারুগন্ধং,
ছিন্নং ছিন্নং পুনরপি পুনঃ স্বাদু চৈবেক্ষুকাণ্ডম্।
দগ্ধং দগ্ধং পুনরপি পুনঃ কাঞ্চনং কান্তবর্ণং,
প্রাণান্তেঽপি প্রকৃতিবিকৃতির্জায়তে নোত্তমানাম্॥৩০৩

চন্দনবু হল্লা হল্লা কলাবক ভক্লিমখি মদুগী মনাম নুংশিবা হেনগৎলকই। চুবু হল্লা হল্লা চিক্লবসু থুমদুনবা অদুম মচুবু অদুগা সনাবু হল্লা হল্লা মৈদা ঈক্লবসু লংবা হেনগৎলকই। অতোপ্পবা মীওইশিংদি থবায মাংবা তাবগা সু মখোযগী লমচৎ শারুং হা অতোপ্পা অমত্রা তৌদে।

কিমত্র চিত্রং যৎসন্তঃ পরানুগ্রহতৎপরাঃ।
নহি স্বদেহশৈত্যায় জায়ন্তে চন্দনদ্রুমাঃ॥৩০৪

সৎপুরুষশিংনা অতোপ্পদা পৌক্তানবীনবা মতম পূম্বদা থৌবাং তৌদুনা লৈবদা করিগা ভক্লিংঙাই লৈবগে। চন্দন পাম্বীনা মশাবু ঈংতম্লবগীদমক্তা হৌবা নত্তে। অতোপ্পগী ঈংতম্নবা হৌবনি।

নিন্দন্তু নীতিনিপুণা যদি বা স্তুবন্তু।
লক্ষ্মীঃ সমাবিশতু গচ্ছতু বা যথেষ্টম্।
অদ্যৈব বা মরণমস্তু যুগান্তরে বা,
ন্যায্যাৎপথঃ প্রবিচলন্তি পদং ন ধীরাঃ॥৩০৫ *(ভর্তৃহরি)*

নীতি হৈবরা মীশিংনা নিন্দা তৌগে তৌজসনু নৎত্রগা থাগৎকে থাগৎসনু, লক্ষ্মীনা লাক্কে লাকসনু অদুগা চৎকে চৎখিসনু, ঙসিমক শিগে শিসনু নৎত্রগা যুগ অমগী মতুংদা শিগে শিসনু অদবু ধীর পুরুষশিংদি অচুম্বগী লম্বীদগী খোঙফম অমা ফাওবা হন্দোক্তে।

সম্পৎসু মহতাং চিত্তং ভবেদুৎপলকোমলম্।
আপৎসু চ মহাশৈলশিলাসংঘাতকর্কশম্॥৩০৬ *(ভর্তৃহরি)*

নুংঙাই যাইহৌরিবৈদা এহাগককমাশিংগী পুক্লিং অসি থম্বালদগীসু হেন্না থোৎনি অদুগা অরা অরা তাবক্লবা কান্দা শিংজাউগী নুংপাক মপৈ পুম কাল।

মূক: পরাপবাদে পরদারানিরীক্ষণেপ্যন্ধঃ।
পঙ্গু: পরধনহরণে স জয়তি লোকত্রয়ে পুরুষঃ॥৩০৭

অতোপ্পবু নিন্দা তৌবমদাইদা মবোল থোংবা, অতোপ্পা নুপী যেংলমদাইদা মমিৎ তাংবা শাবা অদুগা মী মপোৎ হুবমদাইদা মখোঙ তেকপা শাদুনা লৈবা মীদুনা মবোল অহুম্মু জয় তৌই।

এতদেব সুজাতানাং লক্ষণং ভুবি দেহিনাম্।
কৃপার্দ্রং যন্মনোনিত্যং তেষামপ্যহিতেষু হি॥৩০৮

(মার্কণ্ডেয় পুরাণ)

পৃথিবী অসিদা অফবা অথোইবা শাগৈ জাৎতা পোকপা মীগী খুদমদি মখোযগী পূক্নিংদা ফত্তবা তৌবশিংগী মফমদসু থৌজালনা থন্দুনা লৈ।

গর্বং নোদ্বহতে ন নিন্দতি পরান্ নো ভাষতে নিষ্ঠুরম্।
প্রোক্তং কেনচিদপ্রিয়ঞ্চ সহতে ক্রোধঞ্চ নালম্বতে॥
শ্রুত্বা বাক্যমলক্ষণং পরকৃতং সংতিষ্ঠতে মূকবৎ।
দোষাঞ্ছাদযতে স্বযং ন কুরুতে হ্যেতৎসতাং লক্ষণম্॥৩০৯

অথোইবা মীওইশিংগী খুদমদি মখোযনা নাপল তৌদে, অতোপ্পগী ফত্তবস্ হায়দে, অকনবা অযাকপা বাণ্ডাভস্ ঙাঙদে, কন্নাগুম্লনা নুংঙাইতবা বা হায়বস্ খাংজিল্লি, শাউদে। অতোপ্পনা হায়বা ফত্তবা বাঙ্গাঙ তাবগস্ লোনথোক্তবগুম লৈশিল্লি, মীগী মবালস্ লোৎশিল্লি অদুগা মশানস্ ফত্তবা থবক তৌদে।

ভদপকৃতং বিধিনার্থিষু যৎসন্তঃ স্বল্পসম্পদো বিহিতাঃ।
তুচ্ছে পয়সি ঘনানাং সীদত্যতি জীবলোকোঽয়ম॥৩১০

অহক্ষ মীশিংবু লনা থুম যাম্না পীদনা খত্তমক পাদুনা বিধাতাগা অনিবশিংগী যাম্না মাঙনবা তৌবে। লৈচিলদা ঈশিং যাম্না চেন্দবনা জীব লোব অসি শাথিনা অবাবা ফংঙি।

দুষ্ট কাপুরুষ (ফত্তবা নুপা থোক্তবা মী)

একে সৎপুরুষাঃ পরার্থঘটকাঃ স্বার্থান্ পরিত্যজ্য যে।
সামান্যাস্তু পরার্থমুদ্যমভৃতঃ স্বার্থাবিরোধেন যে॥
তেঽমী মানবরাক্ষসাঃ পরহিতং স্বার্থায় নিঘ্নন্তি যে।
যে তু ঘ্নন্তি নিরর্থকং পরহিতং তে কে ন জানীমহে॥৩১১

(ভর্তৃহরি)

কনাগুম্না সৎপুরুষনা মশাগী কান্নবা থাদোক্না। অতোপ্পগী থবক পাংথোকই। অতোপ্পা অচম্বা মীওই ওবনা মশাগী কান্নবস্তু মাঙহন্দনা অতোপ্পগীসু কান্নবা তৌই। অদুবু মশাগী কান্নবগীদমক অতোপ্পগী কান্নবা মাঙহনবা মীওই অদু মী হিংচাবা কৌই। অদুগা কান্নদবা অবেম্বদা অতোপ্পগী কান্নবা মাঙহনবা মীওইদু কবিনি হায়গদগে হায়বা খঙদে।

যথা পবোপকারেষু নিত্যং জাগর্তি সজ্জনঃ।

তথা পবাপকাবেষু জাগর্তি সততং খলঃ॥৩১২

সজ্জনশিংনা মতম পুম্নদা অতোপ্পগী ফনবা তৌবদা পুক্নিং চঙবগুম ফত্তবা মীওইশিংনা মতম পুম্নদা মীগী ফত্তনবা তৌবদা পুক্নিং চঙই।

যেনাপত্রপতে সাধুবসাধুস্তেন তুষ্যতি॥৩১৩ *(মহাভারত)*

সৎপুরুষশিংনা তৌবদা ইকায়বা থবক অদ তৌবগা দুর্জনশিংনা হরাওই।

কিমত্র চিত্রং সুজনান বাধন্তে যদি দুর্জনাঃ।

মহোরুহাংশ্চানুতটং পাতয়ন্তি নদীবয়াঃ॥৩১৪ *(নারদপুরাণ)*

ফত্তবা মীনা সজ্জনশিংবু অবান্নবদা কদি ছক্লিংঙাই লৈতে। তুরেলগী কল্লবা শাফুনা তুরেলনা তৌবা উশিংবু মবম লৈত্রবস্তু ঙাই।

ন বিনা পববাদেন বমতে দুর্জনো জনঃ।

কাকঃ সর্ববসান্ ভুঙক্তে বিনাঽমেধ্যং ন তৃপ্যতি॥৩১৫

ফত্তবা মীওইশিংগী পাক্নদি অতোপ্পগী নিন্দা তৌদনা নুংঙাইবা ফংদে। মাগী মখলগী অথুম অহাউ কয়া চাবস্ পাক্না ফত্তবা অমাংবা ... হেক চাদ্রবদি থাবা লৈতে।

ভবেদ্যদি খলস্য শ্রীঃ সৈব লোকবিনাশিনী।

যথা সখাগ্নেঃ পবনঃ পন্নগস্য পযো যথা॥৩১৬ *(নারদপুরাণ)*

ফত্তবা মীগী মনাক্তা লক্ষ্মী লৈরবদি হায়বদি লন থুম লৈরবদি মদ মযামগী মাংহনবা মচাক ওই। ফত্তবশিংগীদ মৈগী নুংশিৎকা মরুপ ওইনবা অমসুং লিনগীদমক শঙ্গোম্না ওইবগুম্বনি হায়বাদি নুংশিৎনা মৈবু চাকশংহল্লি, অদুগা শঙ্গোমনা লিনগীসু হূবু তেংগৎহল্লি।

অকার্য্যাণাং ক্রিয়াণাং চ সংযোগং যঃ কবোতি বৈ।

কার্যাণামক্রিয়াণাং চ স পার্থ পুরুষাধমঃ॥৩১৭ *(মহাভারত)*

হে পার্থ! তৌরোইদবা থবকপ্ তৌবিবা অদুগা তৌগদবা থবকশিং বুনা তৌদবা মীদু অতোনবনি।

ন যত্নকোটিশতকৈরপি দুষ্টঃ সুধীর্ভবেৎ।
কিং মর্দিতোঽপি কস্তূর্য্যা লশুনো যাতি সৌরভম্॥৩১৮

চাম্মা চাম্মবক হোৎনববসু ফত্তবা মীদি অফবা জ্ঞান লৈবা মী ওইহনবা যাদে। কস্তূরিদা হন্না হন্না তোৎলবসু চনম্বু মনম নুংশিহনবা যাববা?

দুর্জ্জনঃ প্রিয়বাদী চ নৈতদ্বিশ্বাসকারণম্।
মধু তিষ্ঠতি জিহ্বাগ্রে হৃদয়ে তু হলাহলম্॥৩১৯ *(চাণক্য)*

ফত্তবা মীওইনা নুংশি নুংশিবা ৱাঙাং ঙাংলবসু থাজনীংঙাই ওইদে মবমদি মখোযগী লৈযেংদদি খোইহী তৈ অদুগা থম্মোযদদি হূ ফুম্মী।

বিরূপো যাবদাদর্শে নাঽত্মনঃ পশ্যতে মুখম্।
মন্যতে তাবদাত্মানমন্যেভ্যো রূপবত্তরম্॥৩২০ *(মহাভারত)*

মশক থিবা মীনা মিংশেলদা মশক্কু য়েংজদ্রিমখৈ মশাবু ময়ামদগী হেন্না ফজৈ হাযনা খঞ্জে।

বয়সঃ পরিণামেঽপি যঃ খলঃ খল এব সঃ।
সুপক্কমপি মাধুর্য্যং নোপয়াতীন্দ্রবারুণম্॥৩২১ *(চাণক্য)*

অহল ওইজববসু ফত্তবা মীদি ফত্তনা অদুম মবৈ। ইন্দ্রাযন (উহৈ মখল অমা) হাযবসি য়াম্না নীংথিনা মুম্লবসু থুমদে, অদুম খাদুনা লৈ।

শেতা হরির্ভবতু রত্নমনন্তমস্ত-
র্লক্ষ্মী প্রসূতিরিতি নো বিবিদামহে হে।
হা দূরদূরসপয়াস্তৃষিতস্য জন্তোঃ
কিং ত্বত্র কূপপয়সঃ স মরোর্জ্জঘন্যঃ॥৩২২

সমুদ্র অসি ভগবান বিষ্ণুগীসু তুম্ফম ওইবিবনি অদুগা মহাক্তি বত্ন/ মণি মপৈ কযা অমদি লক্ষ্মীবুসু পোকপীবির্বানি হাযবসি ঐখোয়না থোইনা যানীংদবা লৈতে অদুবু ঈশিং শৌবাংবনা ৱাববা জীবশিংদদি কবিমত্তা কান্নদবনা মহাক অসি যাম্না ফৎত্রবা থকপা যাদ্রবা ঈশিং ওইরিবা সমুদ্র অসি মরুভূমিগী গুহাদগীসু হেন্না ফত্তে।

নর-পশু

অবুধঃ সর্বকার্য্যেষু অজ্ঞাতঃ সর্বকর্মসু।
সময়াচারহীনস্তু পশুরেব স বালিশঃ॥৩২৩
হিংস্রো জ্ঞাতিজনোদ্বেগী রতো যুদ্ধে চ কাতরঃ।
বিষসাদিপ্রিয়ো নিত্যং নরঃশ্বা কীর্তিতো বুধৈঃ॥৩২৪
প্রকৃত্যা চপলো নিত্যং সদা ভোজনচঞ্চলঃ।
প্লবগঃ কাননপ্রীতো নরঃ শাখামৃগো ভুবি॥৩২৫
দ্বিরদাদিনরা যে চ জ্ঞায়ন্তেঽদূরদর্শিনঃ।
এবমাদিক্রমেণৈব বিজানীয়ান্নরেষু চ॥৩২৬ (পদ্মপুরাণ)

তৌফম থোকপা মথৌশিং খঙ্দ্রবা অদুগা মখল খুদিংগী থবক্তা হৈত্রবা পোযননা মতম চানা লম্মচৎ ব্যবহার তৌবা হৈত্রবা মীদু ত্তশেংনা শানি।

হিংসা তৌবা, শাগৈ নাতৈশিংবু অবাব পীবা, খৎনগননা কিগনবা মতম পুম্নদা মীগী অরেম্না লৈনাক চানিংবা মীদু জ্ঞান লৈবা মীশিংনা হুইনি হায়না হায়রি।

মতম পুম্নদা হৈনবী ওইনা চাফং-চাফংবা, চাগদবগীতা খনবা, উমংদা লৈবা শাম্না মাদু মালেম অসিদা যোংগী জাৎনি হায়না খঙগদবান।

হুংগী পোইনা খন্দবা মাদু শামুগা পাম্বকনি হায়না লৌনৈ। মতৌ অসুম্না মীওইনাশিংগী মরক্তা অতৈ শাশিংগী মরমদসু খঙগদবনি।

মাংসভক্ষৈঃ সুরাপানৈঃ মর্খৈশ্চাক্ষরবর্জিতৈঃ।
পশুভিঃ পুরুষাকারৈঃ ভারাক্রান্তাস্তি মেদিনী॥৩২৭ (মালকা)

শদুম চাবা, যু থকপা, অঙ্গ হুবা লাইরিক হৈতবা মীগী মশক ওইরবা শাশিংগী পোৎলুমনা পৃথিবী অসি নুমহৎল্লবান।

আহার নিদ্রা ভয়-মৈথুনঞ্চ
সামান্যমেতৎ পশুভির্নরাণাম্॥
জ্ঞানং নরাণামধিকো বিশেষো,
জ্ঞানেন হীনাঃ পশুভিঃ সমানাঃ॥৩২৮ (চাণক্য)

চাবা, থকপা, তুম্বা, অকিবা, নুপা নুপী তিনবগী থবক- [illegible] অসিদদি শা অমসুং মীওইনগা [illegible] মাননি। মীওইবনা শাশিংদগী [illegible] অথোইবা গুণদি [illegible]। [illegible] মাননি।

যেষাং ন বিদ্যা ন তপো ন দানং,
জ্ঞানং ন শীলং ন গুণো ন ধর্মঃ।
তে মর্ত্যলোকে ভুবি ভারভূতা,
মনুষ্যরূপেণ মৃগাশ্চরন্তি॥৩২৯॥ (চাণক্য)

মহৈসু হৈতবা, তপসু যাওদবা, দানসু তৌদবা, জ্ঞানসু লৈতবা, লমচৎসু লৈতবা, গুণসু লৈতবা অদুগা ধর্ম্মসু খঙদবা মীশিংদু সংসাব অসিদা পৃথিবী লূম্নবা, মীগী মশক ওইনা কোযচৎ চৎলিবা শাগুম্বনি।

সাহিত্য-সঙ্গীতকলাবিহীনঃ,
সাক্ষাৎপশুঃ পুচ্ছবিষাণহীনঃ।
তৃণং ন খাদন্নপি জীবমান-
স্তদ্‌ভাগধেয়ং পরমং পশূনাম্॥৩৩০ (ভর্তৃহরি)

সাহিত্য অমসুং সঙ্গীত কলাবু খঙদ্রবা মীদু মমৈ অমসুং মচি যাওদ্রবা শামক্কা চপ মান্নৈ। শাগী মশক ওইববা মীশিংসিনা নাপী চাদনা হিংলম্লিবসি শাশিংগী যাম্না মবাইবক ফবনি।

কিং কুলেন বিশালেন বিদ্যাহীনস্য দেহিনঃ।
বিদ্যাবান্ পূজ্যতে লোকে বিদ্যাহীনঃ পশুর্ভবেৎ॥৩৩১

বিদ্যা যাওদ্রবা হায়বদি মহৈ হৈত্রবা মীদু শাগৈ অফবদা পোক্লুনা কবি কান্নগনি। সংসাব অসিদদি বিদ্বানবু পূজা তৌনৈ, বিদ্যা যাওদ্রবা মীদি শানি।

বিদ্যা গী মগুণ

বিদ্যয়া প্রাপ্যতে সৌখ্যং যশঃ কীর্তিস্তথাতুলা।
জ্ঞানং স্বর্গঃ সুমোক্ষশ্চ তস্মাদ্বিদ্যাং প্রসাধয়॥৩৩২ (পদ্মপুরাণ)

বিদ্যাগী মপান্না নুংঙাইবা মীংচৎ মপান্নাইদবা মীংচৎ, জ্ঞান, স্বর্গ অমসুং মোক্ষ ফংই। মবম অদুনা বিদ্যাবু তানগনি।

মাতেব রক্ষতি পিতেব হিতে নিযুঙ্ক্তে,
কান্তেব চাভিরময়ত্যপনীয় খেদম্।
লক্ষ্মীং তনোতি বিতনোতি আ দিক্ষু কীর্তিং,
কিং কিং ন সাধয়তি কল্পলতেব বিদ্যা॥৩৩৩

কল্পলতাগী মতৌগুম্না বিদ্যানা মীওইবগী কবি কবি তৌবা ঙমদবা লৈবগে? বিদ্যানা ইমাগুম ঙাকপী শেনবী, ইপাগুম মীওইববু অফবা থবকশিংদা চঙহল্লি, ইশাগী নুপীগী মতৌগুম্না অবা অনা কোকহন্দুনা নুংঙাইবা পী, লন থুম চাউখৎহল্লি অদুগা লোয়ননা মায়গৈ মবিমক্তা মীংচৎসু শন্দোকহল্লি।

রূপযৌবনসম্পন্না বিশালকুলসম্ভবাঃ।
বিদ্যাহীনা ন শোভন্তে নির্গন্ধা ইব কিংশুকাঃ॥৩৩৪ *(চাণক্য)*

শাগৈ অফবদা পোক্লবা অমদি মশক অমসুং যৌবননা মপুং ফাববা মীওই ওইরবসু বিদ্যা যাওদ্রবা মীদি মনম যাওদ্রবা পাঙ্গাং লৈগী মতৌগুম ফজানিংঙাই ওইদে।

বিদ্যা নাম নরস্য রূপমধিকং প্রচ্ছন্নগুপ্তং ধনং।
বিদ্যা ভোগকরী যশঃসুখকরী বিদ্যা গুরূণাং গুরুঃ॥
বিদ্যা বন্ধুজনো বিদেশগমনে বিদ্যা পরং দৈবতং।
বিদ্যা রাজসু পূজ্যতে নহি ধনং বিদ্যাবিহীনঃ পশুঃ॥৩৩৫

(ভর্তৃহরি)

বিদ্যা হায়বাস মীওইবগী খোইদোক্ল ফজনবা মশাক অমনি, লোৎতুনা অমদি মাঙ্হন্দনা থৈনবা ললনি। বিদ্যাগা ভোগ, মীংচৎ অমসুং নুংঙাইবা পীরিবনী অদুগা গুরুশিংগীসু গুরুনি। মীবমদা চৎপা কান্দা বিদ্যানা মরূপ মপাং ওই। মসি অথোইবা লাইমারু। নিংথৌশিংনসু বিদ্যাবু ইকায খুম্নে, লনবুদি ইকায়খুম্নদে। বিদ্যা যাওদ্রবা মীদু শানি।

অন্নদানং পরং দানং বিদ্যাদানমতঃ পরম্।
অন্নেন ক্ষণিকা তৃপ্তির্যাবজ্জীবং চ বিদ্যয়া॥৩৩৬

অন্নদান হায়বাস মহাদাননি অদুবু বিদ্যা দাননা মদুদগীসু হেল্লি, চাক থাজনাদি মাকুপ থবদংগী অপেননা ফংহল্লি অদুবু বিদ্যানাদি পুন্সি চপ্পগী ওইনা অপেননা ফংহল্লি।

পঠতো নাস্তি মূর্খত্বং জপতো নাস্তি পাতকম্।

জাগ্রতস্তু ভয়ং নাস্তি কলহো নাস্তি মৌনিনঃ॥৩৩৭

মহে ঔবাইদুনতা লৈবা মীদা অপঙবা মতৌ লৈবা ঙমদে। জপ তৌদুনতা লৈবা মীদা পাপ লৈবা ঙমদে। তূমদনা মীকপ থোক্নুনা লৈবা মীদা অকিবা লৈতে অদুগা তুমিন্না লৈবা মীগা কনাগসু খৎননীংঙাই লৈতে।

যথা যথা হি পুরুষঃ শাস্ত্রং সমধিগচ্ছতি।

তথা তথা বিজানাতি বিজ্ঞানং চাস্য রোচতে॥৩৩৮

শাস্ত্রবু খোঙ্দোক্লা নৈনবিবা মখে মীদুগী জ্ঞান হেনগৎলি অদুগা বিজ্ঞানগী নাখলসু হ্নানথোনকই।

অপূর্ব্বঃ কোঽপি কোশোঽয়ং বিদ্যতে তব ভারতি !

ব্যয়তো বৃদ্ধিমায়াতি ক্ষয়মায়াতি সঞ্চয়াৎ॥৩৩৯

হে সরস্বতি ! নহাক্কী বিদ্যাগী পূক্কে অসি যাম্না অঙকপা পোৎনি, খরচ তৌব তৌবগা হেনগৎলকই অদুগা ঙাক্লিমখে লোৎতুনা থম্লগা মতেং তাবকই।

অপ্রগল্ভস্য যা বিদ্যা কৃপণস্য চ যদ্ধনম্।

যচ্চ বাহুবলং ভীরোর্ব্যর্থমেব ত্রয়ং ভুবি॥৩৪০

চিংনগনবা মীগা বিদ্যা, অনিকপগী মনল অমসুং কিগননা মীকাথগী মপাঙ্গল- মখোয় অহুমসি অরেম্বা কান্নদবনি।

জ্ঞান বিবেক

অনেক সংশয়োচ্ছেদি পরোক্ষার্থস্য দর্শনম্।

সর্বস্য লোচনং জ্ঞানং যস্য নাস্ত্যন্ধ এব সঃ॥৩৪১ *(চাণক্য)*

চিংনবা কযাবু কোকহনবা অদুগা মীৎনা উঙমদ্রবা নাফম কয়াবু কোঙদোকপীহনবা জ্ঞান হায়বসি পূম্নমক্কী মীৎনি, অসি গুম্বা জ্ঞান অসি য়াওদ্রবা মাদ মীৎ তাংবনি।

নাস্তি কামসমো ব্যাধির্নাস্তি মোহসমো রিপুঃ।
নাস্তি ক্রোধসমো বহ্নির্নাস্তি জ্ঞানাৎপরং সুখম্॥৩৪২

কাম (অপাম্বা) গা মান্নবা অতোপ্পা লায়না অমা লৈত্রে, মোহগা মান্নবা যেক্লবা অমা লৈত্রে, অশাউবগা মান্নবা মৈ লৈত্রে অদুগা জ্ঞানদগী হেনবা অথোইবা নুংঙাইবা অমা লৈত্রে।

যথাগ্নির্দারুমধ্যস্থো নোত্তিষ্ঠেন্মথনং বিনা।
বিনা চাভ্যাসযোগেন জ্ঞানদীপস্তথা নহি॥৩৪৩

(যোগশিখোপনিষদ্)

উ (শাং) দা থাওদুনা মৌবিবা মৈ অসি ওক্লদুনা অমাদ নৈদুনা পুথোক্লবদি থোনকউ হায়বা যাদনবুম জ্ঞানগী থাউমৈ অসিসু স্বাধ্যায় যাওদ্রবদি ঙাল্লু হায়বা যাদে।

পুণ্যোদয়েন বহুজন্মসমার্জিতেন,
সৎসঙ্গমো যদি ভবেৎ কৃতিনো জনস্য।
অজ্ঞানহেতুকৃতমোহমহান্ধকারো,
নশ্যোত্তদা হৃদয়মেতি মহান বিবেকঃ॥৩৪৪ *(পদ্মপুরাণ)*

মপোক কয়াদা হৌশিল্লবা পুণ্যশিংনা পোক্তদাক্লবা মতমদা মনাইবক ফংলগা পুণ্য চেনবা মীশিংগা সৎসঙ্গ তৌবা ফংই। মতমদুদা মদুনা মরম ওইদুনা শক্তাম্না তৌনবা মহামোহগী মমুক ওইরবা অমম্বা পন্নমক মাঙখি অমসুং শাংথাইবা জ্ঞান বিবেক পোক্লকই।

অবিদ্যায়ামন্তরে বর্তমানাঃ স্বয়ংধীরাঃ পণ্ডিতংমন্যমানাঃ।
জঙ্ঘন্যমানাঃ পরিযন্তি মূঢ়া অন্ধেনৈব নীয়মানা যথান্ধাঃ॥৩৪৫

(মুণ্ডকোপনিষদ্)

অবিদ্যাদা চুপ্পনা লেবগনি হায়না লৈবা মীশিংবা শাবিবা অদুগা মশাবু ওস্নানা হায়না লৌনবা অপঙবা মীওইশিংনা হন্না হন্না খুদি থীদুনা মীতাংবনা লমজিংলিবা মীৎ তাংবা মীগুম হন্না হন্না লম্নী কোযঙা ওনদুনা লৈ।

ঐশ্বর্যমদমত্তানাং ক্ষুধিতানাং চ কামিনাম্।
অহঙ্কারবিমূঢানাং বিবেকো নৈব জায়তে॥৩৪৬ *(নারদ পুরাণ)*

ঐশ্বর্যগী নুযাইদা থুাওবনা, অবাম খৌবাংবনা থুাওহল্লবা, কামী অমসুং নাপললবা থাওহল্লবা মীওইশিংদা বিবেক জ্ঞান পোক্তে।

পুণ্যাং প্রজ্ঞাং বর্ধয়তি ক্রিয়মাণং পুনঃ পুনঃ।
বৃদ্ধপ্রজ্ঞঃ পুণ্যমেব নিত্যমাবভতে নবঃ॥৩৪৭ *(মহাভাবত)*

হন্না হন্না তৌগ্রবা অফবা থবক্না বুদ্ধিবু চাওখৎহল্লি। বুদ্ধি চাওখৎলবা মীদুনা নুংতিগী ওইনা অফবা থবক তৌবকই।

পাপঃ প্রজ্ঞাং নাশয়তি ক্রিয়ামাণং পুনঃ পুনঃ।
নষ্টপ্রজ্ঞঃ পাপমেব নিত্যমারভতে নবঃ॥৩৪৮ *(মহাভারত)*

ত্তনা তৌগ্রবা ফত্তবা থবক্না বুদ্ধিবু মাঙহল্লি। বুদ্ধি মাঙলবা মীদুনা নুংতিগী ফত্তবা থবক তৌবকই।

স্ত্রিয়ো রত্নান্যথো বিদ্যা ধর্মঃ শৌচং সুভাষিতম্।
বিবিধানি চ শিল্পানি সমাদেয়ানি সর্বতঃ॥৩৪৯ *(মনু)*

নুপী, বস্ত্র, বিদ্যা, ধর্ম্ম, অফবা লমচৎ, অফবা বাঙাঙ অমদি মখল মখাগী শিল্প কলাশিংসিদি অফংবা মফমদগী লৌশিনগাদবনি

বুদ্ধিবৃদ্ধিকবণ্যাশু ধন্যানি চ হিতানি চ।
নিত্যং শাস্ত্রাণ্যবেক্ষেত নিগমাংশ্চৈব বৈদিকান্॥৩৫০ *(মনু)*

বুদ্ধিবু খুদক্তা থুনা চাওখৎহনবা, লন থুম অমসুং আত্মকল্যাণগী শিক্ষা পীরিবিবা লাইরিকশিংবু নুমিৎ খুদিংগী ওনাইগানি অমসুং বেদগী অং ভাকপা নিগম গ্রন্থশিংবুসু পাগনি।

যুক্তিযুক্তমুপাদেয়ং বচনং বালকাদপি।
অন্যং তৃণমিবত্যাজ্যমপ্যুক্তং পদ্মজন্মনা॥৩৫১ *(যোগবাশিষ্ঠ)*

যুক্তিযুক্ত ওইনা বা ওইবদি অংাংদগী ওইনমসু লৌগদবনি অদুবু যুক্তি য় ওদবা বাদি ব্রহ্মানা হায়বা ওইরমসু নাংা মকাপ্তুম থাদোক্কদবনি।

ধন্যানামুত্তমং দাক্ষ্যং ধনানামুত্তমং শ্রুতম।
লাভানাং শ্রেষ্ঠমারোগ্যং সুখানাং তুষ্টিরুত্তমা॥৩৫২ *(মহাভারত)*

লন থুম ফংনবগী খ্বাইদগী ফবা উপায়দি তৌশংবনি। লনশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী অথোইবা লনদি বিদ্যানি। কান্নবাশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী কান্নবাদি হকচাং ফবা নাদ য়েক্নবনি অদগা নুংঙাইবশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী অথোইবদি অপেনবা হৃদয়বনি।

সকৃদপি দৃষ্টা পুরুষং বিবুধা জানন্তি সারতাং তস্য।
হস্ততুলয়াপি নিপুণাঃ পলপ্রমাণং বিজানন্তি॥৩৫৩ (পঞ্চতন্ত্র)

অশিংবা মীনা কনাগুম্বা মী অমবু অমুক্তং উবদা মাগী অশেংবা মওং অদু খঙ্বা ঙম্মী। হৈশিংবা মীনা খুৎ [illegible] গা পলগী প্রমাণবু খঙ্বা ঙম্মী।

সকলাপি কলা কলাবতাং বিকলা পুণ্যকলাং বিনা।
সকলে নয়নে বৃথা তথা তনুভাজাং হি কনীনিকাং বিনা॥৩৫৪

কলাকারশিংগী কলা [illegible] পুণ্যগী মশক ওইববা কলা নত্তনা মী ওইবগী মীৎ নত্তা যা ওদনা মীৎকুম্না অবেম্বা কায়দবা ওই।

সৎসঙ্গ অমসুং কুসঙ্গ

যাদৃশৈঃ সন্নিবসতি যাদৃশাংশ্চোপসেবতে।
যাদৃগিচ্ছেচ্চ ভবিতুং তাদৃগভবতি পূরুষঃ॥৩৫৫ (মহাভারত)

মী ওইবনা লৈমিন্নবিবা [illegible] সেবা তৌবিবা মীদুগুম্না ওইনিংবা [illegible] অদুমক ওইবা যাই।

বস্ত্রমপস্তিলান্ ভূমিং গন্ধো বাসযতে যথা।
পুষ্পাণামধিবাসেন তথা সংসর্গজা গুণাঃ॥৩৫৬ (মহাভারত)

লৈগী মনম্মা থেংনববা [illegible], থোইদিং অমসুং লৈবাক [illegible] নুংশিঙনবগুম মী ওইবদসু পক্লবা [illegible]গী গুণ কয়া লৌবই

সদ্ভিরাসীত সততং সদ্ভিঃ কুর্বীত সঙ্গতিম।
সদ্ভির্বিবাদং মৈত্রীং চ নাসদ্ভিঃ কিঞ্চিদাচরেৎ॥৩৫৭ (গরুড় [illegible])

[illegible] পুন্নদা সজ্জন [illegible], সজ্জনশিংগদা [illegible] সজ্জনশিংগা বাদ বিবাদ তৌনাগদবনি অমগা সজ্জনশিংগদা মরুপ শারগদবনি। [illegible] সজ্জন [illegible] মী ওইবা অম [illegible] মরী [illegible]দবনি।

প্রাহুঃ পূততমাং তীর্থাদপি সৎসঙ্গতিং বুধাঃ॥৩৫৮ (স্কন্দ পুরাণ)

বিদ্বানশিংনা সৎসঙ্গবু তীর্থদগীসু [illegible] শেংই হায়না [illegible]।

জাড্যং ধিয়ো হরতি সিঞ্চতি বাচি সত্যং,
মানোন্নতিং দিশতি পাপ মপাকরোতি।

চেতঃ প্রসাদয়তি দিক্ষু তনোতি কীর্তিং,
সৎসঙ্গতিঃ কথয় কিং ন করোতি পুংসাম্॥৩৫৯ *(ভর্তৃহরি)*

সৎসঙ্গনা বুদ্ধিগী অপঙববু মাঙতল্লি, ৱাহৈ ৱাতাদা অচুম্বা শন্দোকতল্লি, মান সম্মান হেনগৎহল্লি, পাপ মাঙহল্লি, পৃক্লিংবু নুংঙাইহল্লি অমসুং মাযকৈ খুদিংদা মীংচৎ শন্দোকহল্লি। হাযযু, সৎসঙ্গতিনা মীওইবগী করি কান্নবা তৌদব.গ?

যথা বহ্নিপ্রসঙ্গাচ্চ মলং ত্যজতি কাঞ্চনম্।
তথা সতাং হি সংসর্গাৎ পাপং ত্যজতি মানবঃ॥৩৬০ *(পদ্মপুরাণ)*

মৈগা শম্নবদগী সনানা যন্তবা অম্মোৎপা থাদোকপগুম হাযবদি অশেংবা সনা ওইবকপগুম অফবা মীগা তিন্নবদগী মীওইবনা পাপপু থাদোকই।

যেষাং ত্রীণ্যবদাতানি বিদ্যা যোনিশ্চ কর্ম চ।
তান্ সেবেস্তৈঃ সমাস্যা হি শাস্ত্রেভ্যোঽপি গরীয়সী॥৩৬১
(মহাভারত)

বিদ্যা, শাগৈ অমসুং কর্ম্ম- মখোয অহুমগী মীৎযেংদা শেংলবা মীওইশিংগী সেবাদা লেঙদনা লৈগদবনি। মখোযগী মনাক্তা লৈদুনা ফমদুনা লৈবসি শাস্ত্রশিংবু তম্বা অমসুং নৈনবদগী হেন্না ফৈ।

অসজ্জনঃ সজ্জনসঙ্গিসঙ্গাৎ, করোতি দুঃসাধ্যমপীহ সাধ্যম্।
পুষ্পাশ্রয়াচ্ছম্ভুশিরোঽধিরূঢ়া, পিপীলিকা চুম্বতি চন্দ্রবিম্বম্॥৩৬২

ফত্তবা মীসু অফবা মীগা সঙ্গ তৌবদগী পাঙথোকপা ঙমদ্রবা থবক কযাসু পাঙথোকই, খুদম্দি ককচেংনা লৈগী মতেংনা মহাদেবগী মকোক্তা কাবগা থাগী মঙালবু চুপ্পা ফংজৈ।

বুদ্ধিশ্চ হীয়তে পুংসাং নীচৈস্সহ সমাগমাৎ।
মধ্যস্থৈর্মধ্যতাং যাতি শ্রেষ্ঠতাং যাতি চোত্তমৈঃ॥৩৬৩ *(স্কন্দপুরাণ)*

মত্তোননবশিংগা তিন্নবগা মীওইবগী বুদ্ধি মাঙই, মযাই ওইবা থাক্কী মী তিন্নবগা মযাই ওইবা বুদ্ধি ওই অদুগা অথোইবা মীগা তিন্নবগা অথোইবা অহেনবা ওই।

দুর্জনস্য হি সঙ্গেন সুজনোঽপি বিনশ্যতি।
প্রসন্নং জলমিত্যাহু: কর্দমৈ: কলুষীকৃতম্॥৩৬৪ *(গরুড় পুরাণ)*

ফত্তবা মী তিন্নবদগী অফবা মীসু অক্কবা ঈশিংদা লৈখোম তাবদগী মোৎপগুম মাঙই হায়বদি ফত্তবা মী ওই।

অসতাং দর্শনাৎ স্পর্শাৎ সঞ্জল্পাচ্চ সহাসনাৎ।
ধর্মাচারা: প্রহীয়ন্তে সিধ্যন্তি চ ন মানবা:॥৩৬৫ *(মহাভারত)*

ফত্তবা মীগা উন্নবদগী, শোক্লনবদগী, মখোযগা লোযননা ৱাবী ৱাতাই শান্নবদগী অমসুং ফিদা অমত্তুদা ফম্মীন্নবদগী ধর্ম্মগী লমচৎ মাঙ্লকই অদুগা কবিগুম্বা থবক অমত্তুদা মতয যান্দে।

নাসমঞ্জসশীলৈস্তু সহাসীত কথঞ্চন।
সদ্‌বৃত্তসন্নিকর্ষো হি ক্ষণার্দ্ধমপি শস্যতে॥৩৬৬ *(বিষ্ণুপুরাণ)*

চিংনগনবা মীওইশিংগা লোয়ননা কৈদৌঙৈদসু লৈমিন্নগনু। লমচৎ যজবা মীওইশিংগদি মীকুপ তঙ্খায় অমতংগী সঙ্গ তৌববসু থাগৎনিংঙাইহনি।

অতিপরিচয়াদবজ্ঞা, সততং গমনাদনাদরো ভবতি।
লোক: প্রযাগ বাসী কূপে স্নানং সমাচরতি॥৩৬৭

যাম্না হেন্না মুন্না খঙনবদগী থওইদনা ওইবকই অদুগা নুংঙাইতিগী চৎপদগী ইকায়খুম্নবত্তবা ওই। প্রযাগতা লৈবা মীশিংনা নুংতিগী ফংলবা গঙ্গাব্ থওইবক্রবদগী গুহাগী ঈশিংনা ঈরুজনৈ।

মিত্রতা (মরূপ শান্নবা)

ন মাতরি ন দারেষু ন সোদর্যে ন চাত্মজে।
বিশ্বাসস্তাদৃশ: পুংসাং যাদৃঙ্‌মিত্রে স্বভাবজে॥৩৬৮ *(পঞ্চতন্ত্র)*

মীওইবনা চান্নবা মরূপতা থাজবগুম মমা, নুপী, মচিন মনাও অমসুং মচাদসু থাজদে।

য: কশ্চিদপ্যসম্বন্ধো মিত্রভাবেন বর্ততে।
স এব বন্ধুস্তন্মিত্রং সা গতিস্তৎপরায়ণম্॥৩৬৯ *(মহাভারত)*

হান্নদগী মরী কবিমত্তা লৈনদ্রগসু মরূপ ওইবগী ব্যবহার তৌবক্রবদি মহাক অদু মরূপনি, ভাংজনীংঙাই মতেংনি অমসুং চঙ্জফম্নি।

শুচিত্বং ত্যাগিতা শৌর্যং সামান্যং সুখ-দুঃখয়োঃ।
দাক্ষিণ্যং চানুরক্তিশ্চ সত্যতা চ সুহৃদ্গুণাঃ॥৩৭০

পূক্লিং ৱাখল শেংবা, পূকচেল চাউবা, থৌনা ফবা, অৱা নুংঙাই অনীমক্তা মান্ননা খনবা, হৈশিংবা, নুংশিবা অমসুং অচুম্বা লমচৎ চৎপা মখোযশিংসি মরূপ ওইবগী গুণনি।

দুর্বুদ্ধিমকৃতপ্রজ্ঞং ছন্নং কূপং তৃণৈরিব।
বিবর্জয়ীত মেধাবী তস্মিন্ মৈত্রী প্রণশ্যতি॥৩৭১ *(মহাভারত)*

বুদ্ধি লৈবা মী ওইনা মবুক ফত্তবা মী অদুগা ৱাখল লৈতবা মীবু নাপীনা কুপ্পুনা থম্বা গুহাগুম থাদোক্কদবনি। মাগা শান্নবা মরূপসু মাড্ডুনা তোকই।

আপন্নাশায় বিবুধৈঃ কর্ত্তব্যা সুহৃদোঽমলাঃ।
ন তরত্যাপদং কশ্চিদ্যোঽত্র মিত্রবিবর্জিতঃ॥৩৭২

জ্ঞান লৈবা মী ওইনা খুদোংথিবা অৱাবা কোকহনবগীদমক অশেংবা, থম্মোয় শেংলবা মীওইগা মরূপ শান্নগনি। সংসারদা মরূপ লৈত্রবা মীদি কৈদৌনুংদসু অৱা-অনাদগী নাম্থোকপা ঙমদে।

একং প্রসূয়তে মাতা দ্বিতীয়ং বাক্ প্রসূয়তে।
বাগজাতমধিকং প্রোচুঃ সোদর্য়াদপি বন্ধুবৎ॥৩৭৩

ইমানা ইনাও অমা পোকপী, ৱাঙাংনা অতোপ্পা অমা পোকহল্লি। ৱাঙাংদগী পোকপা ইনাওনা পোকমীন্নবা ইনাওদগী হেন্না অখোইবা অমদি কান্নবা ওই। অসুম্না পণ্ডিতশিংনা হায়রৈ।

স সুহৃদব্যসনে য়ঃ স্যাদন্যজাত্যুদ্ভবোঽপি সন্।
বৃদ্ধৌ সর্বোঽপি মিত্রং স্যাৎ সর্বেষামেব দেহিনাম্॥৩৭৪

অতোপ্পা জাৎকী মী ওইজসনু, ঐগী অৱাবদা লোয়নবীবিবা মীদুনা মরূপনি, চান্নবনি। নুংঙাই যাইফবিঙে মতমদা থৱায় পানবা খুদিংগী মরূপ বাংতে।

পরোঽপি হিতবান্বন্ধুর্বন্ধুরপ্যহিতঃ পরঃ।
অহিতো দেহজো ব্যাধির্হিতমারণ্যমৌষধম্॥৩৭৫ *(হিতোপদেশ)*

কান্নবা তৌবীবিবা মীদু মীতোপ ওইববসু ঐগী মরূপনি। মাঙননবা তৌবিবদি মরূপ ওইববসু ইচিন ইনাও ওইববসু মীতোপনি। হকচাংদগী

পোক্লকপা লাযনাসু নুংঙাইতবা পীবা ওই অদুগা বনদগী পোক্লকপা মনা মশিং (হিদাক) সু কান্নবা অমসুং নুংঙাইবা পীবা ওই।

পরেষামনপেক্ষ্যেব কৃতপ্রতিকৃতং হি যঃ।
প্রবর্ত্ততে হিতায়ৈব স সুহৃৎ প্রোচ্যতে বুধৈঃ॥৩৭৬ *(স্কন্দপুরাণ)*

মীওেন্দা অফবা তৌবীবগী মহুত্তা অফবা তৌবক্লবগী আশা থমদনা অতোপ্পগী কান্নবা তৌবা মীদু অশিংবশিংনা ঐরু নুংশিবীবা মী কৌনৈ।

যযোশ্চিত্তেন বা চিত্তং নিভৃতং নিভৃতেন বা।
সমেতি প্রজ্ঞয়া প্রজ্ঞা তয়োর্মৈত্রী ন জীর্য্যতে॥৩৭৭ *(মহাভারত)*

মীওইবগী পূক্লিংগা পূক্লিংগা, ৱাখলগা ৱাখলগা, বুদ্ধিগা বুদ্ধিগা তিন্নবর্বাদি মখোযগী মরূপ ওইবগী মতৌদু কৈদৌনুংদা মাংদে।

সুহৃদো ভবনে যস্য সমাগচ্ছন্তি নিত্যশঃ।
চিত্তে চ তস্য সৌখ্যস্য ন কিঞ্চিৎপ্রতিমং সুখম্॥৩৭৮

মীদুগী যুমদা নুংতিগী চান্নবা নুংশিবা মী লাক্লবদি মাগী পূক্লিংদা ফাউবা নুংঙাইবদুগা মান্নবা নুংঙাইবা অমা লৈত্রে।

তে ধন্যাস্তে বিবেকজ্ঞাস্তে সভ্যা ইহ ভূতলে।
আগচ্ছন্তি গৃহে যেষাং কার্য্যার্থং সুহৃদো জনাঃ॥৩৭৯

মী অদুগা যুমদ' থবক পাংখোকহন্নবগীদমক নুংশিবা মী ওইশিং লাক্লিবা মা ওই অদ সংসাব অসিদা থাগৎনীংঙাইনি। মহাক্লা অশেংবা জ্ঞান লৈবনি অমসুং লৈবাক মচা তাবা মীনি।

যো মিত্রাণি করোত্যত্র ন কৌটিল্যেন বর্ততে।
তৈঃ সমং ন পরাভূতিং সম্প্রাপ্নোতি কথঞ্চন॥৩৮০

সংসাব অসিদা মরূপ শান্নগা মাগী মফমদা লৌথুপ লৌকোযগী শাজৎ চত্তবা মীদু কৈদৌনুংদা মায়থিবা ফংদে।

ধর্ম্মজ্ঞং চ কৃতজ্ঞং চ তুষ্টপ্রকৃতিমেব চ।
অনুরক্তং স্থিরারম্ভং লঘুমিত্রং প্রশস্যতে॥৩৮১ *(মনু)*

ধর্ম্মগী তত্ত্ব খঙবা, মীগী তৌবিমল খঙবা, পেনবগী স্বভাব লৈবা, নুংশি চাউবা, ৱাখল তপথনা থবক তৌবা- অসিগুম্বা মরূপ অসি পীকচববসু অথোইবনি।

পাপান্নিবারয়তি যোজয়তে হিতায়,

গুহ্যং চ গূহতি গুণান্প্রকটীকরোতি।

আপদ্গতং চ ন জহাতি দদাতি কালে,

সন্মিত্রলক্ষণমিদং প্রবদন্তি সন্তঃ॥৩৮২ *(ভর্তৃহরি)*

সৎপুরুষশিংনা অফবা মরূপকী মওং মতৌ অসুম্না তাকই- মহাক্না ফত্তবা থবক্তগী কহ্নোকপী, কান্নবা অফবা থবক্তা ইনশিল্লি, অবোনবা ৱাবু লোত্তুনা থম্মী, গুণশিংবু ফোংদোকপী, অৱা-অনা তাববা কান্দা থাদোক্তে অমসুং দবকাব লৈববা মতমদা লন-থুমগী মতেং পী।

দদাতি প্রতিগৃহ্ণাতি গুহ্যমাখ্যাতি পৃচ্ছতি।

ভুঙ্ক্তে ভোজয়তে চৈব ষড়্বিধং প্রীতিলক্ষণম্॥৩৮৩

পীথোকপা, লৌশিনবা, অবোনবা ৱা হাযবা, হংবা, চাবা, পীজবা হাযবিবা থবকশিংসি নুংশিবগী খুদমনি।

গিরৌ ময়ূরা গগনে পযোদাঃ,

লক্ষান্তরেঽর্কশ্চ জলেষু পদ্মম্।

ইন্দুর্দ্বিলক্ষং কুমুদস্য বন্ধু-

র্যো যস্য মিত্রং নহি তস্য দূরম্॥৩৮৪

বাহোংনা চিংথক্তা অদুগা লৈচিলনা আকাশতা লৈ, নুমিৎনা মাইল লাখ কযা লাপ্না মথক্তা অদুগা থম্বালনা ঈশিংদা লৈ অদুগসু থবোগী নুংশিজববা চন্নজববা থাজনা মঙোন্দগী মাইল লাক্ষ অনী হেন্না লাপ্না লৈ। অদুনা মাগা মাগা চান্নজবা, মরূপ ওইজবর্নদি লাপচববসু লাপ্না লৈতবগুম্মা।

উৎকৃষ্ট-মধ্যম-নিকৃষ্ট-জনেষু মৈত্রী,

যাদৃক্ শিলাসু সিকতাসু জলেষু রেখা।

বৈরং পুনস্ত্বধম-মধ্যম-সজ্জনানাম্,

যাদৃক্ শিলাসু সিকতাসু জলেষু রেখা॥৩৮৫

অথোইবা, মযাই ওইবা অমদি অতোনবা মীশিংগা মরূপ শান্নবসি মথং মনাও নাইনা নুংদা চিংবা লৈই, লৈঙোইদা চিংবা লৈই অমসুং ঈশিংদা চিংবা লৈইগা মান্নে। মখোয়গা যেক্লবনা ওন্ন তৈনবা মওংদা ওই। হাযবদি অতোনবা মীগা যেক্লবনা নুংগী লৈইগুম্মই, ময়াই ওইবগীনা লৈঙোইগী লৈই অমসুং অথোইবা মীগীনা ঈশিংগী লৈইগুম্মই।

ক্ষীরেণাত্মগতোদকায় হি গুণা দত্তাঃ পুরা তেঽখিলাঃ।
ক্ষীরে তাপমবেক্ষ্য তেন পয়সা হ্যাত্মা কৃশানৌ হুতঃ॥
গন্তুং পাবকমুন্মনস্তদভবদ্ দৃষ্ট্বা তু মিত্রাপদং।
যুক্তং তেন জলেন শাম্যতি সতাং মৈত্রী পুনস্ত্বীদৃশী॥৩৮৬

(ভর্তৃহরি)

শঙ্গোমনা খাইদগী হান্না মনাঙা লাকপা ঈশিংবু মাগী লৈজবা গুণ পুন্না পীথোক্লে। অদুগী ঈশিংনা শঙ্গোমবু মৈশানা শাকপা উবগা মশাবু মৈদা হোম তৌথোক্লে। মরূপকী অসিগুম্বা অবাদশিদু উবগা শঙ্গোম্না মৈথক্তা চোংশিন্নবগী মবাং হৌবক্লে। অদুবু মঙোন্দা ঈশিং নবিক থিকচল্লবা মতমদদি মহাক্না মকাপ লাক্লে খন্দুনা ঈংথখ্রে। অফবা মীশিংগা নকপ ওইবদি অসুন্না তৌই।

ইচ্ছেচ্চেদ্বিপুলাং মৈত্রীং ত্রীণি তত্র ন কারয়েৎ।
বাগ্বাদোঽর্থসম্বন্ধঃ তৎপত্নীপরিভাষণম্॥৩৮৭

যাম্না লুনা অচেৎপা মরূপ শান্নানাশলবদি মবৈ যেৎনবা, লৌথোক লৌশিন তৌনবা অমসুং মরূপকী নুপীগা বাবী রাতাই শান্নবা ব্রাফম অশুম অসি তৌবোইদবনি।

চাপঃস্বভাবসরলং ক্ষিপতি শরং কিল গুণেঽপি নিপতন্তম্।
ঋজুকস্য চ বক্রস্য সম্বন্ধঃ কিং চিরং ভবতি॥৩৮৮

গাথা-সপ্তশতী (হাল)

অকোনবা লীকংনা অচুম্না অমসুং মঙণ চেল্লবা তেনশিংবু লাপ্না লংই। অদুনা অতিংবা অমসুং অখোযবা হাগবদি পুকচেল চম্বা অমসুং লৌথুপ লৌকোয লৈবা মীগা কযাম কুইনা মবী থম্না যাগদগে!

দুর্জনেন সমং সখ্যং প্রীতিং চাপি ন কারয়েৎ।
উষ্ণো দহতি চাঙ্গারঃ শীতঃ কৃষ্ণায়তে করম্॥৩৮৯

ফত্তবা মীগা কবিগুম্বা মখল অমত্তগী মরূপ মপাং শান্নবা নৎত্রগা নুংশিনবা তৌবোইদবনি। অচাকপা মৈতালনা হুকচাং পোকহল্লি অদুগা ঈংলবা কান্দসু শোক্লুরগা খূৎ মোৎহল্লি। মওং অসিমক ফত্তবা মীগসু চপ মান্নে।

কচিদ্রুষ্টঃ কচিত্তুষ্টঃ রুষ্টস্তুষ্টঃ ক্ষণে-ক্ষণে।

অব্যবস্থিতচিত্তস্য প্রসাদোঽপি ভয়ঙ্করঃ॥৩৯০ (*পঞ্চতন্ত্র*)

কবিগুম্বদনা হেক শাউবা. কবিগুম্বদা তেক পেনবীবা অসুম্না ঙাইগাক ঙাইগাক মীকুপ্তা শাউবা অমসুং গুবাউবা, পুক্নিং পল্লেপক্তম লৈতবা মীনা পেনবীবা হায়বসিস্ আকবগী মশাক্নি।

ধিগ্ ব্যোম্নো মহিমানমেতু দলশঃ প্রোচ্চৈস্তদীয়ং পদং।

নিন্দ্যাং দৈবগতিপ্রযাত্বভবনি ত্বস্যাস্তু শূন্যস্য বা॥

যেনোৎক্ষিপ্তকরস্য নষ্টমহসঃ শ্রান্তস্য সন্তাপিনো।

মিত্রস্যাপি নিবাশ্রয়স্য ন কৃতং ধৃত্যৈ করালম্বনম্॥৩৯১

নোং ঙানবদগী নুমিৎ তাবা কাওবা যাম্না রানা আকাশ থংনা চৎপদগী ক্লোকথবা মঙাল গাওদ্রবা মৈশানা চাক্লবা অমদি পোত্থাক্তম লৈত্রদনা মতংগীদমক্তা মখুৎ তিংথোবক্লবা মকপ নুমিৎপু মখুৎ পায়দনা মতং পীবা ঙমদ্রবা আকাশকী অচৌবা মগুণদবু নিন্দা তৌনিংঙাইনি, নিন্দা তৌনংঙাই ওইবা দৈবী গতিদু ফংসনু। মহাক্কী অহাওবা হায়বদু লৈতবনা ফে।

বনানি দহতো বহ্নেঃ সখা ভবতি মারুতঃ।

স এব দীপনাশায় কৃশে কস্যাস্তি সৌহৃদম্॥৩৯২

মৈনা জঙ্গলবু মাকথেক্লবা মতমদা নুংশিৎনা মাগী মকপ ওই। অসুম্না মকপ ওইববা নুংশিৎনা থাউমেইবুদি মুৎহল্লি। অশেংবানি অশোনবগী মতং কনানা পাংবগে. অতোনবগী মকপ কনা লৈতে।

অরা-নুংঙাই

দুঃখাদুদ্বিজতে সর্বঃ সর্বস্য সুখমীপ্সিতম্।৩৯৩ (*মহাভারত*)

অবাববু উবগা মা পুম্না পাথৎলি, অদুগা নুংঙাইববুদি লোইনা পাম্মী।

স্বসন্তুষ্টঃ স্বধর্মস্থো যঃ স বৈ সুখমেধতে।৩৯৪ (*মহাভারত*)

লৈজাববা মবলনা পেঞ্জবা অমদি মশাগী ধর্মদা লেংদনা লৈববা মীদু নুংঙাইবা ফংই।

সন্তোষাদনুত্তমসুখলাভঃ।৩৯৫ (পতঞ্জলি)

অপেনবদগী অথোইবা নুংঙাইবা ফংই।

যা দুস্ত্যজা দুর্মতিভির্যা ন জীর্যতি জীর্যতঃ।

তাং তৃষ্ণাং সন্ত্যজেৎপ্রাজ্ঞস্সুখেনৈবাভিপূর্য্যতে॥৩৯৬ (বিষ্ণুপুরাণ)

পুকচুংদা থাওরোশিংদনি থাদোকপদা বাববা অদুগা হকচাংনা মল্লবা হায়রবি অহল এতম কাউবদসু মন্থনা লৈএনা অপাম খৌবাংবা হায়নসিনু থাদোক্লগা। আশংবা মীনা নুংঙাইবনা পীক থলহল্লি।

ক্রোধো বৈবস্বতো রাজা তৃষ্ণা বৈতরণী নদী।

বিদ্যা কামদুধা ধেনুঃ সন্তোষো নন্দনং বনম্॥৩৯৭ (চাণক্য)

অশাউবা হায়বসিনা যমরাজগী মাহৈ, অপাম খৌবাংবা হায়বসিনা বৈতরণী তুরেলনি, 'বিদ্যানা' কামধেনুনি অদুগা পেনবা হায়বসিনা নন্দন বননি।

অকিঞ্চনোঽপি সন্তুষ্টঃ সাম্রাজ্যসুখমশ্নুতে।

আধিব্যাধিবিনির্মুক্তং সন্তুষ্টং যস্য মানসম্।৩৯৮

লায়না হীলনাগী অথানা লৈতবা অদগা পেনবা হৈববা মীদুদি লায়বজনা ওইরবসু নাউবনা লৈবাক অমা ফংবগুম নুংঙাইবা ফংই।

যদা ন কুরুতে ভাবং সর্বভূতেষু পাপকম্।

সমদৃষ্টেস্তদা পুংসঃ সর্বাস্সুখময়া দিশঃ॥৩৯৯ (বিষ্ণুপুরাণ)

কনাগুম্বা মীওই অমনা অতোপ্পা জীব অমগা মফমদা পাপকী মশক ওইবনা বাখল থমদ্রবা মতমদদা অদুংগুম্বা মাম্না মীৎযেং যেংবা ভুম্লবা মীদুগীদমক্তদি মাথক্কি পম্বাস নুংঙাইবগা চশন ওই।

তুষ্যন্তি ভোজনে বিপ্রাঃ ময়ূরাঃ ঘনগর্জিতে।

সাধবঃ পরসম্পত্তৌ খলা পরবিপত্তিষু॥৪০০ (চাণক্য)

ব্রাহ্মণনা শীজগদবা চাক উবগা, বাহোংনা নোং খোংবা তাবগা, অথবা মীশিংনা অতোপ্পগী চাউখৎপা উবগা অদুগা ফত্তবা মীওইশিংনা মীগী অরানা উবগা হৰাউই।

যদেবোপনতং দুঃখাৎসুখং তদ্রসবত্তরম্।
নির্বাণায় তরুচ্ছায়া তপ্তস্য হি বিশেষতঃ॥৪০১

(বিক্রমোর্বশীয়- কালিদাস)

অৱাবা ফংলবা মতুংদা নুংঙাইবা লাকপসি থোইদোক্লা নুংঙাইবগী মশক্তি। মদুগী খুদমদি নুংশানা কাহৎলবা মীনা উগী মকমদা চঙ্লগা থোইদোক্লা নুংঙাইবা ফংই।

গুণবন্তঃ ক্লিশ্যন্তে প্রায়েণ ভবন্তি নির্গুণাঃ সুখিনঃ।
বন্ধনমায়ান্তি শুকা যথেষ্ট সঞ্চারিণঃ কাকাঃ॥৪০২

মহৌশানা গুণ লৈবা মীনা অৱাবা নঙই, অদুগা গুণ য়াওদবা মীওইনা নুংঙাইনা লৈ। মবমসিননি তেনৱাবু পোন্দা ফাদুনা থম্মী অদুগা ক্লাক্লা মনীং মখা তম্না পাইদুনা লৈ।

সুখং হি জন্তুর্যদি বাপি দুঃখং
দৈবাধীনং বিন্দতে নাত্মশক্ত্যা।
তস্মাদ্দিষ্টং বলবান্মন্যমানো ন
সংজ্বরেন্নাপি হৃষ্যেৎ কথঞ্চিৎ॥৪০৩ *(মহাভারত)*

জীবশিংনা অৱাবা নৎত্রগা নুংঙাইবা ফংলিবসি মশাগী শক্তিনা নৎচদে, লাইগী নোংদম্বগী অনীংবা মতুং ইন্ননি। হায়র্বাদ অৱা নুংঙাই হাযবসি ঐখোযগী খুৎতা লৈতে, লাইবক নৎত্রগা নোংদম্বগী মখুৎতা লৈ। অদুনা লাইবক্লা তম্বসি কল্লি হায়না খন্দুনা কৈদৌনুংদা ৱাবা অমসুং নুংঙাইবা তৌবোইদবনি।

মদ্যপস্য কুতঃ সত্যং দয়া মাংসাশিনঃ কুতঃ।
কামুকস্য কুতো বিদ্যা নির্ধনস্য কুতঃ সুখম্॥৪০৪

যু থকপা মীনা অচুম্বা ঙাঙবা অদুগা শা-ঙা চাবনা মীনুংশি খঙবা কদাযদগী ওইগদগে? কামী (নুপী নহা যাম্না পাম্বা মী) না বিদ্যা অমসুং লায়ববা মীনা নুংঙাইবা কদায়দগী ফংগদগে?

যঃ কুরুতে পরযোষিৎসঙ্গং বাঞ্ছতি যশ্চ ধনং পরকীয়ম্।
যশ্চ সদা গুরুবন্ধুবিমানী তস্য সুখং ন পরত্র ন চেহ॥৪০৫

মীগী নুপীগা মবী লৈনবা, মীগী লনথুম মৎপা পাম্বা অদুগা মতম পূম্বদা পুজা তৌনীংঙাই ওইববা গুরু অমদি মরূপ মপাংশিংবু ইকায় খুম্নদবা মীদু মীবমলেন্দসু লাইবমলেন্দসু নুংঙাইবা অমত্তা ফংদে।

অহোঽনুকষ্টং সততং প্রবাসস্ততোঽতিকষ্টং পরগেহবাসঃ।
কষ্টাধিকো নীচজনস্য সেবা ততোঽতিকষ্টং ধনহীনতা চ॥৪০৬

মতম চুপ্পদা মীবৈবাক্তা লৈবা হাযবসি অৱাবগী মশকনি। অতোপ্পগী যূমদা লৈবনা মদুদগী হেন্না অৱাবগী মশক্কি। অদুদগী হেন্না অমুক ৱাবনা অতোনবা মীগী সেবা তৌবনি। মসিদগীসু হেন্না অৱাবনা লাযববা হাযবসিনি।

কর্মণা মনসা বাচা পরপীড়াং করোতি যঃ।
তদ্বীজং জন্ম ফলতি প্রভূতং তস্য চাশুভম্॥৪০৭ *(বিষ্ণুপুরাণ)*

থবক্তা, পূক্নিংনা অমদি ৱাহৈনা মীবু অৱাবা পীবিবদুগী চৈনাগী মশক ওইববা মরুনা পোক্লকপা থোইদোক্লা ফত্তবা মহয় ফংই।

ন চ রাত্রৌ সুখং শেতে সসর্প ইব বেশ্মনি।
যঃ কোপয়তি নির্দোষং সদোষোঽভ্যন্তরং জনম্॥৪০৮

মশানা মরাল লৈজবা ওইবগসু মরাল লৈতবা মবী মতাবু শাউহনবা মীদ কাংখদা লিন চঙলবা মীনা অহিংদা তূম্বা ঙমদবগুম নুংঙাইনা তূম্বা ঙমদে।

অনর্থকং বিপ্রবাসং গৃহেভ্যঃ পাপৈঃ সন্ধিং পরদারাভিমর্শনম্।
দম্ভং স্তৈন্যং পৈশুনং মদ্যপানং ন সেবতে যশ্চ সুখী সদৈব॥৪০৯
(মহাভারত)

মরম চাদনা কান্নদবদা মীবেবাক্তা লৈতবা, পাপীশিংগা মরুপ শান্নদবা, মগী নুপীগা মবী লৈনদবা, নাপল তৌদবা, মীগী মপোৎ হুবান্দবা, চিবোল তৌদবা অদুগা যু থক্তবা মীদু মতম পুম্বদা নুংঙাইনা লৈ।

য ঈর্ষুঃ পরবিত্তেষু রূপে বীর্যে কুলান্বয়ে।
সুখসৌভাগ্যসৎকারে তস্য ব্যাধিরনন্তকঃ॥৪১০ *(মহাভারত)*

অতোপ্পা মীগী মরল, মশক, মথৌনা, শাগৈ ফবা, নুংঙাইবা, নবাইবক ফবা অমসুং সন্মান ফংবা কল্লকপা মীহৌবা মীদুগী লাযনাসি কোকপা ঙম্লরোইদবা লাযননি।

বন্ধুত্যাগস্তনুত্যাগো দেশত্যাগ ইতি ত্রিষু।
আদ্যন্তাবায়তক্লেশৌ মধ্যমঃ ক্ষণিকজ্বরঃ॥৪১১ *(দণ্ডী)*

নুংশিববা মরুপ মপাং কাযনবা, হকচাং কাযনবা অমসুং লৈবাক থাদোকপা মখোয অহুম্নাসগী মনুংদা অহানবা অমসুং অরোইবা অনীসি মতম কুইনা অৱাবা পী অদুগা মযাই থংবা হাযবদি হকচাং কাযনবা (শিবা) হাযবসিদি ঙাইহাক্তংগী ওইনা অৱাবা ওই।

বহুপ্রজা নির্ঋতিমা বিবেশ। *(ঋগ্বেদ)*

মচা যাম্না পোকপা মীদি অৱাবা যাম্না ফংই।

নাঽতঃ পাপীয়সীং কাঞ্চনাবস্থাং শম্বরোঽব্রবীৎ।

যত্র নৈবাঽদ্য ন প্রাতর্ভোজনং প্রতিদৃশ্যতে॥৪১২ *(মহাভারত)*

শম্বর মুনিনা হায়বম্বা মতুং ইয়া মী ওইবগী খাঁইদগী হেন্না ৱাবা ফিভমদি ঙসিগী চানবস্ লৈতবা অদুগা হয়েং অয়ুক্কী চানবগীসু আশা উদ্রবা অদুনি।

ব্যাধেরনিষ্টসংস্পর্শাৎ শ্রমাদিষ্টবিবর্জনাৎ।

দুঃখং চতুর্ভিঃ শারীরং কারণৈঃ সম্প্রবর্ততে॥

তদা তৎ প্রতিকারাচ্চ সততং বা বিচিন্তনাৎ।

আধিব্যাধিপ্রশমনং ক্রিয়াযোগদ্বয়েন চ॥৪১৩ *(মহাভারত)*

লায়না, পান্নদবা পোৎ ফংবা, নোম্না কনবা অমসুং অপাম্বা পোৎ লৈতবা হায়বনা মরম মরিসিনা হকচাংগী অৱাবা পোকতল্লি। মখোয়সিবু ক্রাক্রনা হোৎনবা অদুগা মখোয়গী মরমদা শম্নুদ্রন্দি লায়না চীননা শম্নমক মাঙহল্লি। মসিনা মসিগী ক্রিয়া যোগ হায়বা ইতম অনানা।

স্ত্রিযোঽক্ষা মৃগযা পানমেতৎ কামসমুত্থিতম।

দুঃখং চতুষ্টয়ং প্রোক্তং যৈর্নরো ভ্রশ্যতে শ্রিয়ঃ॥৪১৪ *(মহাভারত)*

নুপী চিংবা, পাশা শান্নবা, শা তানবা অমসুং যু থাক ... মরম অসি মরি ... মন্নদগী পোক্লকই। মখোয় মরিমক চৎনবগী মরম্দা ... মঙাল মাঙহনবা মতৌ মখুল লনা থুনা মাঙহল্লি

দ্বেষ্টা হ্যসুখমাদত্তে তথৈব নিধনং তথা।৪১৫ *(মহাভারত)*

মী ... কল্লক যাথিনা বাখল থম্বা ... শিবগা মাংবা মনানা ...।

লাইবক্কা তম্নম্বা অমসুং কর্ম

নাস্ত্যসাবিহ সংসারে যো ন দিষ্টেন বাধ্যতে।

সর্বেষামেব জন্তূনাং দৈবাধীনং হি চেষ্টিতম্॥৪১৬

(মার্কণ্ডেয় পুরাণ)

সংসারদা লৈবা জীব অমত্তদসু লাইনা তম্ননা অৱাবা অযেংপা পীখদবা অমত্তা ওবা লৈখিদ্রে। থবায় পানবা খুদিংগী থবক খুদিং লোংদম্বা (ভাগ্য বিধাতা)গী মখা পোননবা ওক্লনি।

অঘটিতঘটিতং ঘটয়তি সুঘটিতঘটিতানি দুর্ঘটং করোতি।
বিধিরেব তানি ঘটয়তি যানি পুমান্ন বিচিন্তয়তি॥৪১৭

থোক্লোইদবা থৌদোক্না থোকহল্লি, লায়না থোক্কদবনা লুনা থোকহল্লি। লাইনা মী ওইবনা খল্লুদবা থৌদোক অমসুং ফিভম অদু থোকহল্লি অর্থাৎ ওইহল্লি।

সন্তি পুত্রাঃ সুবহবো দরিদ্রাণামনিচ্ছতাম্।
নাস্তি পুত্রাঃ সমৃদ্ধানাং বিচিত্রং বিধিচেষ্টিতম॥৪১৮

[illegible]দম্বগী খোঙচৎসি অ[illegible]কপনি। পামদ্রবসু লায়বরা মীশিংগী মচা যাম্না [illegible]কই [illegible] পাম্লবসু ইন[illegible]ক কৈনাকখুনবশিংগী মচা অমত্তা [illegible]।

ভবিতব্যং তথা তচ্চ নানুশোচিতুমর্হসি।
দৈবং প্রজ্ঞাবিশেষেণ কো নিবর্তিতুমর্হতি॥৪১৯ *(মহাভারত)*

[illegible] ওইগদবা থবক [illegible] শোয়দনা ওইগনি। মরম অদনা [illegible] থোক্কদবা কনানা [illegible]।

বিধাতৃবিহিত[illegible] মার্গ[illegible] ন কশ্চিদতিবর্ততে।
কালমূলমিদ[illegible] সর্বং ভাবাভাবৌ সুখাসুখে॥৪২০ *(মহাভারত)*

[illegible] ওইবা [illegible]।

কালঃ সুপ্তেষু জাগর্তি কালো হি দুরতিক্রমঃ।
কালঃ সর্বেষু ভূতেষু চরত্যবিধৃতঃ সমঃ॥৪২১ *(মহাভারত)*

[illegible] তৌগৎ[illegible] ([illegible])। [illegible] থবাগ [illegible] অমাদ [illegible]

গুণোঽপি দোষতাং যাতি বক্রীভূতে বিধাতরি।
সানুকূলে পুনস্তস্মিন্দোষোঽপি চ গুণায়তে॥৪২২

বিধাতানা তায়োন্নবক্লবদা মীওইবগী গুণসু দোষকী মশক ওইবকই। অদুগা মানা চান্নাবরদা দোষনসু গুণ ওইবকই।

তাদৃশী জায়তে বুদ্ধির্ব্যবসায়োঽপি তাদৃশঃ।
সহায়াস্তাদৃশা এব যাদৃশী ভবিতব্যতা॥৪২৩ *(চাণক্য)*

তুংদা মীথোইবা ওইগদবা মীগীদি বুদ্ধি, ক্রিয়া অমসুং তেংবাংবশিংসু অদুমক মতাং চানা ফংই।

অমিত্রং কুরুতে মিত্রং মিত্রং দ্বেষ্টি হিনস্তি চ।
শুভং বেত্তাশুভং পাপং ভদ্রং দৈবহতো নরঃ॥৪২৪

লাইবক্না থীনা নোংদম্বীববা মীগীদি মরূপ নৎতবদুসু মরূপ ওইহল্লি, মরূপকা খৎনহল্লগা অমাঙ্বা থোকহল্লি অমদি ফত্তবা থবকপুসু অফবা থবক ওইনা উহল্লি।

ন দিষ্টমপ্যতিক্রান্তুং শক্যং ভূতেন কেনচিৎ।
দিষ্টমেব ধ্রুবং মন্যে পৌরুষং তু নিরর্থকম্॥৪২৫ *(মহাভারত)*

লাইবক্না তম্ববু হেন্দোক্নবগী শক্তি কনাগুম্বা জীব অমতদসু লৈতে। ঐদি লাইবক্না তম্ববু লেঙ্দবনি হায়না লৌই। মাগী মমাঙ্দা নুপা থোকপা শক্তি অসে অবেম্লনি।

নহি ভবতি যন্ন ভাব্যং ভবতি চ ভাব্যং বিনাপি যত্নেন।
করতলগতমপি নশ্যতি যস্য তু ভবিতব্যতা নাস্তি॥৪২৬

(পঞ্চতন্ত্র)

তুংদা থোক ওইদবা থবক্তু কৈদৌঙৈদসু থোক্তে, থোক্কদবদুদি তোৎনকবা তৌদনা হেক্তা থোকই। ফংলোইদবা পোৎ তুদি খুৎতা লাক্লগসু তেক্তা মাঙখি।

শেতে সহ শয়ানেন গচ্ছন্তমনুগচ্ছতি।
নরাণাং প্রাক্তনং কর্ম তিষ্ঠেত্তত্র সহাত্মনা॥৪২৭

মীওইবশিংনা তৌখ্রবা থবক (প্রাবব্ধ) হায়বসি তুম্লিবা মীগা লোয়ননা তুম্মী, চৎলিবশিংগা লোয়ননা চৎলি। মহাক্কি আত্মাগা লোয়ননা লৈ।

ন দেবা দণ্ডমাদায় রক্ষন্তি পশুপালবৎ।
যং তু রক্ষিতুমিচ্ছন্তি বুদ্ধ্যা সংবিভজন্তি তম্॥৪২৮ *(মহাভারত)*

লাইশিংনা যঞ্জেনহাশিংগী মতৌগুম চৈ পায়দুনা কনাগুম্ববু ঙাক শেন্দে। মখোয়না ঙাকশেন্নীংবা, কন্নীংবা মীদুগীদমক বুদ্ধি লৌশিং ওইনা ঙাকান্নবা পীপি।

যস্মৈ দেবাঃ প্রয়চ্ছন্তি পুরুষায় পরাভবম্।
বুদ্ধিং তস্যাপকর্ষন্তি সোঽবাচীনানি পশ্যতি॥৪২৯ *(মহাভারত)*

দেবতাশিংনা মাযথিনা পীবা পাম্বা মীগী বুদ্ধিবু ইহান হান্না মাঙ্হল্লি, অদুগী তুংদা অনীশুবা ওইনা মীদনা ফত্তবা থবকশিংদা মীৎযেং তাবকই।

স্বশক্ত্যা কুর্বতঃ কর্ম ন চেৎসিদ্ধিং প্রয়চ্ছতি।
ন পালভ্যঃ পুমাংস্তত্র দৈবান্তরিতপৌরুষঃ॥৪৩০ (পঞ্চতন্ত্র)

মশাগী তৌজবা শক্তি পুথোক্লনা থবক তৌজববসু মদুদা মহয যান্দ্রবদি মদুগীদমক মীদুবু নিন্দা তৌনীংগুই ওইদ মনমদি মাগী পুরুষার্থদি দৈবনা মাঙ্হনখ্রবনি।

পশ্য কর্মবশাৎ প্রাপ্তং ভোজ্যকালেঽপি ভোজনম্।
হস্তোদ্যমং বিনা বক্ত্রে প্রবিশেন্ন কথঞ্চন॥৪৩১ *(পঞ্চতন্ত্র)*

যেংউ, লাইবক্লা তমদুনা শাননা ফংলবা চাক ফাওবসু খুৎ যাওদনা হেক্লা চীন্দা চংউ হাযবা যাদে।

পঞ্চভিঃ কামিতা কুন্তী তদ্বধূরথ পঞ্চভিঃ।
সতীং বদতি লোকোঽয়ং যশঃ পুণ্যৈরবাপ্যতে॥৪৩২

কুন্তীগা মপুরোইবা মওং চানন্মী; অদুগা দ্রৌপতীসু নুপা মঙাগী নুপী ওইখি। অদু ওইনবসু মখোযবু [illegible] কৌনৈ। মীংচৎ হায়বসিদি পুণ্যতনা ফংই।

মহতামাশ্রয়ঃ পুংসাং ফলং ভাগ্যানুসারতঃ।
ঈশস্য কণ্ঠলগ্নোঽপি বাসুকির্বায়ুভক্ষকঃ॥৪৩৩

অচৌ অমাইবশিংগী মতেং যংলবসু মীওইবনা লাইবক্কী মতুং ইন্না মতম ফংই। শিবজাগা ষুকশন্দা লেংতুনা লৈবনসু বাসুকি কৌবা লিননা নুংশিৎতমক চানা ফংই।

মূঢৈঃ প্রকল্পিতং দৈবং তৎপরাস্তে ক্ষয়ং গতাঃ।
প্রাজ্ঞাস্তু পৌরুষার্থেন পদমুত্তমতাং গতাঃ॥৪৩৪ *(যোগবাসিষ্ঠ)*

লাইনা তম্না হাযবা খাথল অসি অপণ্ডবশিংগী কল্পনানি। মসিদা থাজদুনা লৈবগা মখোযনা অমাঙবা ফংজে। অশিংবা মীশিংদি মশাগী পাঙ্গলনা মশাবু চাওখৎহল্লি।

ন দেবসেবয়া যাতি কর্মবন্ধঃ পরিক্ষয়ম্।
জঘাস ঘাসমেবাসৌ বলীবর্দঃ কপর্দিনঃ॥৪৩৫

লাইশিংগী সেবা তৌদুনসু কর্ম্মবন্ধন হায়বদি তৌকবা কর্ম্মগী লীপুনসে মযেং তাবা লৈতে। অদুননি মহাদেবগী শাদোং ওইবিবা নন্দি কৌবা ষণদু শক্তিক্রমক চাদুনা হিংই।

নমস্যামো দেবান্ননুহতবিধেস্তেঽপি বশগা-
বিধির্বন্দ্যঃ সোঽপি প্রতিনিয়তকর্মৈকফলদঃ॥
ফলং কর্মায়ত্তং যদি কিমপরৈঃ কিঞ্চ বিধিনা।
নমস্তৎকর্মভ্যো বিধিরপি ন যেভ্যঃ প্রভবতি॥৪৩৬ (ভর্তৃহরি)

লাইশিংবু ঐখোয়না খুৎমজ্জবি অদুবু মখোয়সু বিধাতাগী মখাদা লৈবা ঐই। মবম অদুনা বিধাতাবু খুৎমজবি। অদুবু বিধাতাসু ঐখোয়না তাগ্না তৌজখিবা থবক্কী মতুং ইন্না ফল পীবি অদুনা ফল অমসুং বিধাতা অনীমকসু কর্ম্মগী মখাদা লৈববদি লাইশিং অমসুং বিধাতানা কবি তৌনাগানা। মবম অসিদগী বিধাতা ফাওবনসু কাবসু তৌবা ঙমদ্রবা কর্ম্ম অদদু খুৎমজ্জ।

যৎকর্মবিহিতং যেন শুভং বাথ শুভেতবম্।
স এব ভুঙক্তে তত্তথাং বিধিসূত্রনিয়ন্ত্রিতঃ॥৩৩৭ (স্কন্দপুরাণ

মী মীনা তৌজখিবা অফ থবক্কী মশক ওইববা কর্ম্মশিংদুনা চাগাসু (লাইবক্কী লংলা) দা পুন্নগা থবক অদুগী মহৎ ফংই তসনাস যান্না শেংলনা অচুম্না।

কশ্চিদাম্রবণং ছিত্ত্বা পলাশাংশ্চ নিষিঞ্চতি।
পুষ্পং দৃষ্টা ফলং গৃধ্নুঃ স শোচতি ফলাগমে॥৪৩৮ (গরুড় পুরাণ

কমলোংগী ভ্রাংশা ভাংলবা মপালশিংবু উবগা ফজনা মহৎ ফংলোংবগী বাখলনা হৈনৌ পান্নী যানথংলগা পাঙ্গোং পান্না থাবা মীদু উহৈ যাল্লনা মংমদা নীং ঙম্লক্তে।

কর্মায়ত্তং ফলং পুংসাং বুদ্ধিঃ কর্মানুসারিণী।
তথাপি সুধিয়া ভাব্যং সুবিচার্যৈব কুর্বতা॥৪৩৯ (ভর্তৃহরি)

মী ওইবনা কর্ম্মগী মতুং ইন্না ফল ফংজববসু অদুগা বুদ্ধিসু থবক্কী মতুং ইঙ্গবসু অশিংবশিংনা যান্না নীংথিনা বাখল খল্লগা থবক তৌগদবনি।

বিষমাং হি দশাং প্রাপ্য দৈবং গর্হয়তে নরঃ।
আত্মনঃ কর্ম্মদোষাংস্তু নৈব জানাত্যপণ্ডিতঃ॥৪৪০ *(হিতোপদেশ)*

অরাবা খুদোংথিবা ফওমদা তাববা কান্দা মীওইবনা লাইবকপু দোষ পী। অদুবু অপণ্ডবশিংনা কৈদৌনুংদসু মশাগী কর্ম্মদোষপুদি উজদে।

স্বসংবিদাত্তনাদন্যন্ন চ কিঞ্চিৎকদাচন।
ফলং দদাতি তেনাশু যথেচ্ছসি তথা কুরু॥৪৪১ *(যোগবাসিষ্ঠ)*

ইশানা হোৎনজবা নত্তনা কৈদৌনুংদসু কনামত্তনা সিদ্ধি পীবিগদবা নৈতে। মবম অদুনা অপাম অং ম্না থবক্কীদমক কন্না হোৎনগদবনি।

অনাগতবিধাতা চ প্রত্যুৎপন্নমতিস্তথা।
দ্বাবেতৌ সুখমেধেতে যদ্ভবিষ্যো বিনশ্যতি॥৪৪২

নত্তনা থৌনাবুড়দা তাগা অমাং মাত্তাং খলহৌবিবা অমদি মতম লাক্লবা ... অ ম্না নাং ... ফংই। লাইবক্তা ... অম ... মাদি ...।

ক্ষিপ্রং হি মানুষে লোকে সিদ্ধির্ভবতি কর্ম্মজা॥৪৪৩ *(গীতা)*

মীওইবগী লোকতা ... ফংই।

অবিজ্ঞায় ফলং যো হি কর্ম্মত্বেবানুধাবতি।
স শোচেৎফলবেলায়াং যথা কিংশুকসেচকঃ॥৪৪৪ *(রামায়ণ)*

... থৌবা মীদু মতম যংদা মতমদা পাঙ্গোং ...
... বববা মীগ ... মী ... লবই

নাত্মানমবমন্যেত পূর্বাভিরসমৃদ্ধিভিঃ।
আমৃত্যোঃ শ্রিয়মন্বিচ্ছেন্নৈনাং মন্যেত দুর্লভাম্॥৪৪৫ *(মনুস্মৃতি)*

অহৌবা তেক লং থম নংবা ভমদ্রবদি মসিদা মশাবু হন্থনা খনবা লৌবোইদবা। হায়বদি মশাগ অহোনবা নৎত্রগা মবাইবক থিবা মীনি হায়না লৌবোইদবা। মীওইবগী পন্সিগী অহোইবা মীকুপ ফাওবা লক্ষ্মী যংবা হোৎনদুনা লৈগদবনি। মাবু যংভমদবনি হায়না লৌবোইদবনি।

কার্য্য সিদ্ধি অমসুং ব্যবহার কৌশল

জলবিন্দুনিপাতেন ক্রমশঃ পূর্যতে ঘটঃ।
স হেতুঃ সববিদ্যানাং ধর্মস্য চ ধনস্য চ॥৪৪৬ (চাণক্য)

ঈশিং মবিক অমমম লেপ্তুনা তাবদগী চফু অমা থল্লকই। মবম অসিমক ধর্ম্ম, ধন অমদি বিদ্যা পুম্নমক্কী ফংবদসু অসুম্না খনগদবনি।

অলসস্য কুতো বিদ্যা, অবিদ্যস্য কুতো ধনম্।
অধনস্য কুতো মিত্রমমিত্রস্য কুতো সুখম্॥৪৪৭

অতনবা মীনা মহৈ কদাযদগী হৈগনি। মহৈ হৈতবা মীনা লন কদাযদগী ফংগনি। লন লৈত্রবা মীনা মরূপ কদাযদগী ফংগনি অদুগা মরূপ লৈত্রবা মীনা কদাযদগী নুংঙাইবা ফংগনি।

অনির্বেদঃ শ্রিযোমূলমনির্বেদঃ পবং সুখম।৪৪৮ (রামায়ণ)

থবক লোম্নদা পুক্নিং চঙ্দনা লৈবতনা মহয গান্নবগী মর্মনি অদগা মসিনা অথোইবা নুংঙাইবনি।

মূর্খঃ স্বল্পব্যয়ত্রাসাৎসর্বনাশং করোতি হি।
কঃ সুধীস্ত্যজতে ভাণ্ডং শুল্কস্যোবাতিসাধ্বসাৎ॥৪৪৯

অপ ংবা মীনা খবচ খবা তৌখিগানি হাযবগী অকিবনা মশাবু পুম্নমা মাঙজহল্লি। মসূল লৌখিগনি হাযদনা অশিংবা কনানা মশাগী পোৎপু লম্মী। তুন্দোক্লমগদুনে।

আবন্তত্তেঽল্পমেবাজ্ঞাঃ কামং ব্যগ্রা ভবন্তি চ।
মহাবন্তাঃ কৃতধিযস্তিষ্ঠন্তি চ নিরাকুলাঃ॥৪৫০

(হিতোপদেশ)

বুদ্ধি যাম্না লৈতবা মীশিংনা ইমে চন্না থবকপু মপুংথা লৌশিনগদা যাম্না মাপাইগল্লি। অদুংপা বুদ্ধি লৈবা মীশিংদি অচৌবা অকবা থবকপু নংনা লৌশিল্লি অমসুং পুক্নিং তপ্পা লৈ।

আদানস্য প্রদানস্য কর্ত্তব্যস্য চ কর্মণঃ।
ক্ষিপ্রমক্রিযমাণস্য কালঃ পিবতি তদ্রসম্॥৪৫১

লৌথোক লৌশিন অমদি তৌফম থোকপা থবকপু থুনা তৌহৌদ্রবদি কাল কৌবা লাইনা মদুগী মচি ওইবা শক্কপু থকতোকই। হাযবদি কান্নদবা ওইহল্লি।

অনুবন্ধং চ সম্প্রেক্ষ্য বিপাকং চৈব কর্মণাম্।
উত্থানমাত্মনশ্চৈব ধীরঃ কুর্বীত বা ন বা॥৪৫২ *(মহাভারত)*

রাখল পূক্লিং চেৎপা মীওইনা কবিগুস্না থবক অমগী কান্নবা মদুগী মতয অমদি মশাগী কান্নবগী মবমদা হন্না হন্না খল্লগা থবক অদু হৌগৎকদবনি নৎত্রগা তৌবোইদবনি।

অনুচিতকর্মারম্ভঃ স্বজনবিরোধো বলীয়সাং স্পর্দ্ধা।
দুষ্টস্ত্রী বিশ্বাসো হ্যাপদ্দ্বারাণি চত্বারি॥৪৫৩

তৌফম থোক্তবা থবক তৌবা, মবী মতা, শাগৈ-নাতৈগা য়েংথিনবা মংঙাম্দগী পাঙ্গল কনবশিংগা মুক্কবা অদুগা ফত্তবা নুপীশিংদা থাজবা হাযবিবা থবক মবি অসি শুদোংথিনবগী থোঙশিংনি।

আরম্ভং তস্য কুর্য্যাদ্ধি যৎসমাপ্তিং সুখং ব্রজেৎ।
নারম্ভো বহুকার্য্যাণামেকদৈব সুখাবহঃ।।৪৫৪

থবক অদু তৌকপগা নুংঙাইনা লোইশিনবা যাবা থবক অদুতা তৌগদবনি। অমুক্তদা থবক মযাম অমা হৌকবা হাযবসি নুংঙাইবা থবক নত্তে।

প্রারভ্যতে ন খলু বিঘ্নভয়েন নীচৈঃ,
প্রারভ্য বিঘ্নবিহতা বিরমন্তি মধ্যাঃ।
বিঘ্নৈঃ পুনঃপুনরপি প্রতিহন্যমানাঃ
প্রারভ্য চোত্তমজনা ন পরিত্যজন্তি॥৪৫৫ *(ভর্তৃহরি)*

থাক নেম্না মীনা অপনবা খুদোং থিবা লাক্কনি হাযবা কিবদগী থবক অমদ হৌগৎতে। মযাই ওইবা থাক্কী মীওইনা থবক হৌদি হৌগৎলগা অপনবা লাক্কবদি থবক অদু তোকথোকই। অথোইবা মীদি হন্না হন্না অপনবা খুদোংথিবা থেংনবসু হৌগৎলুববা থবক অদু লোইদনা তোকথোক্তে।

পরিচ্ছেদো হি পাণ্ডিত্যং যদাপন্নবিপত্তয়ঃ।
অপরিচ্ছেদকর্তৃণাং বিপদঃ স্যুঃ পদে-পদে॥৪৫৬ *(হিতোপদেশ)*

খুদোংথিবা লাক্কবা কান্দা খুদক্তা রাবেপ লৌবা হাযবসি লৌশিং শিংবগী থবকনি অসুম রাখল খন্দুনা লৈববদি থোঙথাং খুদিংগী খুদোংথিবা ফংই।

ব্যসনেষ্বেব সর্বেষু যস্য বুদ্ধির্ন হীয়তে।

স তষাং পারমভ্যেতি তৎপ্রভাবাদসংশয়ম্॥৪৫৭

অৱাবা খুদোংথিবা তাববা কান্দা বুদ্ধি মাঙ্দ্রবা মীদু বুদ্ধি অদুগী মতেংনা লেপ্পমক খুদোংথিবদুদগী লাম্ছোকপা ঙম্মী।

উপায়েন জয়ে যাদৃগ্ রিপোস্তাদৃঙ্ন হেতিভিঃ।

উপায়জ্ঞোঽল্পকায়োঽপি ন শূরৈঃ পরিভূয়তে॥৪৫৮

যেক্লববু হৈশিংবা উপাযনা জয তৌবা ঙম্বা অদুগুম্না খূৎশু খূৎলাইনা জয তৌবা ঙমদে। অশিংবা মীবু মশা পীকচববসু নৎত্রগা মপাঙ্গল শোঞ্জববসু যেক্লবনা মাযথিবা পীবা ঙমদে।

সোৎসাহশক্তিসম্পন্নো হন্যাচ্ছত্রুং লঘুর্গুরুম্।

যথা কণ্ঠীরবো নাগে সুসাম্রাজ্যং প্রপদ্যতে॥৪৫৯ *(পঞ্চতন্ত্র)*

মথৌনা শক্তিনা তিল্লবা ইচম চম্বা অপীকপা মী ওইববসু অচৌবা যেক্লববু হাৎপা ঙম্মী। খুদমদি মশা পীক্লবা নোংশানা মশা চাউববা শামুবু ইবায লাযনা খুদুম চনবা ঙম্মী।

প্রবিচারোত্তরং দেয়ং সহসা ন বদেৎ ক্বচিৎ।

শত্রোরপি গুণা গ্রাহ্যা দোষাস্ত্যাজ্যা গুরোরপি॥৪৬০

কৈদৌনুংদসু হাথু হাথুনা ৱা ঙাঙ্লোইদবনি. বাখল মুন্না খল্লগা পাউখুম পীগদবনি। যেক্লবদা যাওবা অফবা গুণশিংবুদি লৌশিনগদবনি অদুগা গুরুদা যাওবা ফত্তবা দোষশিংবুদি থাদোক্কদবনি।

নারভতে কলিং প্রাজ্ঞশ্শুষ্কবৈরং চ বর্জয়েৎ।

অপ্যল্পহানিরসোঢব্যা বৈরেণার্থাগমং ত্যজেৎ॥৪৬১

(বিষ্ণুপুরাণ)

অশিংবা মীনা তৌগদবদি মীগা খৎনদবা অমদি কান্নদবদা মীগা য়েংথিনদবা. অমাঙ্বা খবা থোক্লবসু য়েংথিনবনা কান্নবা খবা লৈনবসু মদুবু থাদোক্কনি।

যত্রোৎসাহ-সমারম্ভো যত্রালস্যবিহীনতা।

নয়বিক্রমসংযোগস্তত্র শ্রীরচলা ধ্রুবম্॥৪৬২

হৈনীংবা থৌনাগা লোযননা থবক অদু হৌগৎলবা, অবেপ্পা লৈতনা হোৎনববা অমদি নীতি অমসুং থৌনাগা পুন্না যাওববা মতমদুদা লেপ্পমক লেঙ্দ্রবা সম্পত্তি নৎত্রগা মহয যানবা লৈ।

শাখামৃগস্য শাখায়া শাখাং গন্তুং পরাক্রমঃ।
উল্লঙ্ঘিতো যদম্ভোধিঃ প্রভাবঃ প্রাভবো হি সঃ॥৪৬৩

উশা অমদগী অতোপ্পা উশা অমদা য়ৌবা অসিখক্লা য়োংগী ঙমজবা য়ৌনানি। সমুদ্র চোংখিবা হনুমাননচিংবা যোংশিংবুদি প্রভু বামগী মগুণননি। প্রভুগী মগুন্না মখোযনা সমুদ্রবু লানবা ঙমখিবনি।

যান্তি ন্যায়প্রবৃত্তস্য তির্য্যঞ্চোঽপি সহায়তাম্।
অপন্থানং তু গচ্ছন্তং সোদরোঽপি বিমুঞ্চতি॥৪৬৪

অচম্বা ন্যায়গী লম্বীদা চৎলিবা মীগীদি শা উচেক্লা ফাওবা মাগী মতেং পাংই। ফত্তবা অবানবা লম্বীদা চৎলিবা মীগীদি পোকমীন্নবা মচিন মনাও ফাওবনসু থাদোক্লম্মী।

বদেদ বৃদ্ধানুকূলং যন্ন বালসদৃশং ক্বচিৎ।
পরবেশ্মগতস্তৎস্ত্রী-বীক্ষণং ন চ কারয়েৎ॥৪৬৫

মতম চপ্পদা অহল লমনগা মতুং ইন্না ৱা ঙাঙ্গনি, অঙাং মচাগুম চবেং চবেং ঙাংলোইদবনি। মীগী মযুমদা চৎলগা মীদুগী নুপীগী মায়গৈদা কৈদৌনুংদা য়েংলোইদবনি।

সুহৃদ্‌ভিরাপ্তৈরসকৃদ্বিচারিতং,
স্বয়ং চ বুদ্ধ্যা প্রবিচারিতং পুনঃ।
করোতি কার্য্যং খলু যঃ স বুদ্ধিমান্,
স এব সৌখ্যং বহুধা সমশ্নুতে॥৪৬৬

মকপ মপাংশিং অমসুং ঙ্গান লৈবশিংদগী হন্না হন্না মোৎ লৌবগা অমদি মশাগী বুদ্ধিনা মুন্না খল্লগা থবক তৌবা মীদু অশিংবা কৌই। অদুগা মতম চুপ্পদা নুংঙাইবা ফংই।

চিরেণ মন্ত্রং সন্ধীয়াচ্চিরেণ চ কৃতং ত্যজেৎ।
চিরেণ বিহিতং মিত্রং চিরং ধারণমর্হতি॥৪৬৭

শান্না মুন্না ৱাখল তৌবগা তৌগদবা থবক অদু লেপথোক্কনি, লেপখ্রবা ৱাবেপতু খুনা থাদোক্কনু, মরূপ শান্নবদি মুন্না খল্লগা তপ্পা শান্নগনি অদুগা মদুবু মতম কুইনা কায়নদবা হোৎনগনি।

দাতা নীচোঽপি সেব্যঃ স্যান্নিষ্ফলো ন মহানপি।
জলার্থী বারিধিং ত্যক্ত্বা পশ্য কূপং নিষেবতে॥৪৬৮

দান পীবিবা মীদু অতোনবা ওইববসু সেবা তৌবদা মতিক চাই অদুবু অচৌবা মী ওইববসু অবিকপা মীগীদি সেবা তৌবোই। ঈশিং পাম্বা মীনা সমুদ্রবু থাদোক্লগা গুহাগী মনাক্তা চৎনবিবদুনি।

গণেশঃ স্তৌতি মার্জারিং স্ববাহস্যাভিরক্ষণে।
মহানপি প্রসঙ্গেন নীচং সেবিতুমিচ্ছতি॥৪৬৯

মশাগী শাদোং উচিবু কন্নবগীদমক গণেশজী ফাওবা হৌদোংদা নোঞ্জে। মতাং অমদি দবকাবগী মতুং ইন্না অচৌবা মীসু অতোনবগী মফমদা চঙজে।

যত্রাযুদ্ধে ধ্রুবো নাশো যুদ্ধে জীবিতসংশয়ঃ।
তং কালমেকং যুদ্ধস্য প্রবদন্তি মনীষিণঃ॥৪৭০

লাল তৌনদ্রবসু মাঙ্তাকপা থোকপা শোযদ্রবদি অদুগা লাল তৌনবগা থবায হিংনবগী আশা লৈববদি অশিংবাশিংনা মতম অদুবু লালগী মতাং মবা মতম কৌনৈ।

প্রাজ্ঞং কুলীনং শূরঞ্চ দক্ষং দাতারমেব চ।
কৃতজ্ঞং ধৃতিমন্তং চ কষ্টমাহুর্ববিং বুধাঃ॥৪৭১ (মনু)

পাঙ্গুতশিংনা হাযবা মতুংইন্না লৌশিং শিংবা, শাগৈ ফংৎ ফবা, থৌনা লৈবা, হৌশিংবা, দান হৈবা, তৌবীমল খঙ্বা অমদি অখাং কনবা যেক্লববু জগ তৌবা হাযবসি যাম্না লুবা থবক্নি।

অনুলোমেন বলিনং প্রতিলোমেন দুর্ব্বলম্।
আত্মতুল্যবলং শত্রুং বিনযেন বলেন বা॥৪৭২ (চাণক্য)

মপাঙ্গল কনবা যেক্লববু মানা যানবা চৎলগা, অশোনবা যেক্লববু মাগী মাযোক্তা লৈদুনা অদুগা মপাঙ্গল মান্নবা যেক্লববুনা নোঞ্জদুনা নৎত্রগা থৌনা পাঙ্গলনা খুদুম চনগনি।

প্রচ্ছন্নো বা প্রকাশো বা যোগো যোঽবিং প্রবাধতে।
তদ্বৈ শস্ত্রং শস্ত্রবিদাং ন শস্ত্রং ছেদনং স্মৃতম্॥৪৭৩
(মহাভারত)

অবোনবা পাম্বৈনা ওইববসু নৎত্রগা অফোংবা পাম্বৈনা ওইববসু যেক্লববু খুদুম চনবা ঙম্বা মীদু খুৎলাই পাযবশিংগী হাযবদি থৌনা ফবাশিংগী খুৎলাইনি। ককথোক কর্কাশন তৌবা খুৎলাইতনা খুৎলাই কৌদে।

শত্রুপক্ষং সমুধ্যন্তং যো মোহাৎসমুপেক্ষতে।

ব্যাধিরাপ্যায়িত ইব তস্য মূলং ছিনত্তি সঃ॥৪৭৪ *(মহাভারত)*

চা ওখৎলক্লিবা য়েক্লবগী কাওবুবু থওইদ্রবদি মাগী য়েক্লবদুনা নাবা হেনগৎলক্লিবা লায়নাগী মতৌগুম মক ফংনা মাওহল্লকই।

সিদ্ধং বা যদি বাঽসিদ্ধং চিত্তোৎসাহো নিবেদয়েৎ।

প্রথমং সর্বজন্তুনাং তৎপ্রাজ্ঞো বেত্তি নেতরঃ॥৪৭৫

থবক অমা মহয যাল্লগনি যাল্লোই হায়বসি জীব খূদিংগী পুক্লিংগী থৌনানা হান্না উৎথোকই। প্রাফম অসি অশিংবা মীতনা খঙই, অতৈ মীনা খঙদে।

পূবতঃ কৃচ্ছ্রকালস্য ধীমাঞ্জাগর্তি পুরুষঃ।

স কৃচ্ছ্রকালং সম্প্রাপ্য ব্যথা নৈবেত্তি কর্হিচিৎ॥৪৭৬

(মহাভারত)

মশিংবা মীদ অবাবা খুদোং থিবা তাদ্রিঙৈগী মমাঙদ মীং না শিংদুনা লে। মনম অদুনা খুদোংথিবা থেংনবা মতমদসু মহাক্না কৈনৌনুংদা ববীদে।

অবিদিত্বাত্মনঃ শক্তিং পরস্য চ সমুৎসুকঃ।

গচ্ছন্নভিমুখো নাশং যাতি বহ্নৌ পতঙ্গবৎ॥৪৭৭

মশামক্কী অমসুং অ.তাপ্পগী শাক্তবু নীংথিনা খঙদনা অনীংবনা পুদুনা .ক্লবগা মমাঙদা লানথাদমক চপ্তাশাল্লিবা মীদু মৈবীগী মমাঙদা মৈবানবানা . . ম .াংই

জাতমাত্রং ন যঃ শত্রুং ব্যাধিং চ প্রশমং নয়েৎ।

অতি পুষ্টাঙ্গযুক্তোঽপি স পশ্চাত্তেন হন্যতে॥৪৭৮

য়েক্লবা অমসুং লায়নাবু পোক্লকপগা তেক মাঙহনহৌদ্রবা মীদু মশা মট লোই পেল্লবস্ মমেদা মখোযনা হাৎলি।

সর্বনাশে সমুৎপন্নে হ্যর্ধং ত্যজতি পণ্ডিতঃ।

অর্ধেন কুরুতে কার্যাং সর্বনাশো ন জায়তে॥৪৭৯

পুম্মাং মাঙবা তাববদা অশিংবনা তঙ্খায অমা থাদোকই অদুগা তঙ্খাযদুনা থবক যানবা শিল্লি। অদুনা মসিদগী পুম্মাং মাঙবদগী কলহৈ।

সর্বনাশে চ সঞ্জাতে প্রাণানামপি সংশয়ে।
অপি শত্রুং প্রণম্যাপি রক্ষেৎপ্রাণধনানি চ॥৪৮০

পূম্মাং মাঙ্‌বা তাববা অমদি থব্রায মাঙ্‌বগী চিংনবা পোক্লবা মতমদদি যেক্লবব্‌সু খুকম্লগা থব্রায অমদি লনবু ঙাক্কনি।

পশ্য দানস্য মাহাত্ম্যং সদ্যঃ প্রত্যযকারকম্।
যৎপ্রভাবাদপি দ্বেষী মিত্রতাং যাতি তৎক্ষণাৎ॥৪৮১

খুদক্তা থাজবা পোকহনবা দানগী মগুণবু যেংউ মাগী মগুণদগী যেক্লবম্বা মীদু মকাপ ওইবকই।

যো হ্যপকর্তুমশক্তঃ কুপ্যতি কিমসৌ নরোঽত্র নির্লজ্জঃ।
উৎপতিতোঽপি হি চণকঃ শক্তঃ কিং ভ্রাষ্ট্রকং ভঙ্‌ক্তুম্॥৪৮২

কনাগুম্বা অমত্তগী মাঙ্‌নবা তৌবা ঙমদ্রবা ইকায়খঙদ্রবা মাণা অনেম্বদা কনিগী শাউবনে। চনানা চোংখৎলগা নৈবং খুগামনা ভঙ্গা।

প্রাপ্যাপদং ন ব্যথতে কদাচিদুদ্যোগমন্বিচ্ছতি চাপ্রমত্তঃ।
দুঃখং চ কালে সহতে মহাত্মা ধুরন্ধরস্তস্য জিতাঃ সপত্নাঃ॥৪৮৩

(মহাভারত)

মগুণ লৈববা মহাপুরুষশিংনা অৱাবা খুদোংথিবা ঙাববা কদায়দা কৈদৌনুংদসু মীপাইবিদে, যাম্না চেকশিন্না হোৎনদুনা লৈ। অদুগা মতম মতমদা অথাবা শাংই অদুনা মাগী যেক্লবশিংদা মতাংমতা মাযাথিজগে।

বুদ্ধ্যা ভয়ং প্রণুদতি তপসা বিন্দতে মহৎ।
গুরুশুশ্রূষয়া জ্ঞানং শান্তিং যোগেন বিন্দতি॥৪৮৪

মী ওইবনা বুদ্ধিনা মুন্না খন্দুনা অকিনবু কোকহল্লি, তপ তৌদুনা অথোইবা মকমবু ফংই। গুরু সেবা তৌদুনা জ্ঞান অমদি যোগগী মতেংনা শান্তি ফংই।

গতে শোকো ন কর্তব্যো ভবিষ্যং নৈব চিন্তয়েৎ।
বর্তমানেন কালেন প্রবর্তন্তে বিচক্ষণাঃ॥৪৮৫ (চাণক্য)

তৌখিবা বাথোক থৌদোক্কীদমক বাবা তৌবোইদবনি। অদুগা হুংদা লাক্কদবগীদমকসু ব্রাবা খনফম থোক্তে। অশিংবা মীশিংদি হৌজিক হৌজিক মাঙ্‌দা লৈবিবা বাফমগী মতুংইন্না থবক তৌই।

পরং ক্ষিপতি দোষেণ বর্তমানঃ স্বয়ং তথা।

যশ্চ ক্রুধ্যত্যনীশানঃ স চ মূঢ়তমো নরঃ॥৪৮৬

মশাদা অশোয়বা লৈবগা মীওইবনা অতোপ্পগী ফত্তবা তৌবা অদুগা শক্তি লৈত্রগসু শাউবা মীদু মহামূর্খনি।

গন্তব্যা রাজসভা দ্রষ্টব্যা রাজবল্লভাঃ পুরুষাঃ।

যদ্যপি ন ভবত্যর্থো ভবত্যনর্থপ্রতীকারঃ॥৪৮৭

রাজসভাদা চৎকদবনি অমসুং মমিং লৈবা মতিক লৈবা অঙম-অথৌগা উমগনি, তিন্না-খোৎনগনি। মসিদা কান্নবা ফংদ্রবসু ফত্তবা কান্নদবা থবক্তগী ঙাকথোকই।

যস্মিন্ যথা বর্ত্ততে যো মনুষ্যস্তস্মিংস্তথা বর্ত্তিতব্যং স ধর্মঃ।

মায়াচরো মায়য়া বর্ত্তিতব্যঃ, সাধ্বাচারঃ সাধুনা প্রত্যুপেয়ঃ॥৪৮৮

(মহাভারত)

মীওইবনা মশাদা তৌবকপা লমচৎ ব্যবহার অদুমক মীওন্দসু তৌবীগদবনি, মসি ধর্মনি। লৌনম্বা মীগী মযমদা লৌনম লমচৎ অদুগা অচুম্বা অফবা লমচৎ চৎলকপা মীগী মফমদনা অফবা লমচৎ চৎকনি।

তাবদ্ ভয়েন ভেত্তব্যং যাবদভয়মনাগতম।

আগতং তু ভয়ং দৃষ্টা প্রহর্ত্তব্যমশঙ্কয়া॥৪৮৯ (চাণক্য)

অকিবনা লাক্ত্রবা খাওবদ কিগদবনি, লাক্রবদি চিংনবা লৈতনা মাযোক্লনবা হেৎনগদবনি।

বিবিধ (অতৈ লৈচল খরা)

জিতামিত্রো নৃপো যত্র বলবান্ধর্মতৎপরঃ।

তত্র নিত্যং বসেৎ প্রাজ্ঞঃ কুতঃ কুনৃপতৌ সুখম্॥৪৯০

যেক্লবরু লান শুম্বা, পাঙ্গল কনবা অমদি ধর্ম্ম লৈবা লৈঙাকপা ওইবদি আশংবা মীনা মফম অদুদা লৈগদবনি। ফত্তবা লৈঙাকপা (নিংথৌ)গী লৈবাক্তা কদায়দগী নুংঙাইবা ফংগনি?

বরং ন রাজ্যং ন কুরাজ্যং-রাজ্যং
বরং ন মিত্রং ন কুমিত্রমিত্রম্।
বরং ন শিষ্যো কুশিষ্য-শিষ্যো,
পরং ন দারা ন কুদার-দারাঃ॥৪৯১ (চাণক্য)

ফত্তবা লৈবাক লৈগদবগী শক্ক লৈবাক লৈতবা, ফত্তবা মরূপ লৈগদবগী শক্ক মরূপ লৈতবনা ফে, ফত্তবা ছাত্র লৈবগী মহুৎ ছাত্র লৈতবনা ফে অমদি ফত্তবা নুপী লৈগদবগী শক্ক নুপী (লোযনবী) হাযবদু লৈতবনা ফে।

সকৃজ্জল্পন্তি রাজানঃ সকৃজ্জল্পন্তি পণ্ডিতাঃ।
সকৃৎকন্যাঃ প্রদীয়ন্তে ত্রীণ্যেতানি সকৃৎ-সকৃৎ॥৪৯২ (চাণক্য)

লৈঙাকপা নিংথৌ ওইবা মীওইশিংনা অমুক্তমক ঙাঙ্‌ই নৎত্রগা যাথং পী, মহৈ মশিং হৈবশ পণ্ডিতশিংনা অমুক্তমক ঙাঙ্‌ই অদুগা কন্যাদানসু অমুক্তমক তৌনৈ হায়বিবা অহুমসিমক অমুনুক্তং তৌনৈ।

দণ্ডঃ শাস্তি প্রজাঃ সর্বা দণ্ড এবাভিরক্ষতি।
দণ্ডঃ সুপ্তেষু জাগর্তি দণ্ডং ধর্ম্মং বিদুর্বুধাঃ॥৪৯৩ (অক্ষয়নীতি)

দণ্ড হায়বসিনা প্রজা মীওইবা) খুদংমকপু শাসন তৌই, দণ্ডনা প্রজাশিংবু ঙাকই, দণ্ড হায়বসিদি পূম্নমক্না তুমত্রবসু তুমদনা মাকপ থোক্কুনা লৈ। অশিংবা মীশিংদি দণ্ডবু ধর্ম্মনি হায়না লৌই।

সর্ব্বো বিমৃশতে জন্তুঃ কৃচ্ছ্রস্থো ধর্ম্মদর্শনম্।
পদস্থঃ পিহিতং দ্বারং পরলোকস্য পশ্যতি॥৪৯৪ (মহাভারত)

খুদোংথিবা অবা ... কানন্ত্র মীওইবনা ধর্ম্মগী মায়াগী ... লকই। মীওইবনা দম মাঙ্‌দুনা ... বিমশি। মহাক্না পরলোক্কী ... থিংদুনা লৈবশুম উই হায়বদি অশৌব ... ইনা লৈবিদৌদা ধর্ম্ম কর্ম্ম ... দি পরলোক্কী মরমদা খল্লুবগী ... যনা খল্লে।

বিদ্যামদো ধনমদস্তৃতীয়োঽভিজনো মদঃ।
মদা এতেঽবলিপ্তানামেত এব সতাং দমাঃ॥৪৯৫ (মহাভারত)

বিদ্যাগী মযাই, লনগী মযাই অমসুং অহুমশুবদা শাগে চাওবগী মযাই ... র্মাস নাপল চাউবা মীশিংগীদি মযাই কানবা পোৎ ঙাক্কনি অদুবু ... দম হায়বদি পূক্কিং ব্রাখল লাকশিন্নবা পাম্বৈ ঙাক্কনি।

অসন্তোঽভ্যর্থিতাঃ সদ্ভিঃ কচিৎ কার্য্যে কদাচন।

মন্যন্তে সন্তমাত্মানমসন্তমপি বিশ্রুতম্॥৪৯৬ *(মহাভারত)*

কনিগুম্বদা কবিগুম্না থবক অমদা সজ্জনশিংনা থাগৎপদগী ফত্তবা মীওইশিংনা মশাবু য়াম্না ফত্তে খঙ্জববসু অফবা মীনি হায়না খল্লে।

স্বভাবেনৈব তুষ্যন্তি দেবাঃ সৎপুরুষাঃ জনাঃ।

জ্ঞাতয়ঃ মানদানাভ্যাং বাক্যদানেন পণ্ডিতাঃ॥৪৯৭ *(চাণক্য)*

লাইশিং অমসুং সৎপুরুষশিংদি হৌনশা ওইনা পেনবীহৈ অদুগা মবী মতাশিংনা ইজ্জৎ অমসুং পোৎ চৈ পীবগা পেল্লি। অদুবু বিদ্বান্‌শিংদি অফবা ৱাঙাঙনা পেল্লি।

বৈদ্যা বদন্তি কফপিত্তমরুদ্বিকারা

জ্যোতির্বিদো গ্রহগতিং পবিবর্ত্তয়ন্তি

ভূতাভিষঙ্গ ইতি ভূতবিদো বদন্তি,

প্রাচীন কর্ম বলবান্মুনয়ো বদন্তি॥৪৯৮

মাইবংদি মৈ ঈশিং নুংশিৎকী অকায়বননি হায়, পাণ্ডিশিংনদি গ্রহ দশা ফত্তবগী ফলননি হায়। ওঝা হায়বদি যাদু মন্ত্র তৌবা কাঙবুনদি মদুবু ভূত প্রেতকী দর্শনি হায় অদুগা মুনিশিংনদি মদুবু অকনবা থিংবা ভমদ্রবা লাইবক্লান হায়।

কাকমাংসং শুনোচ্ছিষ্টং স্বল্পং তদপি দুর্লভম্।

ভক্ষিতেনাপি কিং তেন তৃপ্তির্যেন ন জায়তে॥৪৯৯

কাক্কী শদুমস্ ওইবা অদুগীসু মগাক্তা হুইনসু লুখাক ওইহল্লল্লবা অদুবু শাংক্রু, ফাওবা সংভমদ্রবা। মদুবু চাবগসু পেনবা ভমদ্রবা পোৎতু চাদুনা কবি কান্নগনো।

নিঃস্পৃহো নাধিকাবী স্যান্নাকামী মণ্ডনপ্রিয়ঃ।

নাবিদগ্ধঃ প্রিয়ং ব্রূয়াৎস্ফুটবক্তা ন বঞ্চকঃ॥৫০০

অপাম থৌবাংদা লৈত্রবা মীনা কৈদৌনুংদসু অধিকাব পাম্না মী ওইদে। অপাম্না লৈত্রবা মীনা ফজবা লৈতেং পামদে। অপঙবা মীনা কৈদৌনুংদসু নুংশিবা ৱা ঙাঙদে। অদুগা অশেং অশেংবা ৱা ঙাঙবা মীওইদি লৌনম লাউবা মী ওইদে।

গৃহী যত্রাগতং দৃষ্ট্বা দিশো বীক্ষেত বাপ্যথঃ।

তত্র য়ে সদনে যান্তি তে শৃঙ্গরহিতা বৃষাঃ॥৫০১

য়ূমগী য়ূম্বু অদুনা ময়ূমদা অবাকপা মীবু উবগা নাক য়েক নৎত্রগা মখাবোমদা য়েংথদুনা লৈববা অদুগুম্বা য়ূমদুদা চৎলিবা মীশিংদু মচি পাল্লবা ষণ লাবগুম্বনি।

মূর্খশিষ্যোপদেশেন দুষ্টা স্ত্রী ভরণেন চ।

দুঃখিতৈঃ সম্প্রযোগেণ পণ্ডিতোঽপ্যবসীদতি॥৫০২ -*(চাণক্য)*

অপংবা শিষ্য (ছাত্র) দা পাউতাক পীবা, ফত্তবী খৎনগনবী নুপীবু য়োক-থাকপা (লৈমিন্নবা), অৱা-অনা, অনংবশিংগা তিন্না তোৎনবনা পণ্ডিত ওইবা অশিংবা মীওইসু অৱাবা নংহল্লি।

যো ধ্রুবাণি পরিত্যজ্য অধ্রুবং পরিষেবতে।

ধ্রুবাণি তস্য নাশ্যন্তি অধ্রুবং নষ্টমেব হি॥ ৫০৩॥ -*(চাণক্য)*

লেঙদ্রবা অবেপ্পা পোৎশিংবু হন্দোক্লগা অবেপ্পা লৈত্রবা পোৎশিংগী মায়কৈদা ওনশিন্দুনা লৈবা মীগীদি অবেপ্পা পোৎসু মাঙখি অদুগা লেপএবা পোৎতি হান্নদুম মাঙগ্রবনি।

শৈলে শৈলে ন মাণিক্যং মৌক্তিকং ন গজে গজে।

সাধবো নহি সর্ব্বত্র চন্দনং ন বনে বনে॥ ৫০৪ -চাণক্য

চীং খৃদিংগী মণি ফংদে, শাম্নু খৃদিংগী মকোক্তা মুক্তা যাওদে, মতৌঅদুগুম্না সাধু ওইবা অফবা মীওইদি মফম পূম্বদা লৈতে অদুগা উমং খৃদিংদা চন্দন পাম্বী হৌদে।

দুর্জ্জনস্য চ সর্পস্য বরং সর্পো ন দুর্জনঃ।

সর্পো দংশতি কালেতু দুর্জনস্তু পদে পদে॥৫০৫ -*(চাণক্য)*

ফত্তবা মীগা লীনগা চাংদম্নবদা লীননা খব শাফৈ মবমদি লিনদি মতম ফংলগা অমুক্তমক চিকই অদুগা ফত্তবা মীদি খোঙথাং খৃদিং চিক্কুনা লৈ।

আচারঃ কুলমাখ্যাতি দেশমাখ্যাতি ভাষণম্।

সম্ভ্রমঃ স্নেহমাখ্যাতি বপুরাখ্যাতি ভোজনম্॥৫০৬ -*(চাণক্য)*

মীওইবগী লমচৎ-শাজৎনা মীদুগী শাগৈবু মশক তাকই, মানা ঙাঙলকপা রাঙাঙনা লৈবিবা লমদু তাকই, মানা তৌবকপা ব্যবহারনা নুংশিবগী মওং তাকই অদুগা হকচাংনা মীদুগী চাবিবা চিঙাক মশক তাকই।

অতিরূপেণ বৈ সীতা অতিগর্বেণ রাবণঃ ।

অতিদানাদ্ বলির্বদ্ধো হ্যতি সর্বত্র বর্জয়েৎ ॥৫০৭ *-(চাণক্য)*

কা হেন্না মশক ফজরুবদগী সীতা মীনা (বাবণ) হুরানদুনা পুখি। কা হেন্না নাপল তৌরুবদগী রাবণ তুম্না মাঙখি । অমুকসু কা হেন্ন' লৈজবা পৃন্না দান তৌকবদগী বাজা বলিনা অফা অপুন নংখি । মবম অদুনা মীওইবনা কবিশুম্না থবক অমত্তদা কা হেনবা হায়বসি তৌবোইদবনি ।

আয়ুঃ কর্ম্ম চ বিত্তঞ্চ বিদ্যা নিধমেব চ ।

পঞ্চৈতানি হি সৃজ্যন্তে গর্ভস্থস্যৈব দেহিনঃ ॥৫০৮॥ *-(চাণক্য)*

মীওইবনা মমাগী গর্ভ মনুংদা লৈবিঙৈদগী হৌনা মীদুনা চহি কযা পুন্সিগদগে হায়বদি মাগী আয়ু, মানা করন কবম্না অথোইবা থবক তৌগদগে হাযবা বাফম, মীদুনা মহে মশিং কয়া যান্না হৈগদগে হায়বা বাফম অমসুং কৈদৌঙৈ অমসুং করম্না শিগদগে হায়বদু হান্না ইদুনা লৈখ্রবনি।

একাকিনা তপো দ্বাভ্যাং পঠনং গায়নং ত্রিভিঃ ।

চতুর্ভির্গমনং ক্ষেত্রং পঞ্চভির্বহুভী রণম্ ॥৫০৯ *-(চাণক্য)*

তপস্যা তৌবদদি ইতোমতমক তৌগনি, মী অনীনা লাইবিক পামিন-তম্মীন্নগনি, ঈশৈনচিংবদি মী অহুম্না তৌগনি, লম্নী চৎপদি মী মরী চৎমিন্নগনি, লৌউশিং উবদনা মী মঙা পুন্না তৌমিন্নগনি অদুনা ওন্নমখৈ অয়াম্বা মীশিংনা লান তৌনগনি ।

অনভ্যাসে বিষং শাস্ত্রমজীর্ণে ভোজনং বিষম্ ।

দরিদ্রস্য বিষং গোষ্ঠী বৃদ্ধস্য তরুণী বিষম্ ॥৫১০ *-(চাণক্য)*

তম্লুবা মহৈদু ঔবাইদ্রবদি হূগা মান্নৈ, চানা তুমদ্রগা অমুক চাশিনবসু হূনি, লায়ববা মীগীদি মীযাম তিন্নবা (পার্টিনচিংবা তৌবা) হূনি অদুগা হনুববা মীগীনা নুপী নহাদি হূনি।

নরাণাং নাপিতো ধূর্ত্তঃ পক্ষিণাং চৈব বায়সঃ ।

চতুষ্পদাং শৃঙ্গালস্তু স্ত্রীণাং ধূর্ত্তা চ মালিনী ॥৫১১ *-(চাণক্য)*

মীওইবশিংগী মনুংদা নাপেত (হজাম) না ধূর্ত্ত (নমথাক . লৌনম চাউবা) ওই অদুগা উচেকশিংগী মনুংদা কাক্কা ধূর্ত্ত ওই। মখোঙ মবি পানবা শাশিংগী মনুংদা লমহূই অমসুং নুপীশিংগী মরক্তা মালিনী (গার্দেনব গী নুপী) না লৌনম নমথাক চাউই ।

প্রিয়বাক্য প্রদানেন সর্বেব তুষ্যন্তি জন্তবঃ।
তস্মাত্তদেব বক্তব্যং বচনে কা দরিদ্রতা? ॥৫১২ -(*চাণক্য*)

নুংশিবা ৱাঙাঙ ঙাঙলবদি মী খুদিংনা হৱাওই। মৱম অদুনা মতম পূম্বদা ঙস্মিবমখৈ নুংশিবা অথুম্বা ৱা ঙাঙগদবনি। ৱা ঙাঙবদবু করি অৱাংপা লৈবগে হায়বদি নুংশিবা ৱা ঙাঙবদা শেন্থুম চঙগদবা নত্তে। পৈশা তিংবদৌনা লিকশিন্দুনা নুংশিবা ৱা ঙাঙব্রিবা কবিগীনো হায়বনি।

সংসার কূটবৃক্ষস্য দ্বে ফলে অমৃতোপমে।
সুভাষিতং চ সুস্বাদঃ সঙ্গতিঃ সজ্জনে জনে ॥৫১৩ (*চাণক্য*)

সংসাবগী মশক ওইববা কূট বৃক্ষগী অমৃতগা মান্নববা উহৈ অনী লৈ- অমনা অফ অফবা কান্নববা পাউ ভাক্কী ৱা অদুগা অতোপ্পা অমনা অফবা অথোইবা মীশিংগা তিন্নবা হায়বসিনি।

তৃণং লঘু তৃণাত্তূলং তূলাদপি চ যাচকঃ।
বায়ুনা কিং ন নীতোঽসৌ মাময়ং যাচয়িষ্যতি ॥৫১৪ (*চাণক্য*)

খ্বাইদগী অযাংবা লূমদবা পোত্তি নাপী মকানি. নাপীদগী য়াংবনা তেবা মফোন্নি, তেবাদগী যাংবনা পোৎ-নীবা চাক্কিবনি। অদু ওইববদি অসুক যাম্না শাথিনা যাংলবা জীব (চাক্কিবা) সিবু নুংশিংনা পাইথোকহন্দুনা পুদ্রিবা কবিগীনো হায়বদা নুংশিংনা হুমদুনা পুদবগী মবমদি মহাক্না লাক্কগা ঐ ঙোন্দগীসু (নুংশিংগী) নিবক্কনি হায়দুনা ভৌবনি।

ধর্ম্মাখ্যানে শ্মশানে চ রোগিণাং যা মতির্ভবেৎ।
সা সর্ব্বদেব তিষ্ঠচ্চেৎ কো ন মুচ্যেত বন্ধনাৎ ॥৫১৫ -(*চাণক্য*)

মীওইবনা ধর্ম্মগা বাবী ভাবা কান্দা, মোংফমদা পোৎলোইবা যাওবিউৈদা ১সুং যাম্না কম্না নাবিউৈ মতম্দা পূক্নিংদা লৈবা বাখলদু মতম পূম্বদা লৈবা ওম্নবদি কনানা মুক্তি ফংলোইদগে হায়বদি ফংগানি।

যথা চতুর্ভিঃ কনকং পরীক্ষ্যতে
নির্ঘর্ষণ- চ্ছেদন তাপতাড়নৈঃ।
তথা চতুর্ভিঃ পুরুষঃ পরীক্ষ্যতে
ত্যাগেন শীলেন গুণেন কর্ম্মনা ॥৫১৬ (*চাণক্য*)

[illegible] শেংবা শেন্দবা খঙননবগীদমক তক্কুনা খেৎতুনা মৈ ঈক্কুনা অমদি [illegible] না চাংয়েংবগুম মী অমবুসু মাগী ত্যাগকী থবক লমচৎ-শাজৎ [illegible] গুণ অমসুং মানা তৌথোবকপা থবকশিংনা চাংয়েং ভৌনে।



ডা. এম. অচৌবী শাস্ত্রী

জন্ম : ভাদ্র শুক্লা ষষ্ঠী, সংবৎ ২০০৪
(তাং ২৭, সেপ্তেম্বর, ১৯৪৭)

পিতা : মৈনম যাইমা সিংহ

লৈফম : শোইবম লৈকাই, চেক্কোন বজার, ইম্ফাল (মণিপুর)।

শিক্ষা : বী.এ. (হিন্দী ওনার্স), এম.এ. (হিন্দী), হিন্দী শিক্ষণ পারঙ্গত অমসুং নিষ্ণাত (বী.এড. অমসুং এম.এড. কা মান্নবা), রাষ্ট্রভাষা রত্ন (বর্ধা), সংস্কৃত ব্যাকরণ আচার্য (শাস্ত্রী)।

শিনফম : শিক্ষক, হিন্দী টেন. সেন. ১৯৭০দগী হিন্দী গ্রেজুয়েট টি., ১৯৭৯দগী হায়র সেকেণ্ডরীগী লেকচরর, ১৯৮৯দগী গোভর্ণমেণ্ট হিন্দী শিক্ষক প্রশিক্ষণ মহাবিদ্যালয় ইম্ফালগী হিন্দী লেকচরর, ১৯৯৮দগী সেলেক্সন গ্রেড লেকচরর, হৌজিক্কী রীডর ওইনা থবক পুবি।

অপান্বা হৈনবী : সাহিত্য, দর্শন অমসুং জ্যোতিষকী মনমদা হৈনবা অমসুং থিজিনবা।

অতে ফোঙলবা লাইরিককশিং : (১) হরি কৃষ্ণ প্রেমী কে একাঙ্কী নাটকোং এবং কবিতাওং কা এক অধ্যয়ন (হিন্দী), (২) হরি কৃষ্ণ প্রেমী কে নাটকোং কা সমাজশাস্ত্রীয় অধ্যয়ন, (৩) সুভাষিতানি (সংকলিত এবং অনূদিত)।

ফোঙলগদবা লাইরিককশিং : ভারতীয় দর্শন, পাণিনীয় শিক্ষা, ক্ষয়াধিমাস তত্ত্বম্, শিব স্বরোদয়, লগ্ন জাতকম্, শ্রীভৃগু সংহিতোক্ত ভাবফলাধ্যায়, পুরাণশিংগী মণিপুরী অনুবাদ, অসিনচিংবা।

লাইরিক ফংফম :

১) ঐশ্বা কম্প্যুটর, কৈশামপাৎ বস পার্কিং। (২) রাজেশ বুক ষ্টোর, গভর্নর রোড, (৩) হিন্দী টিচরস ট্রেনিং কোলেজ, ডি.এম. কোলেজ কেম্পস, ইম্ফাল, (৪) অইবগী য়ুম।